মনম্মনা হাযবকই - কবিগীনো ফোন লাক্লগা পাযদ্রিদুনা ?

তেল্লপ্পা খুম্মী - কম্পনিগীনি ।

ইকান কান্নদনা তৌশিল্লকই অতোপ্পা নম্বর অমদা । পাযখত্রবদি মনম্মনা কৈনোমা খল্লনি নীংলদুনা পাযখৎলি । খঙলে তানিংদ্রবা খোঞ্জেলদুনি, মী ওন্নববোই নীংদুনা থমখিনবা মহাক্লা ৱা মখা হাযবকপা নঙদ্রিঙৈদা ইবেমচানা তনখুম খুমজিল্লি ।

- হৈমা থাবল্লে, ঐদি নঙনা হায়বদো কাউথোক্লুবে, "অশংবা অযুক" কী অইবগী মমিং হায়বকউ হাযবা নৎত্রো নঙনা হাযবদো। ঐ চাক চাবি, চাকচা হেক তোকপগা হাযবক্লগে, লাইবিক্তো যেংদ্রদি খঙলবোই । থম্মো ঐ শোয়দনা তৌবকে।

কবিনো অঙাওলাই চুববো .. ইবেমচা মথন্তা তাখিবনি নাকোঙদা, মখা তাবক্তনবা ফোন থুনা থম্মী ।

মনম্মগা লোযননা লুখাক চগুম শেংদোকমিন্নবে, কোল্লিক ফেংদোকমিন্নবে, মাগী কাদা চঙলে, ইবেমচাগী পৃক্লিংদা মওল মওল খল্লি । শাউনিংবগী হায়কুববদি ফোন তৌবক্লিবা মীদু মবুংদা তমথোক্লগা ফুহল্লসিবা ফাওবা যৌববনি, কৈকান্ননো তল্লগা মবাইনা তোকচখিনি অমুক খল্লি । কবি তৌশিগে খল্লিঙে অমুক তৌশিল্লকই । পায়খত্রে, মোবাইল মুথৎলি । ইবেমচা ঈপথবে, অদুবু তুমথবদি যাদ্রে কবন্বা নুপানো মসিবো ? মাগুম্বা অমত্তা পুঙ্গিদা অমুকফাও থেংনদ্রি, মমায ওম্থোক্লা কনখ্রে, মকোক চাকপবা, মশাগী চহী মতাঙসিগা ইচান হেক চানদনা মানা ঐঙোন্দা যেংলিবা মীৎযেং, ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ-শাঙাং অসিনা কবিনো ? ঐনদি ইথক থোংবনি, মশক মমিং হাযফেৎসু লৈজববনি হাযনা ইকাযখুম্নবি, মসি মহাক মথন্তা মাঙহঞ্জগদৌবি ।

নীংশীংলকই নোংমা মহাক্কা ইহান হান্না শকখঙনখিবা নুমিত্তো । লৈবাক্লীংবা ঈশৈ খূদোল তৌবা নুমিৎ অমদনি, অহল ওইববা, মীযাই চল্লবা, নহা ওইবিবা, মমিং চৎপা চত্তবা শৈশকপা, শৈশকপী মযাম লৈবাক্লীংবা ঈশৈ খূদোল তৌনবি । অবীবা অমদি অনৌবা ঈশৈ কযানি । পুঙ্গিগী অযাম্বা মতমদি মপান্দা লৈরুবনা ইবেমচান। ঈশৈ শক্লিবা শক্লিবীশিং অদু অযাম্বনা মশক খঙদে, ঙসিত অহানবা উবসু যাওবি, ঈশৈ পামজবী ইবেমচাগী নুংঙাইজবী হাযবদুসু ওইবি । থৌবমদুগী মযায চল্লকপদা শক্লকপা ঈশৈ অমখক্লা মহাকপু পূমঙাও ঙাওহনখি, ঈশৈ মযেক, শৈশক-শৈহেক, খোঞ্জেল ইবেমচানা ওম্থোক্লা থৱায তাজখি । মশানা ইবা, মশানা শৈপানবা ঈশৈনি হাযনা লাউথোকই । থম্মোযদগী ইবা, থম্মোযদগী শকপা মাল্লি, লৈবাক্লীংবদা লৈবাক্লীংবা ওইনা উবকই । ইবেমচানা মাবু থাগৎনিংখি ।

থৌবম লোইশিল্লকপদা ইবেমচানা মহাকপু উনদুনা শকখঙনৈ, শকতাক্লে, থাগৎ ৱাহৈ অমা'নি হাযনবগা মোবাইল মশিং লৌনৈ । শৈশকপা অদুনসু য়াম্না হবাওনা মানা ইবা ঈশৈ মযেক্কী লাইবিক অমসু পাবীযু হায়না পীবকই। ঈশৈ শৈবেংগী লাইবিক ইবেমচানা থোইদোক হেন্দোক্লা পামজবা লাইবিক্লি ।

যূমদা হল্লক্লগা তুম্লমদাইদা লাইবিক্তু পাথৈ । ফজমনখিদুনা লাইবিক্তু লোইবা ফাওবা পাবদা অহীংগা ইতুম তুমহৌদ্রে । মসিদি ইবেমচাগী হৈনবীনি, লাইবিক পাবদা অহীং তুমদবা মঙোন্দা অনৌবা নত্তে, হকচাঙ শোকই খঙলবসু হৈনবীসিমদি থাদোকপা ইঙম ঙমদে ।

ঈশৈ ময়েকশিংগী ফজবা কয়াদুনা লমজীংদুনা ইবেমচা অযুক্কী থবক ইনখাং লোইশিল্লগা ফোন তৌদুনা ঙবাং শকখঙনবকপদুগা ব্রাবী শানৈ । যাম্না ইকায় খুম্নবা মওঙদা লাইবিক্তুদা য়াওবিবা ঈশৈ ময়েক্কী ফজবদু শীংথাদুনা থাগৎলুই।

হৱাও হৱাওনা খুম্নকই - ঐবু কনামত্তনা অসুম্না পূক্লিং থৌগৎপিবক্তি, নহাকপুসু থাগৎচবি, মবক মবক্তা ঈ-পাউ অদুম ফাওনসি ।

মীবু পূক্লিং থৌগৎপা, মানা ঙম্বা লম্বীদা অতোপ্পবু লমজীংবা, তেঙবাঙ পীবা, ইবেমচাগী পোকপদগী য়াওবক্লবা মচৎনি । মবক মবক্তা মবম চানা চানা ইবেমচাগা ফোন তৌনৈ, থেংনবদা কবি ইবি, কবম তৌবি, পাউহংনৈ । অবানবা ব্রাখল মীৎযেং, ব্রাহৈ-ব্রাতা অমত্তা যাওনদে । ইবেমচানসু খোর্জৈ পায়বা, ঈশৈ হৈবা মথকথোংবা অমনি হায়না ইকায় খুম্নজে ।

মতম খবগী তুংদনি, অহোঙবা, অওনবা নাইবা মতমগী খোঙচত্তা মহাক্কী হোঙলক্লিবা মওঙ-মতৌ, ব্রাঙাঙ-শাঙাংদা ইবেমচা হৈনদবা, তৌফম খঙদবা অমদি অঙকপসু ফাওবকখি । হান্না হায়বমদবা ব্রাহৈ-ব্রাতা কয়ানি, ইবেমচানা মঙদফাও খল্লুদবা মওঙ-মতৌনি । তূম্লমদাইদা ফোন তৌশিল্লকই, মমি কুম্মৈ যেংলুসি. কোযবা চৎলুসি হৌজিল্লকই । মহাক্কী তাযোন্নবা ব্রাখল মীৎয়েংদু চুমথোক্লবা ইবেমচানা ফনা কন্না হোৎনৈ । মশামক্কা উনদুনা শেবান্নবা ব্রাখল, মীৎযেং থাদোক্লবা, মবমদমগী মচন-মচা অমগুম খন্নবা, মদু ঙমদ্রবদি মখা তানা ঈ-পাউ ফাওনবা, শক উনবগী কান্নবা লৈতে হায়দুনা কন্না হায় । ইবেমচানা অসুম্নসু হায়খি -

- ঐদি চুম্নতা ঈশৈদা ঙাওজবনি, ঈশৈ শক্লীবা মীদুদা নত্তে, শৈশক্তনি, শৈহেক্তনি, খোঞ্জেলদনি, ময়েক্তনি, ঐদি খোর্জৈদসু ঙাওজৈ অদুবু খোর্জৈ পায়বীবা মঙোন্দা নত্তে, খোর্জৈগী পোখোক্তুদনি, ঐদি লৈকোলদসু ঙাওজৈ, লৈকোল শেম্লীবা মীদুদা নত্তে, লৈবাংগী নীংথীবা, শুমহৎপা অমদি পূক্লিং হুববা লৈনমদুদনি । মসিমত্তং মতম পূম্বদা কাউবীদবা ফৈ । ঐদি ইশাগী অচেৎপা ফিবেপ অমদা খুন্নাইগী অমোৎপা খজিক্তং ওইববসু শেংদোক্কে লেপ্লিবী অমনি, ঐগী অশেংবা শক্তমসে হান্না খঙবীবমদ্রবসু খঙবীয়ু । মতুঙদা শেবান তুবান তৌবক্লগনু ।

অদুক কন্না হায়খ্রফাওবদা মহাক কবিমত্তা খম্ব্দবা, কবিমত্তা নাচুংদবা মওঙদা মবম ইচা চাদনা ফোন তৌশিল্লকপদা ইবেমচাগী অশাওবী হায়বদু য়ৌবে, ফাজিনবা ঙমদ্রে । খঙনি মসিগী অহলসি মতীক থোকপা লাক্লবগে, মানা ঐবু কবি ওইনা উবিবনো ? কবিনি হায়না খল্লিবনো ? যূম পান্দবীনি হায়দুনা তৌবিববা

নত্রগা নুপী নহাদা যাম্না চোপচবা মীতাবা, যেংবা তাবেদনা মা কয়াম ফাওগে হায়বা। মী মশক খঙদবা শাবদনা মা ঐগী ইতীক খঙহনগে।

অফবা হায়গদ্রা ফত্তবা হায়গদ্রা ইবেমচাগী হৈনবী অমা লৈ, মানা ফত্তে খঙবা থবক্তাদ খঙদবা মীদা তৌদনবা মথৌ ওইখে হেক্তা থিংই। মী অমবু চুম্না লমজীংখিবা ঙন্নদা মহাক মথন্তা নুংঙাইবা ফাওজে। ফত্তবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লবা অমবু থিংনবা কন্না হোৎনৈ, ঐগী মীগী নাইদে থিংবা ঙমদ ঙমদ্রগনা মশানা পামজবা লম্বীদুদা থৌজিল্লগা ফত্তবা মহৈদু ফংহল্লগা মশাগী অবানবদু, অশোয়বদু খঙজবক্তুনা মশাগী লমচৎ শাজৎ চুমথোকচখিবদা পেঞ্জে। মাগী হৈনবীসিনা মবম ওইদুনা মীর-মৈশা লাংবা কযাস্ লৈখি। মমানা, মবুংনা থৌবৈতবী মিংথোনবীবা য়াওখি মাবু। মদুদা কবিমত্তা শাচুওদবী ইবেমচানি। লাইবক্লেন পাংখ্রবা মাগী অপোকপনা হাযবীবন্না - "ইপাগী ইবেম্মা খঙদবা, উদবা মীদি খঙনবা, উনবা তাকপিগদবনি। অবানবা লম্বীদা খোঙ থাঙজিল্লবা মী অমবু অঙন্না পাম্বৈনা অচুম্বা লম্বীদা পুবক্লবা হোৎনগদবনি" হায়বা মমল যাম্লপ রাহৈশিংসিনা খুন্নাইগী অমোৎপা শেংদোকচবা পামজবী ইবেমচাগী পুন্সিগী ভাক্তৌনি।

নোংমা অযুক অঙনবনি, লাক্লিবা ফোন্দু ইবেমচানা তবাম তবাম ওক্তুনা খুম্মী।

- হল্লো ওজাবা কবি তাকপিগদবা ?

কবি হায়বক্লবনো খঙদে শিথ শিথ নোক্লগা অমুক খুম্মী।

- হো ইবুংঙো যাজবে য়াজবে নঙনা হায়বদো য়াবে, কযাম শেংনা নুংশিবীবীবনো, কযাম থম্মোয় চেৎলগে যেংগেনা নহানমখৈ সুম চাংযেং তৌবা। অদো কৈনোমা হংগেনা, ঐবু নুংশিবীবকপা কযাম কুইববগে ?

- ইহান হেক হানবা শকখঙনবা মীকুপ্তুদগী।

- অশেঙববনে ?

- অশেঙবনি, তৃম্ফম চাফমগা খঙপোত্তে ইবেম্মা, নঙনদি খঙবীদবা, অসুক কুইবসে ঐ কয়াম রাযং।

- অদুবু ননাক্তা ইচাও চাউনা লৈবিবী যুমগী মবেম্মদুগী রাখল খবদি খম্বুবীখোদা।

- মানা মানি, নঙনা নঙনি, মাবুসু মীবাযবোই, নঙবুসু কাযনবা ঙম্মোই। অদো ঐনা হায়বদো মমি কুম্মেদো অমুক্তা য়েংসিদা।

- কদায়দা ।

- ঐনা নঙোন্দা হান্নদগী তোযনা হায়বা মমি কুম্মৈ তৌফমশঙদো অদুদা।

- ফবে ফবে ঙসি হেক্তা য়েংলসি । পুং তবামাথোইদা হৌবদো নঙনবা লাক্লগে, টিকেট কক্লগ্লো, শোইনদবী ।

- অওইববো '' য়াম্না থাজদনা নঙনা ঙসি তৌবিসিবু ঐ ইঙাও ঙাওবেদা।

- অওইবনি কৈনো ।

- অদুদি খবা কেন্না লাকউকো, নুপীদি কেগদবনি খঙলেদনা । ঐনা খাইদগী পামজবসু কেবসিনি ।

- হোয হোয ঙমজবী থাদুনা কেথবগা লাক্তোইনি, শক্না খঙলোই মুন্না যেংজৌকো । হনখিবদা নযুমলোমদা পূন্না হনমিন্নখিব্রাইসু খঙপোত্তে। হোবেল উন্নবসি থন্নগে ।

ফোন্দো থন্নগা ইবেমচা মপূক্লিংদা নোক্লি, ঈন্দ্রজথোক্লগা লাইনিংথৌ লৈমবেল খূকমজবগা মনম্মদা পূকমেন পাউমেন্নবন্নগা থোবক্লে ।

চহীগা চানদ্রবসু মফি নান্না শেৎলদুনা টিকেট পাযবগা মমি কুম্মৈ তৌফমশঙ মমাঙদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলম্বদু উবদা ইবেমচাদি নোক্লীংবা খাঙবদা ব্রাবে । "নঙ ঙসিদি নুংঙাইহিনিদনা !" মপূক্লিংদা শীংলি, মাযথোঙদা মদুগী মমি তাবমগদ্রা তাবল্লোইদ্রা মদুমদি মশানা খঙলন্নবোই ।

ইবেমচাবু উবদা মাযথোঙ মকা লাম্না তবাম তবাম কৌবকই

- কবিগীনো অসুক যাম্না থেঙলক্লিসিনা, নঙ লাক্লবোইদ্রা কয়াম পাখৎলুবে ঐদি, চঙলসি লাকও ।

ইবেমচা খুমদে, নোক্তমক নোকই, হৈনদ হৈনদ তুংথ-মাংথ চঙমীন্নবে, লাইনিংথৌ লৈমবেলবু চেংনা থাগোঞ্জবি, মনম্মদা শিন্নবম্বদো কাউদ্রদি ফনিদা খল্লি, মিহুন চেনগুম চেনগানৈ । য়াম্নসু হৈনদে নুপী লৈবা নুপা অমগা মমি কুম্মৈ তৌফমশঙদা ফম্মিন্নবা মাগী পুন্সিগী মহানবনি, অবোইবসু ওইগনি, মনম্মবু নীংশীংই। কুম্মৈ হৌবে । মচনগী পূকচেল খঙবী, মচন লুনা তৌবী মনম্মগী ফোন লাকই । ইবেমচা পাযখৎলি, হৌনবা লৈখৎলি ।

-ইবেম্মা নঙবু কদায লৈগে, য়াম্না লুবা ব্রা অমা লৈবে, নঙ য়াম্না থুনা যূমদা লাক্লো ।

- কবি নৈবগে ইনম্মা, ঐ মমি কুম্মে য়েংলিয়ে, হৌদসু ঙাইবি, লাকপা নুংঙাইদৌ মান্দেবু ।

- য়েংঙোই ফোন্দা হাযবা নুংঙাইতবা ৱানি । নঙনে লাক্তবা য়াদবনি, মতুঙদা অমুক যেংঙো, নঙ লাকওকো ।

- মওঙ যেংলক্কে ইনম্মা থম্মো ।

মাযথোঙ মকশিন্না অমদুনা হায়বকই

- ফোনসে মতাঙ চাখিদ্রেদা, ৱাখল কন্না নুংঙাইবকইঙৈসিদা কবি তৌবগী তৌবকই ফোননো ।

ইবেমচানা শম্না খুম্মী ।

- খঙদে ।

ফোন্দু অমুক থুনা লাকই, থওইনা হৌনা তানবা লৈখৎলি ইবেমচানা,

- নঙবু লাকঅবো, অমুক্তা থুনা লাকওমী, ঐবু ইথন্তা তৌফম খঙদ্রে হাযবা নখোয ইচৌসু লৈতেবা, ঐ ফত্ত নুংদ থোক্লদি নঙ নুংঙাইগদ্রা?

- ঐখোয ইনম্মসে যাম পাখৎপা মাল্লে, কবি তৌববগে খঙদ্রে, ফত্ত নুংদ থোক্লবদি ঐ যাম্না নিংঙম্লবোই, ঐ চৎপনা ফদৌমাল্লেবু । অদুম যেংবীহৌবো। ঐ চৎলগে ওজা ।

- হোয হোয চৎলো, ঐসু চৎলনি কৈদৌকনি, সুক কুইনা ফংলক্রগা নোংমখক যেংমিন্নবসিদা, ওম্থোকপা লাইবক হাযদুনি, নোংমা অমুক যেংখিসিকো।

ফমফমদগী হৌগৎ হৌগৎনা তপ্না হাযবকপনি ।

ইবেমচা থোক্লক্লে, অমদুসু মতুঙ ইল্লকই । মকোক খোৎলগা নুংঙাইতনা লেপহৌবা শক্তা নুংশিদবদু হাযফেৎ যেংলম্লগা চৎলগে হাযদুনা পোৎয়োনশঙ মমাঙদা খাল্লম্বা মাগী এক্তিভাদু যৌদুনা ময়ূম মাযকৈ পাঙলক্লে । খোঞ্জেলদি থোক্তনা কল্লক পেন্না লাওবম্মী ইবেমচানা,

-য়েংনিংখোদনা মমি কুম্মেদো । নুংঙাইবিনি হনুবা নঙ ।

মথঙগী নুমিদাংৱাইবম্লি, হযেংদি কোফি থকমিন্নসি হায়না অমুক হায়বকখি। লাক্লবগে খন্দুনা চৎসু চৎলোয়দবদা ইবেমচানা হোয় হাযজিনখি । কবম্না লৈথোকসিগে খল্লিঙৈ নুমিদাং অথেঙবদা লাউথোবকপা মীয়ামগী অথীংবা

খোঙজংগী পাউ অমনা মাগী মীচঙ চঙবীগ্রে । ইবেমচানা খল্লি লাইসে লৈদি লৈবোইবে ।

ইবেমচানা ফোন তৌকদ্রবসু মানদি ফোন হেক্তা তৌবকই, মঙোন্দা ফোন তৌবক্তে হায়দুনা হেক হেক চৈবকই অদুগা হায়বকই

- নুমিদাংদদি ফোন তৌবক্কনু, অতৈ মতমদা তৌবকউ, তৌবক্তবা য়াবোইকো, নঙগী খোঞ্জেল তাবগা ঐসে পোত্থাবিবনি, ঐ নঙবু নুংশি, য়াম্না নুংশি ।

ওন্নতৈনবদা ইবেমচানা নুমিদাংদা ফোন তৌশিল্লি । পায়বক্তবনা অয়াম্বনি, ফোন হেক্তা মুখৎখি । পায়বকপা তাবগনা হুবানবগুম তপ্লপ্লা খুল্লকই

- কোন্না তৌবকউ, মমা খঙখিনি, ইচাশিং তাখিনি ।

থৌরা ইশা শাদনা ইবেমচানা হৌনা খুম্মী।

- খঙলগা কৈদৌগে, নুংশিনবিবো, ঐবু হুবানবীবো, তৌনিংবা মতমদা তৌবক্কনি । নঙবু য়াম ফাওদাইনে ।

- লমহেন্নুকো থল্লগে, ফোন্দু থুনা থমখি ।

থওইনা খীনবা হায়দুনা ইবেমচাদি তৌগে য়াওনা তৌবনি, লান্দবনিনা অকীবসু ফাওদে । নুমিদাংদা তোযনা তোয়না ফোন তৌশিল্লি । মাগী নুপীদুদা অহলসিগী মওঙ-মতৌসে খঙহল্লগে চপ য়ুংনা খল্লি ।

নোংমা নুংথিল তাল্লক অমদা ইবেমচাবু চৈবকই ফোন্দা

-কৈদৌবৈ নুমিদাংদা ফোন তৌবকইনো, অঙাং মমানা ঐবু চীংনখিনি, নঙসিদি যাম্না মথোঙ হুক্তেবু, অতৈ মতমদা তৌবকউ হায়বগা ।

-ঐদি নুমিদাংদদা তৌবক্কনি, য়ুমগী মবেম্মদুনা ননাক্তা লৈবা মতমদুদতা, নতীক নথৌনা যেংদোইনি নবোল চুমদ্রিফাও, নবিল শেংদ্রিফাও, ঐঙোন্দা য়েংলীবা মীৎযেংদো হোংদোক্ত্রিফাও খঙঙেদনা ।

অদুগী মতুঙদদি অয়ুক-নুংথিল নুমিদাং ফোন তৌব্বদা সুকপায় পায়বক্লে। মায় পাক্লক্কদৌবে খল্লি, ইবেমচাগী থৌনা হাপকৎলকই । মনম্মগী ফোন্দগী অমুক তৌই । পায়খৎলকই, খোঞ্জেল তাবগা থুনা থমখি । কিবমাল্লে ফোন তৌবকখিদবে।

অবোয়বা পনখে অমা থম্লীংলবা ইবেমচাগী অফৈবা, অকি-অখঙ লৈতবা মিহুন্দু কন্না কাংখৎলকই, মতুঙ মনাও অমুক তৌদনবা লাক্লবগে খন্দুনা ফোন মনম মনম তৌশিল্লি, নুপী অমা পায়বকই, হংলুবদা মাগী নুপীনি হায় । ইবেমচানা ঙাইবকপা মীকুপ্পু ফংলে লেম্না থাববোই খল্লে । খ্ন্মী অসুম্না

- ঙসিদি মতাঙ য়াম্না চাবে, ইনম্মা কৌগত্রা, ইন্দোমচা কৌগদ্রা শকসু খঙনদে । ব্রাফম খবা হায়নিংদুনা লৈবা কুইবে, হায়জগে লান্নদি লৌবীনু।

- কবি কবম্বা ব্রাফম্লো হায়বীয়ু ।

- হৌজিকসে ময়ূম পাল্লবা নুপাশিংগী মবঙা থোঙ্গাল ব্রাংমা হেক লানখিবদা নুপী অঙাঙ লৈববনি হায়বা কাউথোকপা য়াম্না যাওনবে । অতোপ্পা নুপীদা শেবান-তুবান খনবা, মমঙদা মঙ্গা তানবা যম্না যাওনবে । নুপীসুনি, মায়থোঙ যাম্বী, থাজবা য়াদবী কযাসু লৈববনি । মখোয়দগী মনুঙদা অদোমগী ইপূবোইবসু য়াওববনি, খবা চেকশিনর্বীয়ু হায়জগে তৌবনি ।

- কবিনো হায়বীবিদুবো, মখোয় মপানবো, ওইথোক্তবানি, মী ওন্নবগদি নত্তেকো ।

- মী ওন্নদে, তশেং তশেংনা খঙলগা হায়জববনি ।

- ঙাইখো, ফোন তৌবীবকইসিবু কনানো, মীগী ইমুঙ-মনুঙ কায়নবা শীনবীবিববা ?

- অমুক্তা তপথবীখো, ঐগী ইমিং ইবেমচা কৌই, ইমুঙ-মনুঙ কায়নবা তৌজবা নত্তে, ইমুঙ-মনুঙ কন্নবা, যাইফনবা তৌজবকপনি । ঐনা হায়বীবসে অশেংবনি । লাল্লম্লবদি ঐঙোন্দা তৌবীনিংবা মখে তৌশিবা যাগনি, ঐ কবিসু চেল্লোই ।

- ফৈ মা খঙনি লাক্ত লাকখিসনু, নহানমখে মাগী ফোনসে সুকথা থাদবনি, অমাঙশঙদফাও পুশিনবনি, ঙসিদি লাইনা যাদদুনা কাউবম্লর্বনি । খঙনি মা হন্দ হল্লকখিসনু ।

-ঐনা হায়জবিবসে অমুক্তা লোয়না তাবীখো । মশাদসু ঐনা হায়বীবসে লোইনা তম্বীয়ু । ঐঙোন্দা অমুক যেৎলক্লবদি মাগী অফবা ওইবোই । নুপী অমা ওইনা নুপীবু উশিৎ-থওইদবা, শান্নপোৎকুম খনবা ঐ তশেংনা য়ানিংদে । মতমসিগী য়ুমপাল্লবা নুপা নুপীশিংসে থাজনিংঙাই লৈতবা য়াম্না য়াওববনি । ঐনা হায়জিনবা নত্তে । পাউচে, চেফোঙ কযাগী লামায়দা ব্রাই চাইবিবসিনি ।

মপুবোইবা লৈববী, মচা লৈববীনা পাখণ্ডদা চেনখ্রে, মপুবোইবা লৈববী অমা মচা মশু লৈববা অমাগা নত্তবা লিচৎ চৎলম্লে । মীয়ায় চল্লবা অমগা লৈশাবী অমগা নাতৈ চাদনা লৈবন্নদগী ফাবে । ফিদম্লিংঙাই য়াওদ্রবা, কান্নদ্রবা পাউ ময়ামসি যাম্না লেম্বদৌনা পাউচেগী লামা- পীক থল্লক্লিবসিনি । খবা চেকশিনবীয়ু। তঙাইফদবা লৈবর্বাদি নন্নবসিদা ফোন তৌবীবকপা য়াগনি । নীংশীংবীগদবা অমনা ঐ নূপ অমত্তগী মীওই নত্তে । অদুগা ঐ অবানবা লম্বীদা খোঙ থাংজিনগদবা নুপীসু নত্তে । নুপী মখল য়াম্মী । কনা গুন্বী খুদোংচাবা লৌগনবী থেংনকববদি মাঙজগদৌবিবসি যূম্নুবেম্বীনি । ঐবু লান্না লৌবা, লৌদবদি নহাক্কী ব্রাখলনি, ঐ ঙসিগী ওইনদি ফোন থল্লগে, ব্রাবৌবীব। যাদে ।

ইবেমচানা খল্লি ঐঙোন্দা উশিত্তবা হায়ব্রাবু মা ফজবম্মনি নুপী নহাদা মতুঙ মনাও চগৎ চগৎ তৌদনব কবম্বা মীতানো মসিবো, অসুক লুখ্রবা, মমল লৈখ্রবা লুহোংবগী অমদি যূম পানবগী ব্রাহন্দোকসু খঙদবা, নুংশিবা হৈ শাবদনা।

নোংঙাল্লগা থীনা চৈথবকই ইবেমচাবু ফোন্দা । মচাশিং খঙহন্দনা নুপীদুনা ফজনা তকখৎলমাল্লে । লোইবা ফাওবা তাবগা ইবেমচানা কল্লক পেন্না খুমখি

- মখা তানা মীব্রা তানিংদ্রবদি ঐনা হাযবিবশিংসে লোইনা তাও নত্রবদি নযূমদা লাক্লগা নঙগী নওঙ-নতৌ ঐনা খঙবা উবশিংসে লোযনা তাকথোক্কনি। নফি-নবোল মল্লগা অহনবা শিনবদি তাইবঙগী হৌনশানি। নশাগী নুপী লৈনা লৈনা অতোপ্পা অতেক-অনৌ মিতাববদি হঞ্জিন হঞ্জিন চোপ্পা তাবা, মতাঙ চাদ্রগনা মোংফম যৌবা তাবা । ঙবাংদি নুংঙাইবৈনি । ঐনা মমাঙদা হাযখিবশিংদো খবা তাবল্লবদি নহাক লেমজবমগদবনি । পামখোদনা নুংশি নুংওন মথোঙ-মবমদি খঙদনা ..

-যাবে, যাবে, নশক খঙলে নঙ ..

কপ্লিং কপ্লিং তৌনা খুল্লকই, ফোন থমখ্রে ।

ঙাঙবা পেলহৌদ্রবী ইবেমচা ফোন হঞ্জিন হঞ্জিন তৌই । পায়বকতবে, সুকপায পায়বক্লবোই । মসিদা ওইনবা শীনখিবা ইবেমচাগী নীংবা থুংলে, "তস কমদৌই ! তৌবকখোদনা ফোন্দো, ঙাওনিংখোদনা হনু লামচা ।" মশাদো তযাং তযাংই, তশেং তশেংই ইবেমচা । মাযথোঙ মকা লাম্না লাইনিংথৌ লৈমবেলদা মৈবা মেক্রক কংচৈ মায পাকহনবীবগী । ❑

হনু লোয়শঙগী ৱারেপ

পুঙ্গি হায়বসি অহোঙবনা পীকথল্লি । মতমগী খোঙচৎসু অওনবা অহোঙবগা লোয়ননা লেপ্পাইদনা অসুম্মক চৎলি । উহৈদবা, তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কযাগী মবক্তা অনৌ-অনৌবা, অঙক-অঙকপা, থাজদবা থৌদোক কযাসু অদুম থেংনৈ । মসিদি তাইবঙগী খোঙচৎনি কনানসু থিংবা ঙম্লবোইদবা।

ঐখোয মমাঙগী ইনে থম্বালনুনা ঐঙোন্দা মীফম অমগী চেবাও থিনবা লাকই, লাক্তবা যাদবনি হাযবম্মী, অতৈসু থিনগদবা ৱাৎলি হাযদুনা চবেং চবেং ঙাঙলম্লগা হোবে হোবে চৎখি । ঐনা চেবাওগী মখূমদু হাংদোক্লগা যেংলুবদা "মতমগী ইমুংদা মনেম ওইবীগী থৌদাং" হায়বসিগী মতাঙদা খন্ন- নৈনবা মীফম হায়না থাবম্মী । কনানা কবম্লা কবিগী শীল্লিবা মীফম্নো খঙনীংদুনা মখা যেংথকবদা "পোইবৈ মনেম ওইবী লূপ", মফম - হনু লোয়শঙ, পোইবৈকোন হাযনা থাবম্মী । নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চেশিংদা লূপ অসিগী মিং হান্না থেংনখ্রে, থোইনা পূক্লিং চীংশিল্লুদে, লূপ মবাঙ কাযবা ইবমদম্লি, থবক নীংথীনা তৌব্রা নৎত্রগা তৌদব্রা হাযবদুনা তোঙানবা ৱাফম্লি । ঐগী ওইনদি অহল ওইবীশিংগী ওইবা মীফম হান্না যাওখিবা লৈত্রি । হন্দক্কী অসিনা অহানবা চেবাও ফংবনি । মীফমদু যাওনীংবনা নুমিত্তু ৱানা যৌবকপা ঙাইখি ।

ৱানা, খৌবাংনা ঙাইবকপা নুমিত্তু লাক্লে, চেবাওদা থাবিবা মতমদু চপচানা থৌবমদু হৌই । শৈহৌ ঈশৈ অমনা থৌবমদু হৌদোকই । ঈশৈদু লূপসিগী ওইনা থম্লবা শৈহৌ ঈশৈনি হায়, লূপকী অহল ওইবপ তৌববী মীওই মবীনা

শকই । পেনা, মীতৈ পুঙ, হাৱমোনিয়ম, বাঁশি, তবলানচিংবা য়াওই । ঈশৈ ময়েক শৈহেক-শৈদা, খোঞ্জেল, থীল্লিবা, খোংলি-য়ৈবিবা ময়ামদুসু য়াম্না চুশিন্নে, ওম্বোক্লসু চঙখোন্না শকখবে, পূক্লিংগা ইনুং নুংশি, নুংওল্লি, অসুম্না শৈথাবি -

কোবৌ ময়ূম চঙলমদাইসে
য়েংউ পূক্লিং নুংওন্দবা
উনা উনা তামখ্রগনি ।
নোংজাবীনা তেংথাজবা
তাবীদনা চৎখ্রগনি ।

মুশি মুশি ঙালহৌবিবা,
য়াচঙবগী পুন্সি থাউমৈ,
মুৎখ্রগনি কনবা ঙন্লোই ।
নুংশিববা তাইবঙপানসে
পাম্মূ পাম্মূ কায়নবনি ।

পনখৈ নাইদ্র পুন্সি লম্বী
ঙাইহাক পুঙ্গোই পল্লম্বনি ।
খোয়বাংলুনু পূক্লিং নঙসু
অবেম্বদা মাঙখ্রদৌবা ।
তাইবঙ লৌনম কুম্মৈদুগী ।

চেবাওদা থাবিবা থৌবম পবেংদু মতম ইকায কায়দনা অদুমক পাঙথোকই, মসিমক্তি তমজনিংঙাইহনি খল্লি । লূপকী ময়ায লোয়শঙ, মশা-লোয়শঙ, মযামগী থৌপুবীশিংদু মশা মশানা অমমমতা ওইনা শক্তাকপগী মতাঙসু য়াওই । মীফমদু মীসু ফনা নীংথীনা তিল্লি । চহী খবা লৈশিল্লকপা হায়বদি মীয়ায় চল্লবীদগীনা অহল যাম্না ওইববীসু যাওবি । নহাবোল খবসু কোয়চেন চেন্দুনা শিল-লাংলি । ঐনা খঙবা লূপ কযাগী মীহুৎ যাওবি । মায়কৈ খূদিংগী মী অযাম্বা যাওবা মাল্লি । ঐনা মশক খঙবা ইমা, ইন্দোন ফন য়াম্না য়াওবি, খঙদবসু কোঙ্গায়নি । চাকলেন্না অযুক্কী তাংকক লোইশিল্লে ।

নুংথিলগী থৌবম হৌবে । মদুনা অমুক হেন্না ঐগী পূক্লিং চীংশিনলে । লৈকায়-লৈকায়গী, লূপ-লূপকী, মশা লোয়শঙগী, ময়ায় লোয়শঙগী, অহল ওইববী মীহুৎশিংদু অমমম কৌথোক্লুনা ৱা-ঙাঙহল্লি ।

খাবম মশা লোযশঙগী মীহুৎনা হায - হৌজিক্কী মতমদা ইমুঙ অয়াম্বদা মনেম ওইবী, অহল ওইববীশিংগা, নহা ওইবী ইমৌশিংগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ইঙম ঙম্মদ্রিবসি অহল ওইববা ঐখোযনা পঙবদগীনি হাযনীংই । মনেম অমা ওইনা হাযবা য়াবা, তাকপা যাবা খবা তাকপীবগা লোইবে, লৌবীবে ফবে, লৌবীদ্রে ফবে, অঙম তাল্লোইদবনি । মখোয়দা ঐখোযনা সুকযেং যেংলোইদবনি, ইমৌশিংনা তৌববা খূদিং ফবে হায়দুনা তূমিন্না অসুম লৈথোকপিববা, ফত্তে হায়বা ৱাহৈ অমত্তা হায়দনা মনাং তমহল্লবা, অদু ওইববদি মখোযনা ঐখোযদা শাওবোইদ্র' খল্লি । অদুনা লোইশিল্লকপা ওইনা ঐনা হায়জনিংবদি ইমুঙ-মনুঙ ঈংনা চীক্লা লৈনবা মনেম ওইবী ঐখোয পূম্মমক্লা ইমৌ যানবা চৎসি । ময়ামদু খুবাক প্রেক প্রোক খুনৈ ।

মথঙদা যাইস্কুল মশা লোযশঙগী মীহুৎকী ৱাবোল পীনবা কৌশিল্লি । অতৈলদু মশা খবা শোনবগুম তৌই, মশোঙ খবা শেক্লপ থাংই, নহা ওইবী অমনা শন্নগা থোকমীন্নবকই । মহাক্লা হায,

- ঐদি ঙসি হযেং খঙদ্রবনি, ইমংনা ঙাইদুনা লৈববনি । ইশুঙ ইমান্নবী, ঐগী চহী মতাঙ যৌদ্রিবী, ঐগুম্মা অহল ওইবক্লগদবী, ইচা ইনাও পূম্মক্কী মফমদা ঐনা হাযজগদবদি অহল ওইবী ঐখোয়না পেম্বোকপা হৈত্রবদি শিবমদাইদা নুংঙাইবা সুকফং ফংলোই । অমাঙ-অশেঙগী ৱা থাদোক্কদবনি । নহা ওইবিঙৈ ঐনা ঙমজবিঙৈদা ফিশেঙ-শেং, চাকশেঙ-চা লেঞ্জবকত্রবনি । হৌজিক্তি ইমৌশিংনা ফিমাং শেংলগা, চাকথোংদুনা পীজববসু নুংঙাইতবা অমত্তা খল্লবোইদবনি, নহা ইমৌ যানবা চৎকদবনি, মিৎসে উনা উনা উশিন্নবোইদবনি, নাসু তানা তানা তাশিন্নদবা তাবনি, ইবাইবক্কীনি খন্দোক্কদবনি । মমাঙঙৈগী হৈবী তৈবিঙৈ মতমদু নৎত্রে য়াম্মা হোংলে । অদুবু মতমগী অহোঙবদা ইপা ইপূনা, ইমা-ইবেম , চংলম্বা লীচৎ-শাজৎ, হৌন-লোনচৎ, পূমহোং হোংহনখিবদি অহবা মাযওন নত্তে । অমাঙ-অশেঙ, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ চাকচা, থকশি-খাশি হায়বসিসু যূম্বাল্লোনগা যাম্মা নকশিন্নবনি হাযবসিমদি কাউথোকফম থোক্তব্রা খল্লি ।

খোঞ্জেল নীক্লকপদগী অহলদু ৱা ঙাঙবা লেপহল্লগা শমদুনা পুথোকখ্রে । হৌনকবা তৌদনা খুবাক খুবগী মখোল নীংথীনা তাখি । ঐখোয ইন্দোন তোনুগা অমত্তা পোকচবা মচানুপাগী লোযনবী মমৌ ইবেম্মদুগা মশম ফোইনবদগী মপাম যৌনখিদুনা শাগৈগী অহল লমন পূন্না ফম্মিন্নবগা মমৌনা মনেমদা লাঞ্জবে হাযনা খুকমহল্লগা অমুক হঞ্জিন্নখিবদু মতাঙসিদা হাযফেৎ নীংশীংলকই ।

অসুম্না মথঙ মথঙ ৱাঙাঙলোইশিংদু মানা মানা অনীংবা অপাম্বশিংদু ফোঙদোক্লবি । অহল্লুপ মশা লোয়শঙগী য়ায়তোংবীগী ব্বাবোলদা অসুম্না হায় -

হৌজিক্তি থায়নগী মতমদু নৎত্রে, চৎনবী লোনচৎ পুমহোং হোংলক্রে, ঐখোয়দি ইনেম-ইকু, ইপুবোইবা চাদ্রিদৌদা চাক চাজবক্তে, ওহ্মোক্লা কিনা হঙ্গোয়না চৎচবকই, মমি ফাওবা নেৎচবক্তে, ইফি-ইবোল জোন জোন শেৎ ইন্দুনা ইমায় লোৎনা ইকোক-ইক খুমদুনা ইতৈ ইকু লাপ্পা থৈদোকচবকই । অদুবু হৌজিক্তি অয়াম্বনা ইশম শমজিন্নবে । চাক লোয়ববদি শাবিদৌদা চাথোকহৌবনা ফবে হন্নবে, থবক থৌবমগী মতম মতমগী অহোঙবা কয়াবুদি লৈবে, নুপীনা মপানথোক্লা থবক ইনখং ওনবক্লবা মতম্লি হায়দুনা পুক্লিং ফাথববনি অদুবু থকশি-খাশি, চৎন-লোনচৎকা তাম্নবকপা হায়বসিগী অমাঙবসু লৈ । য়ুমদা, লৈকায়দা, লম্বী-লমজাওদা, কেথেল কাবদা, হবাও-কুম্মৈদতা লত্তুনা লাইনীং লাইশোলগা মবী লৈনবা থৌবমশিং, থৌদোক কযাদা থুংদ-লমদবা ফি মচা মচা, মতৎ অতৎ শেৎ ইন্নবক্লিবা মাসি থরায়না যানিংদ্রবসু ঐখোয়বু অদুম তূমিন লৈবা তাবিববা ? ভাঙলুবগা ইব্বা লৌবীদ্রবনিনা কবিবু কান্নকনি । খোযদৌ শাউগত্তুনা অনা লোযদৌ শব্দক মশম কক্কেবা, খাক্কেবা মখোয়গী অপাম্বদা সুকভাঙ ভাঙলোযদবনি, চানিং থক্লীংবদা অথীংবা পীবোইদবনি । যেৎলুববা, ভাঙ্লুববদি পাঙ্গল মযেং তাবক্লবী ঐখোযদা ওনশিন ওনশিন চাবক্কনি, ইমুঙ ইবাঙ হৌনবক্কনি, ইচা ইশু লৈফম চাফম খঙলোই । নুপী ওইবী হাযবসিদি ইমুঙ-মনুঙ ঈংনা চীক্লা লৈহনবা ইথৌনি হায়বা নহা ইমৌশিংনা খঙদ্রবসু মনেম ওইবী অহল ওইবী ঐখোযনা খঙগদবনি হায়জনীংই । মতাঙসিদা ঐগী ব্বাবোল তেনশিঞ্জবে ।

মবাঙ কায়ববা অহৌবা খুবাক মখোল মবক্তা ইনে পশোক্তু অমাঙ-অশেঙগী ব্বাহৌদগী মমৌ যাইমগা খৎনবদা হাযফেৎ ইহ্মোক ইনাশন তৌনবদগী তুশিন্দুনা মখ্বাং তেকপদগী অশোনবী ওইাখ্রবান হাযনা ব্বাবীনবীবদু খঙনীং হেক নাংশাংলকই ।

মীফমদুগী লোইশিল্লকপদা ঙসিদগী মনেম ওইবী খৃদিংমক্লা মমৌ য়ানবা চৎপা হায়না ব্বাবেপ অমা লৌবগা ব্বাবের্পাস ইন্দবা মনেম ওইবীশিংদু লুপ্পা চৈবাক পীবদা য়ানবে হায়দুনা ব্বাবেপ অমগা অমুক মখা তাশিল্লি । য়াবে হায়বগী খুবাক খুনবগা হৌনবী কায়দনা মীফমদু লোইশিল্লি ।

আই. এস টি. ভি., দুবদর্শন, পাউচেগী মীওই মপুঙ ফানা তিল্লি, থৌবমসিগী ঈ-পাউ মবীক চুম্না মীযামদা শোযদনা যৌহল্লগনি খল্লি । অমবোমদা

হায়কুববদি ঐখোয়সে লাইবক য়াম্না ফববনি, মমাঙঙৈগী মতমদু নংত্রে, ঈ পাউ শন্দোক্লবা, মীয়াম হুপ্না খঙহন্নবা পাম্বৈসি য়াম্না চাউখৎলে। অফবা থবক থৌবম ময়াম তৌদুনা চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিন থানা য়াওবা য়াববনি।

খঙন-চানবা ময়ামদু কায়নবগা যূমদা হল্লকপদা লম্বীদা ইথন্তা খল্লি। ইমা ওইবী, ইবোক ওইবী মযাম্না ঙসাই লৌখিবা ব্লাবেপতুবু মশানা য়ানিংনা, মথ্বায়না পাম্না লৌখিবা ব্লাবেপ্লা নংত্রগা নীংবা থুংমন্দবদগী ওন্ন তৈনবা ব্লাবেপ লৌদুনা ঈংনা মপুক্সি লেন্নবা হোৎনবিববা নংত্রগা হায়বা ইন্দবী মনেম হনবী মমৌ ইকায়বা পীবীববা? অমবোমদা মনেম মকূ লুনা নীংজবী, মথৌ মশক খঙবী, ফিদম্নফম ওইবী, থৌগল্লোন কাযদবী, অমাঙ-অশেঙ খায়জবী যূমগী মৌ কযাসু লৈবি। ঙসি লৌবিবা ব্লাবেপসিবু চংনবা য়াগদ্রা? যাবোইদ্রা? ব্লাবেপসিগী হৌবকফম কবিনো? ইথন্ত হংজবা ব্লাহংগী পাউখুম ইথন্ত থিনা থিনা যূমদি থৌশিল্লক্লে। □

লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা

নুমিত্তু নীংশীংলি ঙসিসু, নীংশীংদুনতা অসুম লৈবগনি পুন্সিদা পোযনুগী তবাতবেৎনি পানবা শগোলশেল নুমিৎ, খৃষ্ট কুম ২০১১ ডিসেম্বরগী তাবিক কুনহুমদোই । নুমিৎতুগী অযুক্কী পৃংজা মাপলমখাযদনি ঐখোযনা বস অমদা লোক্তাক মাইকৈ তল্লকখিবদু । ঐখোয মহৈশঙগী লমকোযবনি, শিন্দমলোযশিং, শিন্তাকলোযশিং অমদি তাকপী তম্বীবগী থৌদাং নত্তবা মহৈশঙসিগী অতৈ থৌদাং লৌবিবা কযাগী অপূনবা নুংঙাইববা খোঙচৎনি । থবক্তগী পোথাম্বরা ওজা খবা যাওখিবদুনা লমকোয খোঙচৎ অদুগী নুংঙাইবা মথেল অমসু ওইখি ।

ঐখোযগী লোক্তাক পাৎ নীংথীজবতা নত্তনা লমকোযবগী যাম্না মফমচাবা অমদি লম্বী লমদাং ফবনা অঙাঙ ওইবিঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা কযাবক হন্না চৎখ্রে । সেন্দ্রাদা চাক্লেন কযা চাখ্রে, হিসু হন্না হন্না তোংখ্রে । অদুনা নুমিত্তু লোক্তাক যেংগনি হাযবগী পৃক্লিংদা থোইদোক্লা হবাও নুংঙাইবা ফাওখিদে । অহোঙবা খবদি শোযদনা লৈবক্লগনি হাযনা খনখি । অদুবু চৎমিন্নবিবা মযামগী হবাও-তয়াম্না মাযথোঙশিং, হান্না লোক্তাক্তা চৎত্রিবা অঙাঙশিংগী নুংঙাইবা হবাওবা মতৌ মযামদুনা ঐবুসু নুংঙাইবগী ইথক খজিক্তংদি হৌহনখি ।

ঐখোযগী সোসিযেল সাইন্সগী ওজা অনীনা লমকোযবা অদু যাম্না ৱাহন্দোক লৈহনখি । ফমফমদা ফমদবমখৈ হৌগত্তুনা বসতা লেপতোং তোংদুনা অঙাঙশিংদা কবি কবিনো খঙবা যাবা কয়া'মা তাকখি । মোইবাংসে ইম্ফালদগী চাউবাক্লা কিলোমিটব নিফুনিপাল লাপ্পী, লমদমসিগী পুৱাবীগা শাগোন্নবিবা

যাম্না মকওইবা মফম্নি । ঐখোযনা হৌজিক হৌজিক বস তোংদুনা চৎলিবা লম্বী অসিনা টিডিম লম্বী কৌই। লম্বীদা লৈবিবা মফম কযাসু মতাঙ চানা চানা তাকপিবি। মথঙ মথঙ চঙাংগৈ মালঙ হিথাঙফম (মালোম তুলিহল এয়রপোর্ট হাযনসু খঙনবা), নম্বোল চীংমাঙদা লৈবিবা লাইনিংথৌ খোবিফাবগী খুভম, নম্বোল কৈথেল, মাইবম লোকপা চীং, ওইনাম কৈথেল, লমাংদোং কৈথেল, নিংথৌখোংগী থোংজাউবোক তুবেল, নিংথৌখোং কৈথেল, ফুবালা, নবানসৈনা, মোইবাং কৈথেলনচিংবা কযা তাক্লা তাক্লা মোইবাং যৌখি ।

লৈচীল নোংফাই থাংলি থাংলি তৌবা অথেঙবা নিংথম অযুক্কী মতমদুদা থাপ্লা উবিবা লোক্তাক পাৎকী পাক্লা শন্দোকখিবা শংবান্ননা লংলবা ঈশিংগী ঈপাক ঈযাযদা থাপ্তক্লা হোল্লিবা পিক্তক তৌবা হিশিং উকবদা মীৎফম হোংবা য়াখিদে । মপান মপান্দ তুমপক তুমপক খিন্দুনা লৈবিবা মুবৈ-শংলৈনবা পিক্তক তৌবা শক্তম খবসি মমাঙগী খোঙচৎশিংদদি উখিদে, কবিনো খনখি । খবা নকশিল্লগদি ফুমদি, কবোকঙনচিংবা কোৎখৎলগা পৈবগী মপৈ ওইবম্মী ।

ঐগী ৱাখলনা ইমাগী মশাইকোন্দা মনীং তম্না শান্নজখি, থম্মোযগী নুংশি ইপাউ তমজখি-নুংশিদকো লোক্তাক লাইবেম্বী ইমা, নথানুংগী নচাশিংবু কযাদা নুংশিনা নাউযোক-নাউকোনবীবিবা, হৈকক, লেম্লৈ কযানা নচাশিংগী তবা-পিবুক থলহনবীবি, শামা পাঙ্গল হাপ, পুন্সি লম্বী পীবিবি । অদুগা ইমা নঙগী নথানুংদনিনে হাওবা কোনু, তোনু লাইজিংলেম্বী-কদেং থাংজহনবা, উবা নহা খোংজোম্বা-পিদোন্নু, খম্বা-থোইবীনচিংবা মোইবাং শাইওন তবেৎকী নুংশি-নুংওন ৱাবী কযাসু লোযনবি । অদুবু নুংশিহৈবী, নুংওন নপাউ পুখী, নাউযোক-নাউকোন হৈবী ইমা নঙগী তম্পাকসে ঙসিদি নচা মযাম্না অঙম তান্নবগী লাম্হেংদা খাঙ্ঙমদ্রবা চৈনা চৈথেঙ কযা ফংলেদো, মীকপ মীবাওখোলতনা নীল্লে । নঙগী মহৌশাগী নীংথীবী শক্তমদুদি তৌবীমল খঙদ্রবা নচাশিংনা হুঞ্জিন হুঞ্জিন মাঙহনবীবে । অদুবু ইবমদমগী মাঙলমচৎকী ৱাবী লীকখুন কযা নথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা ঙসিদি নদোম তৃমিন খাঙলিবী ইমা নঙগী তুংলমচৎকী ৱাবী শিংবুন্দি কবিনা ওইহৌগনি ইমা ।

খোঞ্জেল অমনা ঐগী থম্মোযগী ঈথক-ঈবৈদু নাথৈহনখি ।

বসসি শ্বাইদা খামখিসি, বসনা সেন্দ্রা কাখৎপা যাগদ্রা যাবোইদ্রা ঙাকশেল্লিবা মীওইশিংদা হান্না হংলুখিসি ।

ঐখোয় মহৈশঙগী ওজা মকোক্লা হাযবকখিবনি ।

বস খাল্লগা হংনকৄবদা বসনা কাখৎপদি য়াবোই, খোঙনদি য়াগনি, চাক চাফম ওইবসু যাগনি হাযবকখি। অদুবু হান্না থোংদোক্লগা পুবকপা চাক এনশাং, ঈশিং মাযশিং মযামদু পুখৎপদা খুদোং চাববোই, সেন্দ্রা হান্না কাখৎলুবগা কোন্না মফম চাবা যেংলগা চাবসি হাযদুনা বসতু মফম চানা খাল্লল্লগা মহৈ মহৈ সেন্দ্রা লমকোয পোত্থাশঙদা কাখৎনখি। ঙল্লি ঙল্লিবদা কাখৎপসিদি অঙাঙশিংনা খবদি মযাঙঙে, মানা মানা থোকপা কাখৎনৈ, যাওনবকপা কেমেবা পুথোক্লে, লাংবগা নোকপগা, ওম্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা মতৌনি। পাযবা কুইদ্রিবা, কযা খৃৎলোযদ্রিবা ডিজিটেল কেমেবাদুদা ঐসু ইথৌ চিনখি। পাক্লবা লাইজ-ঈপাকথক্তা মালঙ ঈপোম তাম্থাদা শাখপ তল্লিবা চেক্লাশিংগী মমি শক্তমবু লৌনবা হোৎনবদা হান্না খৃৎলোযদবগী হৌনবা অৱাবনি, চপচানা কাপ্লদি হৈত্রবনিনা উচেক মমৈ খবা যাওদ, মমৈ ঙাক্তা খবা উ, মকোক ঙাক্তা খবা লৌ, পিকক্র হেক পিক, মপৃংফাবা উচেক অমত্তসু কাপ্পা ঙল্লক্তে, হৌজিকসু খল্লুবগা ইথন্তা নোক্লিংলকই।

পৃক লাম্লবকপগী হৌনবা পুবক পুবকপা অচা অথকশিংদু পুথোক্লদুনা শেৎন খাইনা চামিন্নখি। ঐগীসু ইচলনুপী অহলনা হৌবকপা তল অহৈবদু পুথোক্তুনা চামিন্নখি, লাল্লবা পৃক্তা তল মচা অমখক থৌগল তৌখিবদু ফনা তাল চাখি, চিং দদি হাযদোক্তে, ইচনুপীবু নুংশিবকখি। নীংশীংলকখি নহানৱাই কৌব্রু কাকুবগা কুমথবকপদা মোববুংদগী চুঙাং মশাঙ মশাঙ লৈবগা অযুক্কী যাগী থৌগল তৌহনবদা অহাংবা চাকখাওনা তবাম্না ওকখিবা খোযথুম্নববা চুগী মহাওদু। লাকমীন্নবিবা লোইনমক তল থুংনবা যেনবা ঙমদবগী নুংঙাইতবা মবক্তা যাম্না নোক্লিংবা থাংজিং চীং কাবগী খোঙচৎ অমা খঙনীং নীংশীংলকখি। নুমিদাংদা কাবনি। থিবোঙ খবা লাওগনবী, চাক লামগনবী ঐদি পূক্কী নিঙাই খাঙবা ঙমদদুনা মযাম পূন্না পোত্থাবগা চামিন্নবদু ঙাইবা ঙমখিদে। চৎনা চৎনা ঐগী খাউদা যাওবা থম্মৌ মতেক্তু লৌথোক্লগা মী লোইনা যেনবদি কোন্নদবনা ইনাক্তা নক্লা চৎলিবা খোঙবু অমনিদু পিবগা চাবা হৌখি। অমুক্তফাও লোন্না থুপ্পা চাবা হৈজবক্তবী ঐবু ৱাখঙদবী থম্মৌদুনা যানুঙদা কেকু ফোঙলকপদুদদি পাখৎপোই হৈনদবোই তৌদুনা শাইবোই শাইদবোই যোৎশিনখি। মতুঙ মনাওদি লোন্না থুপ্পা চাহৈদে হাযনা খনখি।

লোক্তাক্কী খোঙচৎ অসিদা কাউবা য়াববোইদবা অমদি ঐখোযগী ইংবাজি তাকপী ওজা নুপীদুনা ফজববা, চবোং চূম্লবা হাওসনাবৈ মশা অনীখক চেৎনা কোল্লগা মখোঙ নাববা কবিগীনো খঙদে পৈবি পৈবি হেক তৌবদুনা ঙাঙলপ তৌবা মাযথোঙদুগা নোকমি নোকমি তৌবদুনা কুমথবকখিবদুনি। মতৌদুদা

পূক্লী তিংবমখে নোক্লগা কেমেবা ওনশিল্লুই, অদুদগীদি চৎমিন্নবিবশিংদু অনীহুম পুনশিন্নবগা হাওসনাবৈদু কোল্লগা মমি শক্তম পংনমদা নম্মখি। নোকসু পংনোক্তা নোক্লে, খঙদে নুমিত্তুগী হাওসনাবৈদু কবি যাইবু পুবনো, পুম্নমকপু পুমসুম সুমখি। ওস্থোক্লসু মবাইবক ফস্লে, ওজা নুপীদুনা নুংশিনা পুবক্লগা বসতা থেংচিল্লগা থম্মী, হনখিবদা ময়ূমদা পুখি, মখোক্তু ঈশিংদা লূপশিল্লগা তেকখৎহন্দুনা হেক্ল হেক্লগা লাইদা নুমিৎ মবি মঙানি কৎনখি হায়।

সেন্দ্রাদগী কুমথবক্লগা মনীং পাংনা লৈবিবা তেম্পাক লৈতুম্না লৈতেং ওইবিবা লমপাক্তুদা চাক্লেন্দু ফনা ফজনা লৌখৎনখি। ওস্থোক্লসু হাউখ্রে, চাকখুম লাইবেম্বী ইমামক্লা হেক থোংবিববা খঙদে। ঙা থোংবগী মহাওদুদি নোংমা ঐনা যাম্না অঙাঙ ওইবিঙৈদা থাঙ্গদা ঐগী ইপাগা লোযননা ইপাগী মতাও অমগী যূমদা চাখিবা মচু থাক্তনা থাউদা নীংথীনা তাউবগা থোংদুনা পিজবকপা মোবা মওঙ মাল্লপ তৌবা পোবোম মতুম চাউতক তৌবদুগী মহাওদু নীংশীংলকপগুম তৌখি। নোংমা উখুলগী শিবোই খোঙচত্তা শিবোই চীংথক্তা লেপ্না লেপ্না চাখিবা শাংনা চাউনা ককপা মুনসু মুনফাত্তবা শাযবদা চৌ চৌ লাউবা, কাইদং কাইদং লোনবা লফু ইবোনবগী মহাওদুগা লোক্তাক খোঙচৎকী লফু ইবোনবগী মহাওদুগা ফনা নকশিন্নখি। তশেংনা হাওখি।

চাকচা তোক্লবা মতুঙদা লোক্তাক খোঙবান চৎনবগা। কাঙবু কাঙবু শেম্নদুনা মোটোববোট ব্রাযদুনা তোংবা হৌনখি। ঐখোয তবানিপাল খোঙবু ওইদুনা মোটোববোট অমদা কাখৎখি। ঐগী ওইনদি খোঙচত্তুগী খ্বাইদগী পূক্লিং নুংওনখিবদি পাক্লবা ঈপাক-ঈযাযদা মোটোববোটতগী কোযনা যেংবদা উখিবা লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দুনি। শৈথাবতনা ব্রাৎলগদবা থম্মোয হূববা শক্তমদুদি ঙসিসু মীৎসিদা শঙ-শঙ উবি। পাক্লা শন্দোকখ্রিবা ঈপাক, তুমপক-তুমপক লেপ্লিবা থাঙ্গ-কবাং, লাগুক্লা তবক তবক হোল্লিবা হিশিং, হবাও মখোয কাববা লমকোযবা লাকপা মী মযমবু পুদুনা নোমহৌ নোমহৌ হৌল্লিবা মোটোববোটশিং, তাম্না উবিবা পাৎকী অকোযবদা খুন্দাবিবা খুঙ্গংশিং, লানবনগুম্না কোযনা পনঙাক্লিবা তাম্না উবিবা চীংশাং পবেংশিং, পূম্নমক উকবদা পূক্লিং নুংওন্দবা কনাবু যাওগদগে? কবিগীসু নুংওল্লোই, খম্বা-থোইবীগী নুংশি ব্রাবীগা লোযননা মোইবাং শাযোন তবেৎকী কাউঙমদ্রবা ব্রাবী শীংবুন কয়া শাগোন্নবিবা ইবুধৌ থাংজিংনা লৈঙাক্লিবা, মোইবাং লমদমগী লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্নি। তাম্না শন্দোকখ্রিবা শংবানবী লাইজ ঈপাক্তা মালঙগী তাম্বাদা তাংথক নাইদ্রবা ঈথক্কী শাথেক, কোবৌ মঙালনা যৈবদা তনিক তনিক খাঙলিবা

সনা মচুগী ফিজোল থোল্লবা ঈপাক্তুদা চোংনা ফন্না শান্নবিবা লুপাগী কোঙ্গোল কযাদা পৃক্লিং হূবিবা। ঐগী পুন্সি য়েংন্নীথাগী থুপচিনখ্রবা পন্দুপ অমা লকানুংদা থাজদনা খঙহাই হাইদোবকখি । মফম মতম চাদনা ঈহৌবকপা ঐগী ব্রাখলগী ঈথক-ঈবৈদু চানবী হৈবী লোক্তাক লাইবেগ্নী ইমাগী মতম্বাক্তা মতম পূম্বগী ওইনা কনাসু খঙহন্দনা লোন্না তাবকখিবা পিবাং মবীক অমনিদুগা তূমিন্না শীন্নবল্লে।

মোটোববোট তুংওইনবল্লগা বসতা অমুক কাখৎনখি, মোইবাংগী আই এন এ. য়েংলল্লগা মোইবাং কৈথেন্দগী ঙা লৈনবগা যূমলোমদা বসতু থৌবকখি। লম্বীদা লৌকোযপাৎকী ফজবদু অমুক য়েংখি, তনোয তনোয লাউববী, সনা-ঙা, পৃকলাওবীনচিংবা লাইজনুংগী চান্নবী লেমলৈ কযানা মযা লাওনা লাওনা কাবদুনা ঐখোয়না থাবীবা মচিঞ্জাক, চুজাক কবোক, অতৈ অচাপোৎনচিংবদু মনীং তম্না চাখি । মতুঙদসু অচাপোৎ মযাম পুবগা তোযনা লাকউ হাযবগুম ঙসিসু পৃক্লিংদা ফাওবি । ফজখ্রেদা ঙাশিংদো ! কুইব কুইবগা, লিব লিবগা ফজবদি ঙাতনি হাযনবদো চুম্লবনি ।

লৌকোযপাৎ তুংওইনবল্লে, লমাংদোং কৈথেলগী মীকৌ ফবী শোইদোন্না খূৎলাম তোযনা কৌবকপদুদা মহৈ মহৈ খাঙবা ঙমদদুনা তাবমদাই নুমিৎপু য়েংনা য়েংনা হাথু হাথু বসতগী কুমথনদুনা শোইদোন য়োনবীশিংগা অমুক চীল্লোক্লখি । লেপ্তুনা থৌবকপনা ঐখোযগী মহৈশঙ যৌখি । মযূম মাইকৈ পাংনবকখি । কোবৌনা মযূম চংখ্রবা তুংদা অমম্বা কৌবী লাইবেম্বীনা অমুবা চবৈ শন্দোবকপা মতমদুদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা মহৈশঙদগী যূম ফাওবদা কাইনেটিক থৌবকখিবগী অনৌবা চাংয়েংদুসু ঐঙোন্দদি নুমিৎতুগী লমকোযবগী পোৎহাপনি।

অদুবু মহৈবোযশিংদা হকথেংননা লৌশিং পীবগী শব্দক অমা ওইবিবা লমকোয খোঙচৎ অদুগী নুংঙাইবা মবক্তুদা সেন্দ্রা চঙলমদাইগী লম্বীদা লোক্তাক খোংবান্দা লোক্তাক্কী লোনচন্দু Logtak হায়না চাউনা থেৎলম্বা উবদা ফাওখিবা অঙকপা অমদি নুংঙাইতবদু ঙসিসু থম্মোয়দা ফাওবি । লমদমসিগী পুব্রাবীগা শাগোন্নবিবা লোক্তাক পাৎনি । লমকোযবশিংগী মীংয়েংফম্নি । য়াইতোঙ ফমদোঙ য়াওনা ইবৈচাশিংনা উবীবা যাওবল্লোইদ্রা ? চুমথোক্লমল্লগদ্রা চুমথোক্লম্লবদি ফনিদা । ❑

লোইশিনখিদ্রবা শৈরেং

মীকপ থোক্লকপদা নোং ঙান্দৌবল্লে, অহীং পূংজা অহুম-মখায় তাবল্লে। খঙহৌদনা শৈবেংগী ঈচেল অমা চেন্থবকই, খুত্তা খোর্জে পাযখৎলি, ঈহৌবকপা শৈবেংগী ঈচেলসি মনীং তম্না চেন্থহল্লগে খল্লি, ঈচেলদুদা থরায হকচাঙ যাওনা তাওথবি ঐ অমদি ঐগী খোর্জে । মবোল থোকপা হৌবকপদা অঙাঙ মচানা মীনা হাযবীমখৈ মতৌ তমদুনা মবোল শেংবোই শেংদবোই অফ ফত্ত খঙদনা পংঙাঙ্‌দা ঙাঙ্‌বা, পংখুমদা খুন্থা মতাঙদুগা চপ মান্নবিবা ঐগী পুন্সি তাংকল্লি । অইবা, অইবী কযাগী মবক্তা তিঞ্জবগা, মখোযগী মতুঙ ইঞ্জবগা পংনুঙদা নুংঙাইজবা, পংঙাওদা ঙাওজবা মতাঙনি । ৱাখল নুংঙাইনা খোর্জে পাযবি ।

খঙহৌদনা লাকপা মতম চাফাত্তবা মোবাইলগী খোঞ্জেল অমনা ঐগী খোর্জেগী ঈচেল খঙলেপ লেপহনখি । ইমান্নবী ডাক্তব লৈমতোনগী খোঞ্জেলনি, লাযেঙশঙদগী তৌবকপনি । অঙম্বা পাম্বে শীজিন্নদুনা মাযথীবা পীবা ঙমখিদ্রবা নীংশীংবগী চৈনা চৈথেঙলক্তা মথন্তা হাইদোবকখি ঐগী হৌব্রবা পুন্সিগী চেনা কযা অমগী মথঙদা অমা

এম বী বী এস তম্নবা চাংযেংগী ফল হায়দোকপা নুমিৎনি । লাংতক্ল বগা লোয়ননা মহাক্কী মপাউ ঙাইবিঙৈ নোকমি নোকমিবদুনা লেপ্লখি ইনাক্তা নুমিদাংৱাইবমগী লিবি মালঙ ঈপোম্লক্তা থৱাযনা তাজবা মহাক্তো । হায়ফম তৌফম খঙদনা ঈকায নুংশি যাননা মীৎচানবা ঙমদনা লেপ্লিঙৈ তম্লকখি মাগী নুংঙাইববা মাযপাকপগী মপাউ, কযাদা হবাওজখিবা, কযাদা নুংঙাইজখিবা

মীকুপতো । খঙহৌদনা ইনাক্তগী লাপথোকখ্রগনি, কুইনা উন্নববোই খল্লুবদা ইশাদা অৱাবা ব্রাখলগী ঈবৈ অমনা খঙলাক লাকশিল্লকখি । কবিগুম্বদা মাগী মায় পাকপগী খোঙচৎ অসিনা ইবানিগী মবক্তা কাযনবগী পল অমা খাখিবা থোক্লবদি ঐদি কমদৌবা ।

- কৈদৌববগে তূমিন উংলিদুনা হংবগা অমত্তা খুমদমখে । পাইখোম্বগী খোঞ্জেলসিনা ঐগী লৈতাফম খঙদ্রবা ব্রাখলগী ঈচেল মবক থৎলকখি।

- কবি হাযবনো ?

- লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎসি মমি কুম্মে যেংমিন্নসি, ঐদি চত্তৌববনিনা নঙোন্দা হাযনীংবসু য়াম্না লৈ, হযেংসি মেমী হোযদা উন্নসি, শোযদনা লাকউকো। হুবেল নুমিদাং ফোন তৌবক্কে, চৎলগে ।

- হোয ।

ব্রাহৈসি নত্তনা কবিমত্তা হায়বা নংহৌদে । অসুম্না হাথু হাথু চৎখিবসে মহাক্কী হৈনবীনি, হাযনীংবা অমফাওবা হাযবা ঙমহৌদনা ইতোমতা প্রোক প্রোক হেক্তা চাকচহৌবা ।

অৱা নুংঙাই কযা পূকমেন পাউমেন্নবল্লগা মহাক্তি মীবমদা ডাক্তব তম্বা চৎখ্রে। লাংতক্লববা পূক্লিংসিনা মাগী মতম লোইবকপা ব্রানা ঙাইখি । মবক মবক্তা লাকপা মাগী মোবাইলগী খোঞ্জেলতনা ঐবু হেক হেক থেমজিনবিখি । অবোযবা চাংযেংগী মতম যৌশিল্লকপনা ইবানি যানদুনা ঈ পাউ তোযনা ফাওনখিদ্রে ।

চাংযেং লোযবগা মহাক থুনা থোক্লকখি, ব্রানা ঙাইজবকপা ঐগী নুংঙাইববা মীকুপসু ফংজখি । মহাক এম. বী. বী এস পাস তৌবে । নুংঙাইবনা হাযফম খঙদ্রবা ঐঙোন্দা ইবানিগী তুংগী পুন্সিগী ফিবেপ লেপ্লবা মহাক্লা তকশিল্লকখি । অদুবু মখোযগী অহলশিংনা পোষ্ট গ্রেজুযেট লোইশিল্লগা লুহোংবনা কোনবগী অনীংবা, অপাম্বদুনা মবম ওইবগা মহাক মখা তমথবা অমুক চৎখ্রে । শাংলবা মতম অমা অমুক কবম্না লেনগনি খনবদা ঐগী থম্মোযগী অৱাবা অমা ওইখি । মাবু নুংশিজবা, পাম্মুজবসু অসুম হেনগৎলকখি । মহাক্কী নুংশিববা ব্রাহৈ কযানা ঐবুসু পূমঙাও ঙাওহনখি ।

মতম্না অসুম হৌখিবনা মহাক পোষ্ট গ্রেজুযেসন লোইশিল্লে । ইকুই কুইদনা থবক ফংলে, ইবানিগী লুহোংবগী ব্রা হৌদোক্লকখি। নুংঙাইবা মঙলান মঙফাওনবগনি খনবদা ঐ কয়াদা নুংঙাইজখি । অদুবু অচৌ-অশাঙ ঈনাক-কৈবাক খুনবগা ঙাই শেল ওইবা পাম্বা, মচানুপাগা থাক মান্নবী, মতীক চাবী

মমৌ পাম্বী মখোয়গী অহল লমনগী হোংলক্লিবা মওঙ-মতৌ, ঐগী নাকোঙদা য়ৌহল্লক্লিবা ৱাহৈ ৱাতা, য়েংলক্লিবা ঐবু পামদবগী অখা মীৎয়েং ময়ামসিনা ঐগী ৱাখল হোংহনখি। মতীক চাদ্রবী, পু-পাং সুদ্রবী, লাইবিক-লাইশুগী মঙাল ৱাংনা ফংজহৌদ্রবী লাযব মচা ঐনা লাযব-ঈনাকখুনবগী অচৌবা পল অমা চাউনা খাবা পাম্বা মখোযগী যূমদা লেল্লুগদবা পুন্সি মবেল, মদুদা শিবক্কদবা মৈশা মযামদুনা মাগী পুন্সিদা ওইবক্কদবা অকাযবা কযাদু খল্লুবগা ঐ মঙোন্দগী পুন্সিগী ওইনা লাপথোক্লগে খনখি। মানা ঐঙোন্দা হন্না হন্না তকশিল্লক্লবসু ওন্ন-তৈনবদা মাগী ৱাখল মীৎয়েং হোংখিনবা, মপূক্লিং হোংখিনবা ঐনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। মীৎ যাম্বী, পূকচেল লেপ্তবী অমগুম উহন্দুনা ইফমদগী মাবু লাপ্পা তাম্থোকখি। মতমদুদা ফাওখিবা থম্মোযগী চৈনা খাঙবদা ঐসু ৱাখিদবা নত্তে, মতমদুদা মচেৎ তানা কাযখিবা থম্মোয ঙসিফাওবা তাইশিনবা ঙমদ্রি। মপোকসিগী ওইনসু তাইশিনবা ঙল্লবোই।

অহল-লমনগী অপাম্বা মতুঙ ইন্না মহাক্না লুহোংখ্রবদা ঐগী তৌশিন্নবা শক্লোনসু লোইশিনখি।

অৱা নুংঙাই যান্নববা পুন্সি খোঙচৎনি। চহী অমবোমগী তুংদা মহাক্কী ফোন তোয়না লাকখি, ঐ পাযখিদে। মমান্নবা কযাসু থাজিল্লকখি ঐবু যাম্না ৱাবৌখি ঐগী তৌশিন্নবা শক্লোনদুগীদমক। পূম্নমক্কী য়াইফনবা ঐ মাগী মৱা-মপাউ তাববোই খন্না তাখিদে। মতম অমদা ৱানা খৌবাংনা ঙাইজখিবা মাগী ফোন অমুক হন্না পায়ক্লবগী কান্নবা লৈত্রে খন্না সুকপায পাযখিদ্রে।

নোংমা নুমিদাং অমদা ফোন অমা হনজিন হনজিন তৌবকখি। ঐনা খঙবা নম্বব নত্তে, হনজিন হনজিন তৌবকপদুদা কনাগুম্বগী কবিগুম্বা অকব্বা মবম অমা লৈবমগদ্রা খন্দুনা পাযক্লবদা মহাক ওইবমখি। মঙলা তাইবঙলা খঙদ্রবা মাগী ৱাহৈশিংদু তাক্লবগা মাগী পুন্সিগী হোংলক্লিবা মশক্ত পূক্লিংদা খবমখৈ লাকশিনবা ঙমখি। মাগী নৈতাদ্রবা ফিভমদু ৱাখলদা লাকশিল্লুবদা হাযফম খঙদনা ৱাখি। অদুবু ঐনা শব্দক যাবা ঙম্লোইদবা, চাউববা চৎনবীগী পল অমা খাখ্রবা ইবানিগী নাথৈখ্রবা পুন্সি ঈচেলদি তোর্বান ৱাংম ৱাংমনি। অৱাবা পূম্বা ইদোম লোৎশিঞ্জবগা মীঙোন্দা পাউতাক পীবা হৈনগনবী ঈহৌশা অসুম্না হায়খি মঙোন্দা,

-নহাক য়ূম অমগী মপু হাযবদু ওইববনি, অদুগী মথক্তা মমিং লৈববা ডাক্তব অমনি। নশাগী ইকায খুম্নবা নশানা ঙাক্লবা হোৎনজৌ। চৎনবীগী পলবু লাযনসু লৌগনু। পুন্সি হাযবসি নোংদম্বগী চাংয়েংফম্মি, নহাক চাংয়েংসিদা মায় পাক্লবা হোৎনৌ। ঐনা লেল্লিবা চন্নবা পুন্সি মবেলসিদা অমুক হন্না অযেৎপা পীবক্লগনু।

নুমিত্তুনা মা-ঐ পাউ ফাওনবগী অবোযবা ওইখি । লৈমতোন্দগী মাগী কাং-খোং চাইববা য়ূম্বাল পুন্সিগী মবমদদি খঙবা ঙমখি । পুন্সিবু শান্নপোৎকুম খনবী, মাগী পুন্সিগী লোয়নবীদুগী তুক্কচববা লমচৎ শাজত্তুনা নীংবা কাযনা লেল্লীবা মাগী পুন্সি খোঙচত্তুনা ওইহনখিবা লাইবক থীববা লম্বীগী খূদোং থীবা অমদগী মহাক কোক্তা শোক্তুনা লাযেঙশঙদা অকৎবা ফিভমদা লৈবক্লিবনি ।

ঙসিগী লৈমতোনগী ফোন্দু ঐনা মীবায়বীপ্পবা মহাক্কী অবোইবা পুন্সি মীকুপ অদুগী তাঙমদ্রবা মপাউনি খাঙ্ঙমদ্রবা চৈনা'মা পীববিবা। তৃমদনা মঙলাক্লবীবী ঐবু ইচন্নুপীনা হৌদোক্লকখি -

- নুমিৎ যাম্না থেংলে ইনম্মা, হৌজিক ফাওবা য়াহৌদ্রিবসিবু হকচাঙ ঙমদ্রববা ?

ঐ খংপ্রেক খঙই, মতম যেংলুই, অস পুংসিদি আ যৌবন্নে, কবিনো ঙসি ঐনা তৌবিসিবু, মৌগা ওইবল্লবদি ঐবু ৱা থোক্লোইদ্রা হাযবা । অসুক থেঙলফাও ফমুঙদা । ফুক হৌগৎলি । ঐগী লোইশিনহৌদ্রবা শৈবেংদু চেবাঙথক্তা তাদুনা লৈবম্মী মখূম খুমজিন্দ্রবা খোর্জৈদুগা লোয়ননা । লমখাঙদা তৎখিবা শৈবেংগী ঈচেলদু অমুক শমজিন্নবা হোৎনবদা অব্রাবা অমদি মায়োক্লবা তাবি ঐ। শৈবেং অদুগী লোইশিনফম থিবি, কঙাওনবি । খঙদে কবম্না কবম্বা মতমদা তৎখ্রবা শৈবেংগী ঈচেলদু শমজিল্লক্কবা ? লোইশিনখিদ্রবা শৈবেং ওইনা অদুম লৈখ্রদবা ? ❑

য়াউশঙগী শিংজু

ঙসিদি যাউশঙ মঙানি চনবনি, ঐখোয় লৈকাযগী ওইনসু যাউশঙগী শান্ন-কুম্মৈসু লোইশিনগদবা নুমিৎনি । যাউশঙ নোংমা ৱাৎলিঙৈ নুমিদাংদুদগী অযৈবীও, অখোঙবীও, অথীনবীও ঐখোয় লৈকায় নহাবোলশিংনা তবাম্মা ওকখিবনি । লমদা থানিল নুমিত্তগী ঙসি ফাওবা ঐখোয নাকলগী শান্নবুংদুদি - অমুক্তোইবা পূন্নাঙনি । হৌজিকসু কবি কবিনো যাম্না লাউবি । নহান্দগী লেপ্তুনা লাউবক্লিবনি, কনাগী অযুক, নুংথিল, নুমিদাং খাযবা নত্তে । ঐখোয মনীংগী মাইক্রোফোন্দা ঙাওজবা নুপামচাদুদি মখোলগা শিবি শিবি তৌবে । ফনবুদি ৱাবন্ননি শিল্লি লাঙলিবা মখোয মযামদুসু । যাওশঙ মনুঙসিদা পাঙথোক্লিবা মশান্নসু মখল মথেলনি । অঙাঙশিংগী অঙ্ক লমজেল, লৌশিং চাংযেং, অহল্লোন-নহাবোল ফুটবোল শীংনবা, মৌ-লৈশাবী থৌবি চিংনবা, চামচ লমজেল, শগোল মমৈ হাপ্পী, চফু থুগাযবী, যুবী লাকপী, লফু কাবী নুংঙাইখ্রবা মশান্ন ঙাক্তনি । যাওবীনবসু ৱাত্তে, যেংবীনবসু ৱাত্তে ।

যাউশঙ নীনিচনবা নুমিত্তুদি ঐখোয লৈকাযগী লৈশাবী মযাম খাবল চোংখি । কুম অমগীনি হাযদুনা ঙাইহাক যেংলুই । হান্নদি খঙবু খঙলুদে ঐখোয় লৈকাযসিসু লৈশাবী মশক মতৌ ফজবী, কুচু কুমেন পানবী, শাওং শাবান, চুং ফিবাল চাবী ফনযাম মবৈবন্মী, কযাদি ফজবে থাবলদো । অদুবু নহানৱাই ঐখোযনা পাখঙ ওইবিঙৈ মতমদুগী মুব শন্নাংনা ৱায-ৱায, নিংদু যৈনা শন্নাং ঈপোম হৌখিবী নীংগীবী চনবাশিংগী শক্তমদুদি উবা ইফং ফংদ্রে । মচু মখল

কযাগী অতেনবা শন্নাংনা লৈতেংলবীনা অয়াম্বা ওইনা উবে । মতমগী অহোঙবসিদা ঙাইহাকসু পূক্লিং নুংশিকই ।

ঙসিগী য়াউশঙগী শান্ন-কুম্মৈগী অবোইবা নুমিৎসিদদি ঈনাৎ যোকখৎপগী পান্দমদা নুপানা ফৈজোম পুমযাৎ, নুপীনা ফনেক মযেকনাইবা, ব্রাংখৈ ফি, বানি ফি ইন্দুনা থাবল চোংগনি হাযনা কন্না লাউবি ।

মমানা হায়বকই - মোযপাবা যাউশঙগী শান্ন-কুম্মৈ তৌবিসে মীদি শেলগা যাম্না হাপ্লে । হৌজিক্তসু লাউখিবা মযামদুনি । ঐখোযগীদি কবিমত্তা হাপ্লবোইদ্রা? যান্নবসু যামদ্রবসু খবদি হাপখিবনা ফবোইদ্রা ?

- কুমসিদি হাপ্লবোই, শেলগা লৈতেদা । নঙগী লৈজবগা হেক হাপচকবো, নমীংসু নঙগী ওইনা লাউথোবক্লবা । মখোযসু হৈবেনে, মমীং লাউথোকপা পামজবা, পামজবী খবদি শোযদনা শেল হাপ্লবক্কদোইনি । নঙসু হাপ্লিংলকইদুনি ।

কবি ব্রাতা খোন্দানো অসিবো, হাপ্লীগে হাপ্লীযু, হাপ্লীবোই তোকপিযু, মীসু হাপনৈ হাযবৈ ব্রানি, চহী খূদিংগীদি চাউনা চাউনা হাপ্লদুদা হাযবগী ব্রানি ।

শাওবপ্লা মুকম মুকম শোল্লন্নগা ইমুঙ চঙখ্রে । ফাগীওই কবিওই হাযকবনি মাদি শাওনিংলুবমাল্লে । মতাঙসিদা অমুক লাউবকই -

- ঙসি নুমিৎ মঙানি চুপ্না চথজবকপা যাউশঙগী শান্ন-কুম্মৈসিগী লোইশিনবা নুমিৎ অসিদা ঐখোযগী ইকায খুম্নজববা মীহুৎ অযাঙবা মঙাঙ্না লুপা লীশিং মঙা তেঙবাঙ পীবীবল্লে । শীঞ্জ-লাংজবিবশিংগী মাযকৈদগী নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচবি ।

পূক্লিংদা খল্লি - মাগীদি মথঙ মীখলগী মী খোম্না হৌববনি । লোন্না, ফোঙনা শেল চবুন চবুন চাউনা চাউনা লৌবা, হৈবা মখোযদি যাম্না লেম্না পূকচেল চাউনা তেঙবাঙ শেল যাম্না য়াম্না হাপসনু । ঐগীদি হাপ্লেসু থোক্লবা, মমাগী ঈশৌসু তাদনবা লুপা চামবা চনিবা থিলহল্লুবগে হায়দুনা মচে মযামগী মতুঙ থেঙতক্লা ইল্লকখিবা ইচানুপা তোমপোক সনাথোইদো কৌই ।

- সনাথোই, সনাথোই

মমানা খুল্লকই

- হো লৈতেযে, যাউশঙ যাওখিযে শান্নবুংদা ।

- উম চৎহল্লু চৎহল্লু, যূমগী মখাদা ঙাইহাক্তংফাও লৈতবমখৈ । অবোযবদা মমা নঙ চৈ চাবা শোযবোই ।

- কবিনো হায়বীবিদুবো, কুম অমগিনি, মথক্তবো, মমান্নবা ময়াম লোযনা চৎনবি, থিংঙুবা য়াববা মতাঙ চাদনা চেকশীনবীবদনা ।

মান্নবা তন্দুনা মখা তাকদ্রে যোংচাক ইবোনবদুম ফজনা চাথরগে খন্দুনা চৈশাং পায়দুনা য়োংচাক মখোঙদা চুমদ্রিং চঙশিল্লে । অনেম্বদা অমত্তা পাল্লমদ্রে, লাম্বা ফংদ্রে । মথক্তা অব্রাংবদা খবদি পাল্লি । ফনা যাম্না হৌবম্বা য়োংচাক পাম্বীনি, চাবদগী হেন্দোক্তনা যোনসু যোল্লম্লিবনি, পিজনীংবা মখৈসু নীংতম্না পীজবল্লিবনি । অদুবু হৌখিবা চহী খবসিদা পাক্তক্লনা কংখিদুনা পাম্বীসিমত্তনি হিংহৌবিবা । কাখৎলগা হেক্লগে খন্দুনা কৈবাক থাবগা যোংচাক পাম্বীদুদা লাইবক কৎলগা কাবে ।

অঙাঙ ওইবিঙৈগী তাংকক অমা নীংশীংলকই .

- হে থোবাইমচাগী অঙাঙ কনা কনানো য়োংচাক হেক্লিদো, ঐনা লমদা থানিলদা লাইগী লূক অমত্তা কৎকেনা চবোং অচুম্বা খবা হেক্তখৈ থল্লীবদো হেক্তা হেক্লম্মু খঙগনি, লৈবম্মু নখোয ।

- ইতাও, ঐখোয চেল্লেহে, নঙনা থোকপা তৌহৌবো, অহেকপশিংসি পুবল্লগে ।

মথোঙ মবম খঙদমখৈ মিহুন দং দং চোংনা চোংথবোই নাম্থবোই তৌদুনা কুমথবকপদা যোংচাক মপূ মাম্ম ফৈজাওগী মথক্তা য়ুংনা তাশিল্লি । অফিং অফাই ওইনা ফুক হৌগৎলগা হংলুই

- মাম্ম মখোযদি কদোম চেনখ্রে ।

- থিদ থোবাবীসিদি পঙনা পঙলিবা ।

- ইবুংঙো খোঙনেম নঙনা হেক্লিঙৈদা ঐখোযগীসু চবোং অমানিদং য়াওবীবকউ । নখোযবোমদা হাইথবিবা ঐখোয়গী মশাদগীদো । হেকপিনিংঙাই লৈতদনা যোংচাকসে চানিং চানিংনা চাবা ফংদ্রে ইবুংঙো।

যূমথংনবগী ইন্দোন চাউবীগী খোঞ্জেলসিনা ঐনা নহানবাই নুপামচা ওইবিঙৈ যাউশঙ কোয়বগী হাইদোবকপা লামাযদু খংখুম খুমজিনখ্রে । ইন্দোন চাউবীগী চবোং মবিমঙা ককথবিবে, ঐখোয়গী খবা হেক্লে । মমানা চাকখুমদগী থোল্লক্লগা য়োংচাক্তো পুশিল্লগা চঙখবে ।

চাক ঙাইবা ওইনা মঙ্গোলদা খোঙ য়াম্থবগা ঙাইহাক ফম্লিঙৈ নহান যাউশঙ হৌবা নুমিৎকী য়াচঙবা মতুঙ অমদি নোংঙানবগী অয়ুক্তা শেল খায়বা লাকখিবা

অঙাঙ নুপামচা নুপীমচা ময়ামদো মিত্তা শঙ-শঙ উবকই । মবি মঙা পূন্না লাকপা অমত্তা য়াওদে, অনী নত্রগা অহুম্না কাঙবু অমমম শাই, অঙাঙ খুদিংমক শেল হাপ্পনবা মখল মখলগী খাউ মচা অমমম পায় । শেলনা শেল মবাঙ কায়দবনে, য়াম্না পিবদি ঙমদে কুম অমগিনি পীদবসু নুংঙাইতদুনা লুপা চংপী, অনী চংপী, মঙা চংপী শেল ময়েক খবা মমানা কায়থোক্লগা থমহৌবদুনা মায় ঙাক্লবি

-শেল পীবো, শেল পীবো, শেল খায়বা লাকইয়ে ।

-কবিগী শেলনো, পীদোইবো ?

-যাউশঙগী শেলনে, য়াউশঙগী ।

লক্লকই যাউশঙদবু শেল খাযবা যাব্রনে ?

-যাইনা, যাউশঙদা খায়দদি কবম কান্দা খাযদোইনো পুপু কোক্তাং,

যামাঙগী মযা তেকপা মশক নুংশিবা অঙাঙ নুপামচা অমনা ইখি খিগৎলগা খুন্নকপনি । কোকসে মাদুনা অমুক য়েংলুই, অঙাঙ মচাসিনা ইচম চুম্না অসুক চুম্না হাযবকপদবু শাওক য়াবিব্রা ।

-সেসে নখোয অহুমগী পূল্লপ ওইনা লুপা মঙাসে পীবগে, খবা চাউবা নঙনা হেক পাযশিল্লো ।

মখুৎ লোইনা তিংথোক্লবগা হাযবকই - য়াবোইযে অমমম তোঙান তোঙান্না পিযু ।

- হৈৎ পুল্লপ লাক্লদি পূন্না পীবা য়াই কৈনো, নখোয় পূন্না চাক চামিন্নদোই নংত্রো ?

- যাদে কৈসু, যূমদি পূনসু পূন্দনা, ঐগীসু পীয়ু, মাগীসু পীযু অদুগা মাগীসু। খ্বাইদগী পীকপদুনা হাযবকপনি । যাববোই খঙলদুনা মাগী মাগী অমমম পীবে, নুংঙাইবো, নুংঙাইবো হায়বল্লগা হবাও হবাও চংখবে । নহানব্রাই ঐখোয়না যাউশঙগী শেল খায়বা (নাক্তথেংবা) অদুদি অসুম্মাইনা অনীহুম চত্তে, লৈকায়গী হৌমিন কামিন্নবা মঙা তক্তক নংত্রগা তবেৎনিপালদু পূন্না পূন্না চংমিন্নে । খবা চাউবা চহী খবা হনবা অদুনা মযামগী শেলদু পূন্না পাযবগা অহল লমন্না থম্বীবগা যাউশঙ লোযবগা পূন্না চাক চামিন্নে, অহল লমন্না শিনবীবনি, শেল ব্রাৎলগসু মখোযনা হাপ্পী । হৌজিক্তদি কয়াদা খেন্নববা । হয়েং চাউবক্লগা মখোয়সিবু অমগা অমগা পূনবা যাখিগদ্রা ? কবিগীনো মমা মপা ওইবিবশিংনা অঙাঙ খুদিংগী শেল হাপ্নবা খাউ অমমম পীবগা থাদোবক্লিবসিনা ? মতমগী অহোঙবা হাযবদুবো

সিবো ? চীন্দনা অপূনবনা পাঙ্গলনি হাযনা লাউনবিবা, ঙাঙন-শক্লবিবা অদুগা পূনবা হৈতবী, মচেৎ থোকপীদি যাম্না হৈনবিদনা হৌজিকসু । মতম মতমগী হাযদু তাবদবা সিবো ?

-তা খোঙনেম ! ঐখোয মযাম লাক্লিযে ।

খঙযেং যেংথোক্লবদা চীন্দোন লৈতোন ফজবী, ঙাঙবদা ঈশিং লীত্তবী খদাংবমগী মৌদু ওইবম্মী, অতোপ্পা মৌনহা খবসু যাওবম্মী । কবিমতা খুম্না নংদ্রিঙৈ মবুক হাঙদবা পাক্তক শাংতক তৌবা অঙৌবা মখুম যাওবা চে অমা শৎ পীশিল্লগা হাযবকই,

- তা খোঙনেম ঐখোয লৈকাযগী মৌ মযাম কুমশি যাউশঙগী চাকচানবগীনি, যাম্না নুংঙাইবা শুমাঙ কুম্মৈ অমসু তৌদৌবিনি, চাকচাবসু লাকপীযু, শেলসু হাপ্পীযু শোযবা যাদেকো তাদ ।

থম্মোযনদি কযা যানিংদ্রবসু মবৌ লৈবা চে অঙৌবদো লৌশিল্লগা খুর্মখি খুমদবা যাদবনিনা,

- কবিগী লাক্তদগে, লাক্কনি লাক্কনি, শেলসু হাপকনি ।

কবি কবিনো খবা হাযবল্লগা মখোয মযাম লাং লাংদুনা চৎখ্রে ।

ঐদি কোক ঙাওহৌবি, কদাযদগী শেলনো তৌদৌবিসে, ইচা নিঙোলগী থাবল চোংবগী শেনখায, যূম চঙদুনা শেল খাযবা লাক্লিবী ইনে ইন্দোনশিংগী মাযঙাকশেল, খঙন-চানবা থিবকপা হবি শৈশক্লোইগী ইকায খুম্নবা ঙাক্লবা শেল, তবাই তবাইবা তচোপ তচোপ্পা যাবা অমত্তা নত্তে, লোইখিবদা ঙাযবি অদুগা হৌজিক্লা অমুক তেঙবাঙ শেল,'সিদ নত্তে অতৈসু লার্কখিবা যাবি । অবৈবা মীগীবুদি ফৈ, লৈতবা ঐখোযদদি কনানবু পু-থাংবা ঙমপোত্তেদা । যাউশঙগীনি হাযদুনা পাঙথোক্লবিবা শান্ন-কুম্মৈসিনা যাউশঙগী হান্নদগী লৈবকপা কুম্মৈগী চৎনবীসি মপুঙ ফানা মুথৎপসু ঙম্মদ্রি । খঙদ্রেদা মচলচানা নীংথীনা শুবা শিংজুদি মহাও লৈ, হকচাঙসু ফৈ । অদুবু মতম হেল্লবা মচল চাদ্রবা ঙসি ঙসিগী যাউশঙ কুম্মৈগী শিংজুসি যেম্মৌনবকপসু যাই । কবম্মো নুংঙাইথোকপা হৈবা ঐখোযসিবো ? ❑

মৈশা পুবী থাবলদা

অকম লাইহৌনা যাম্না শাথীনা নাকুবদগী ফগৎলকপদা ঙাযবিঙৈ হকচাঙ মপুঙফানা কন্দ্রিঙৈ মতমগা ওইবনে, চীংলম্নীদা খোঙনা শাংনা চৎলুবগী ৱাবনে ইশাসে ফনা ফজনা চোকথবে । ঐগী কাদা চঙদুনা ফিবোল হোংদোক্লগা ঙসাই চৎলমদাইদা তীংথোক্লগা থম্লম্বা চেংপাক অতীংবা খবগা শঙ্গোমগা চাশিন থকচীল্লে। মতম ফত্তে খন্দুনা থোঙদু লোনশিল্লগা ফমুঙদা ঙাইহাক-পোখাবা ওইনা হীপথবে । ইবমদমগী শক্লাযববা ৱাক্‌ম অশৈবা হিজম ✓ অঙাংহলগী "খম্বা থোইবী শৈবেং" লাইবিক্তু অসুম পাবম্বদগী তুমথখ্রমাল্লে ।

মীকপ থোক্লকপদা থিংজিন্দ্রবা থোঙনাওদা নীংথীববী থানিল থাজগী-মেঙলবী থাবলনা ঐবু মুনা মুনা যেংদুনা লৈবম্মী । মহৌশাগুম মানা ঐবু ইমুঙদগী কৌথোকপীববে । থাবলগী ইপোমদা অসুম্না মঙলাক্লবসি ঐগীদি পুন্সিদা অনৌবা নত্তে । অসিগুম্বা থাবল অহীংগী তম্পাকসিদনি নোংমা ঐগী থৱায ওইবম্বী মহাক্লা তাইবঙ ফাওদ্রিবা, থুনা তাইবঙ ফাওবক্লগনি খন্না মতমদুতবু খৌবাংনা ঙাইমিন্নবিবা ঐখোযনিগী অহানবা নুংশি খূদোল অদুবু পুবদুনা ইনাক্তগী মতম পুম্বগী ওইনা লাপ্না চৎখিবদো খঙহৌদনা লাকখিবা নোংমৈ মৰুগী শেবান্নবা পানফম ওইদুনা । তাইনফম, ৱাকৎফম লৈত্রবা অশিবতনা মাঙজববা লমদমসিদা তাইবঙ ফাওঙমখিদ্রবা নুংশি খূদোল অমদি থৱায ওইবম্বী মাগী নীংশীং চৈনাসে খাঙনা খ'ঙনা ইবমদমগী থাপ্লবা খুঙ্গং কযাদা চত্তুনা হান্নদগী পাযজবকপা খোর্জে হেন্না চেৎনা পাযবকখিবনি । ইশা নহা ওইবগী ঈহৌবকপা পুক্লিংগী ঈথক ঈহুল কযাবু ইদোম খূদুম চনশিঞ্জবগা মমা মচাগী নীংশীং চৈনাবক্তা হিংলিবা পুন্সিনি ।

নোংমা অসিগুন্নবা নীংথীববী মেগুলবী থাবল মঙালদনি থম্মোযনুংদা লাৎচবম্বী ঐগী থব্রায় ওইবম্বীদুগী থব্রায য়াওদ্রবা মমি শক্তম অদুগা মীৎচাননা অব্রা-নুংঙাই পুক্সিগী হৌখ্রবা লামায অমা অমুক হাইদোকখি ...

তমোন তমোনবী, পিক্তক তৌবী তনৌববী মখুত্তো পায়বোই নানবোই তৌনা ইনাক্তা তপ্পা চিংশিল্লগা

- লাওনে চংশিল্লকউ, কৈনোম হাযবীগে।

- কবি হায়বীগে হাযবীনো, অদুম হাযবসু যাবদুবু।

নোকমি নোকমি ইনাক্তা চংশিল্লক্লিবী মাবু নক্লা ফমহল্লগা

- হাই, মী তাখিনেনা তৌনি, তুমিন্না হাযগে লাউনে নাকোংঙ মযাদা।

- ও-কনাসু তাবোইযে, ইমুঙসিদা লৈবিসে ইবানিদনে, হাযনীংবদো অদুম হাযবীযো।

- ইবানিগী ব্রাবী তাগদগী কনানোমা তূমিন্না লোৎলিসে খঙববা, মা তাখিনেবা।

ইফিং ফিংনা ইপা পাখৎনা কোযযেং যেংলগা

- হা ! কদাযদা লোৎলিবা, কনানো লোৎলিবু, কনাসু উদেনা ঐদি।

- তু নঙনা সিদা অসুক চেকশিন্না লোৎলিসিদি নফিগা জোন জোন থাদবদুনা, অসিফাও খঙদমাল্লে।

- হৈমা, মতা অমনিনে, অসিবু ব্রানেনা।

থিক-থিক নোক্লগা অমুক হাযবকই-হো ইবুংঙো মনা তাবমখিবোইযে, হঙা হঙা হান্না কপ্লকখিদৌনে।

- ও ! ও ! অশেংববো ঐদি খঙদবা, নহানমখৈদি মহাক তাখিনেনা হাযনীংবা কযা'মা নঙোন্দা হাযদ্রিনি। ঙসিদি ইনীং তম্না হাযবদৌনি, নঙগী হৌনবী হৌগৎলগা চৎখিবদো সুকযা যাবোইকো।

- চৎচবোইয়ে, চৎচবোইযে, ঐনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা, পেঞ্জবসে ননাক্তা লৈজবসিনে।

- অদুবুদি ঐসুনি কৈনো নথম্ভবা, নঙসে ইনাক্তা সুম লৈহন্নীংইনি। নঙসে তশেংনা য়াম্নসু ফজেবো, হান্নদগী হুজিক্লা হেন্নসু ফজবে, হেন্নসু নুংশিবে। নুপী ওইবীগী মপূংফানা ফজবা মতম্নি হাযনবদো চুম্মিকো। মোমোন মোমোম্ভ

তৌবী শুমহৎযাই পুবী নঙগী মাযথোঙ, তঙাং তঙাংবী নঙগী চীনবান, নীংথীবী শাওং শাবান, মপোক মপোক খূদিংদা নঙসে ঐতগী ওইজগেকো, নোংম নোংমগী নঙবু নুংশিবসু সুম হেনজিল্লক্লে, ননাক্তগী মীকূপ অমত্তসু চথোক্লীংদ্রে। নঙনা ঐবু চেৎনা ফাজিনখ্রে।

- ঐসুনি নঙনা থবক সুবা হেক চৎখিবদগী মল্লি মল্লি তৌবকপা নঙনা থবক হল্লকপা ফাওবসি ঙাইবদা কযাম ৱায় খঙববা, নুমিৎকাসে সুক্তা তাদে, কযাম শাওনিংই, হযেংখৈ থবক শুবগা চৎহল্লবোই খল্লিনি নঙনদি খঙদবা।

- অওইববনে ?

- নত্তদি।

- অদো নুংশিবদি ঐনা হেল্লম্লিদা।

- হৈবীবেদা ঐনা হেল্লম্লি কৈসু, নঙবু নুংশিবগী নত্তবো, ইমা ইপানা হাযবগা ইন্দবমখৈ, মখোযনা ইন্থোক্লফাও কবিসু নাচুংদনা ননাক্তা লৈবিসিনি।

- অদুবুদি ঐসুনি কৈনো। হাযদোকপা চৎলুবদা নখোযগী অহল-লমনগী মওঙ মতৌদুদা ঐখোয পাবানা নঙ লৌববদি যূমদা লৈহল্লোই হাযনা ঙাঙবদুদা শাওদুনা ফুক হৌগৎলগা নঙ পুবগা সিদা লাকখিবা নৎত্রো। ইমানা হঞ্জিন হঞ্জিন যূমদা লাক্লবা কৌবফাও চৎপীদনা ইবানি চীংযাগী খাঙপোকসিদা লৈমিন্নবিসি নঙ নুংশিবগী নত্ত্রনে।

- অদুদি ইবানি মান্নবেকো।

- হোযনে হোযনে, মান্নবেনে, হাযসু হাযবনি ইবানিগী পুন্সিসে নুংশিদ্রা মমি কুম্মৈ ওইনা পুথোক্লবদি যাম্না ফজনি। অসুবু মেমচা নঙগী খল্লুবদা ঐ যাম্না নুংঙাইতে। নুপী ওইবীগী মমা যাম্না মক ওইবকপা লুববা তানফমদো লাকপদা নঙগীদি ইমাদো লাক্লদবা মান্দ্রে। মখোযসু খবদি হাকমল্লি, থম্মোয় কনমল্লি, মখোযবু নহা ওইবিভৈদা নুংশিনবক্তা খঙদেনে।

- কৈসু খনবীকনুদা। মোযসু মোযনা থোকপা, ইবানিসু ইবানিনা থোকপা, সুক যাম্না নুংশিনবিবু, নোংদম্বগী নোংদম মবাইনা লাকচনি, ঐদি কৈশুম খনবীদে। নঙগী নুংশি খূদোল মীৎনা উবা ফংজগদৌববী লাইবক ফবী ঐগীদি নহাক্লা পূম্নমক্লে, চঙজফম্লে, ইনাক্তা লেঙদনা লৈবীযু, ঐবু সুকথা থাদোকপিগনু।

ইকায় নুংশি য়ান্নবা ইশাদা ঙাথবক্লিবী মাবু ইথানুংদা ঙমজবী থাদুনা চেজেৎ কোনশিনবীবগা

- হোয়নে হোযনে সুকথা হেক থাদোক্লবোই, পুন্সিসিমগীতা নত্তে, মপোক তবেত্তা নত্তে, মপোক কযাবক্লো খঙদে, সুম কোন্দুনা লৈবনি ।

চবাঙনববা খোঞ্জেল অমনা ঐগী মঙলান থুগাযবকখি । কবি থোক্লবগে খন্না হৌগৎলগা কোয়যেং যেংলিঙৈ কদোমদগীনো খঙদে লান্মিগী ফিজোল শেৎপা নোংমৈ পাযবা মযাম্না নোংমৈ মতোন ওনশিন্দুনা লৈবমখি ঐঙোন্দা । ইনাক নক্লা তাবম্বা নোংমৈ অমনা ঐগী ইবাল ওইহনখি । কদোমদগী কবম্না ইনাক্তা লৈবম্বা নোংমৈনো তৌফম খঙদনা পুমঙক ঙক্লিংৈ, ঐনা হাযবগা অমত্তা তাবীদনা মীচঙ লৈজদ্রবা ঐবু অদুম্মক ওইহনখি কৈশুমশঙগী ফাদোক । ইশাগী ইবাল কবিনো হাযবা খঙজদ্রবা ঐবু মখোযনা পীবীবা অশেম্বা ইবালগী চৈনা ফংহন্দুনা মাযকৈ খূদিংমক চেকপলনা খাজিনবা কৈশুমশঙদা পুন্সিগী নোংদম ঙাইবা তাখি ঐ । ঐগী পোত্থাফম ওইবম্বী মাগী মমি শক্তমদুসু নুমিত্তুদগী অদুম মফম খঙখিদ্রে ।

ইমা পাবা, ইচিন-ইনাও, মবীমতা অমদি ঐবু নুংশিবীবা মরূপ-মপাঙ মযাম্না কন্না হোৎনবীবকপগা লোযননা ঐগী ওইবা ইবাল অমতা লৈতবনা ঐহাক ফাদোক্লী পুন্সিদগী অমুক ইনীং তম্লদুনা ঙসিদি মীযামলক্তা তীনবা ফংজবকলিবনি।

থাবল মঙালদুদা কযাম কুইনা লৈকববনো ঐ খঙদে, নোংঙাল্লমদাই, লিক্লা পুবা অঙ্গিংবা নুংশিংনা ইশাদা ফুবক্লে, যাহৌঙনবী চেক্লা কযানা নোংঙাল্লক্লে পাউজেল্লক্লে । অদুবু তশেংনা নোংঙান্দ্রিবা ইবমদমসিদা মৈশা পুবী থাবলদা মৈচাক খাঙলিবসে ইথন্তা ওইবীগদ্রা ’ ❑

থোক্লকখিনি থাজদি

থবক চৎলুবগী হল্লকপদা ঙাইবি। ইমুঙদা খোঙ হেক থাংজিনবগা ইমানা কৌবকই

- ইবেম্মা নঙ হল্লক্লববা ?

- ঐ ইমা ঐ হল্লক্লে, কবি হাযগে ইমা।

- ইমাগী নাক্তা অমুক্তা চঙলকউ।

- হোয ইমা ফি অমুক্তা হোংদোবকখিগে। নুংশাদা চৎলুবগী শাবনা লোইবে।

ফিবোল থুনা হোংদোক্লগা ইমাগী নাক্তা চংই, ফমুঙদা ফমথবগা মখোঙ মখূৎ শাব্রা, ঈংব্রা যেংনা যেংনা হংলুই।

- কবি হাযবগে ইমা ? নুংথিলগী শঙ্গোম থকখ্রববা, হিদাক্কাদি চাখ্রববা?

- শঙ্গোমসু থক্লে, নচন্নুপীনা ঙসাইনা পীথক্লম্মে। হিদাক্তি চাখিবতা ঙাযবি।

- অদুদি কবি তৌবকউগে ? কৌব্রু শৈথাবোলদু থাবকউবা ?

- হুং, ঈশৈগা থাবকখিনু। ইমা ঙসিদি নঙোন্দা ব্রা খবা হাযনীংই, নঙ লান্নদি লৌগনু।

পূক্লিংদা খল্লি কবি অমুক হাযবক্কদৌবিনো ? মাগী হৌনবী গ্রী গ্রী তকপী নিঙাইদু অমুক তৌবক্লদোইবা ? ঐনা যূমদা সুম লৈজবসিবু কযাম কাযববদৌনা। ঐনা পামজবা লশ্মীদা ইনীং তম্না চৎচগে তৌবসিদা, হৌজিকপু যূম পাল্লগা কৈদৌদোইনো ? ঐদা নুপা ওইনা পোকচবম্মদি ফদৌনি।

ইমানা মখা তাবকই,

- ননেদো নহান লাক্লম্মী, কুইনা ফল্লম্মী, ৱাবীসু যাম্না শাবম্মী, নঙবুসু উন্ননীংই হাযদুনা ফনা কুইনা ঙাইবম্বনি, ঙাইবা ঙমদদুনা অদুম হনখ্রে থেঙজিল্লক্লবদুদা ।

- ইনেনা কবি ৱাবী শাবম্মীবা, কবি হাযবম্মীবা ।

- কবি ওইনি হাযবগে, নযূম পাল্লু হাযদি যাদে, থিজিল্লোয ওইবিবনি, অদু তৌবিনি, অদা তৌবিনি, মীযামগী থবক তৌবিনি হাযদুনা পঙচত্তা চৎলি। নুপী-নুপা, অহল, অঙাঙ খাযদ'মখৈ তিন্নবে । মীগী নুপী লৈবা নুপাসু, মৰূপ্পি মপাঙনি হাযদুনা লোযনবে । নযূম পান্দনা সুম লৈববনিনা মীনা ঙাঙননীংবা ঙাঙনবা তাবা, হাযনীংবা হাযনবা তাবা, হাযবদসু অদুম পকচবা তাবা কপ্লিং কপ্লিং তৌবকই, খোঞ্জেলদু ইফা ফাবকই ।

মখূত্তু চেৎনা ফাজিল্লগা ঐনা হায

- অদুবু ইনেনা কবি হাযবন্নিবনো হাযবা, মযেক শেংনা অমুক্তা হাযবীযু ইমা । ঐদি ঐনা চৎলিবা লম্বী'সিদা চুমদ্রিং চৎচবনি, কনাদসু অকাযবা, অবানবা তৌখিদ্রি, কনানা কবি হাযনবা, কবি ঙাঙনবা ঐদি কবিমত্তা খঙদে, কবিমতা তাদে ।

-ননেহোযগী লৈকাযদা লৈবা নঙনা ওজা ওজা হাযদনা মযূমদা হেক হেক চৎপদো, হঙ্গাম পেবেগাসু পুবগা চৎপদো, অদুগী ওজাদুগী নুপীনা নঙবু যাম্না চিংনবা মওঙদা মচেক্লো, মযানা যৈদুনা ৱাবী খবা শাবক্লমাল্লে ননেদা । খৎনকৃবা যাদবা মতাঙথোক, ননেদু মখ্বায যাম্না নুংঙাইতনা তৌবম্মী । যাবদি নঙ ওজাদুগী মনাক্তা চৎলুবনু হাযনা কন্না হাযবম্মী। ইমানসু চৎহন্নীংদে ইবেম্মা।

মীৎলু পিবাং ঈহৌবক্লবী ইমাবু চীংনা যেংলগা থেমজিনবোই কবিবোই হায়খি

-মদুগী ওইবদি থোইনা খনবীকনুদ ইমা, হকচাঙ শোক্লবনি । ঐ ইমাদা ৱা অমত্তং হংজগে, ইমানা শেংনা পাউখুম্বীযু । ইমানা নচাবুদি তশেংনা খঙবীবা নৎত্রা ? নচানা লান্না খোঙ থাংলমগনি হাযনা খনবিব্রা ?

-ইচাগী পূকচেল ইমানা চপচানা খঙই, ননেনসু খঙই, নহাক্লা কৈদৌঙৈদসু অবানবা লম্বী চৎলোই । ইমুঙ-মনুঙগী, নশাগী অমদি নুপী ওইবী মপোক্কী

ইকায়খুম্নবা মাঙগদবা থবক অমত্তা তৌবোই হায়বসু ইমা খঙই । নৌপ্বা, নচন, লৈকাযগী নঙবু খঙবা পুম্নমক্কদি নঙগী অশেংবা অচুম্বা, ইচম চমজবা নতৌ লোযনা খঙগনি । অদুদা ...

ঐনা মবক থংনা খুম্মী ।

-ইমা ! ইমাগী পুক্লিংদা, থম্মোযদা নচাদা থম্বীবিবা থাজবদো পুন্সি চুপ্পগী ওইনা অদুম থম্বীযু । মদুতদা নচা ঐনা পুম্নমক মাযোক্কবা ঙমগনি । ঐনা ঙসিফাওবা ঐগী শিনফমগী অমদি চংনবীগী পনখৈ বাংমা খক লানখিদ্রি, শিবফাওবা লাল্লোই। ইথক থোংবা নুপী খুদিংমক ইমানি, ইথক থোংবা নুপা খুদিংমক ইপানি খন্না লোযনজৈ । ইখাতাবা খুদিংমক ইপ্পা-ইনাও, ইচল-ইচে ওইনা খল্লি । হাযননীংবা মখৈ হাযজসনু, ঙাঙ্ননীংবা মখৈ ঙাংনজসনু । কোন্না মথন মথন্তা ইকাযজবল্লগা মবাইনা তোকচখিনি ইমা ।

-মদু যাদে ইবেম্মা, মতমসে যাম্না লুববনি, মী ফত্তবা যাম্না লৈববনি । অতোপ্পগী শেবান্নবা মীৎযেংসু তবাই তবাইনা লৌবা যাদে । হান্না মবাল পিশিল্লগা কোন্না অচুম অবান থিনবকপগী অন্নায অখুম, থৌদোক ব্রাথোক নঙনা হেন্না খঙলবা নংত্রা । ওজা নুপী অমদা তানবো নঙগীদো, হান্নগী ওজা নুপাদুদা চংলুবনু ইবেম্মা । নঙনা হান্না খঙব্রা, খঙদব্রা, মখোয যুম্বান্দু হান্নদগী নুপা নুপী থাজনবা খবা ব্রাংনা, ফাক চংননা যুম্বানমিন্নবকপা ওইবমাল্লে । মচানুপাসু অমত্তা যাওদমাল্লে । নঙগী ওজাগী নুপীদুনসু নঙবু শেবান্ননা উবি হায, ননেনসু চত্তনবা কন্না হাযবম্বনিকো ।

-ইমা ! ঐগী হীবমসিদা মপুং ফানা তাথোক তাশিন তৌনবা ওজানুপী লৈতবগী তৌবনি । হান্না খবা তানজব ওজা নুপীদুসু যুমদা মনেম্নোক, মকুবোক পুন্না শোনজিল্লকপা, মনেমদুদি ফমশেন্নদুনা লৈবনা মণিপুব তাইবঙ মহৈকোলদা লাইবিক তাকপা ফাওবা ওম্মোক্লা ব্রানা লাক্কবনি । ইমা ঐনা তমজবিবা, তাঞ্জবিবা ইহৈগী পম্বুং যৌহন্দনা লমখাঙদা মাঙহনখিবা পামদে, ঐহাক ওজাগী লমজীং যাম্না মকুওইবি । ঐ লান্না খক চংলোই, অবানবা ব্রাখল খল্লকপা, অবানবা লমচং চংলকপা মীকুপতুমক্তদা ইমা হাৎপগী ইবাল ফংজগে ইমা ।

-ফবে ফবে নঙনা অদুক যৌনা নবুক্লিংদা লেপ্পবদি চংলো চংলো নথৌ তৌজকুবো, অদুগনে নঙনা চন্নিবনি হাযদুনা চুমদ্রিং চংপদো খবমখৈদি হোংদোকউকো, মতমসে যাম্না ফংত্রে ।

-হোয় ইমা পোত্থাবীবো ।

- লাইনিংথৌ ইপা ইবুংঙো নগুনুপী চুমচৎসে লমজীংবীযুকো, মীনোক মৈশা লাংহনবীনুকো, ননাইদি কবিসু খঙজদে, পূম্নমক নফমদা শীন্নজবি। ইচাবু লমজীংবীযু।

ইমাগী হৌনবী লাইনিংথৌ লৈমবেলবু পূক্লিং চঙনা থাগোঞ্জহৌবদো হাযফেৎ তাই শোম্থাংননা। হাযফম তৌফম খঙদবা তাইনফম খঙদবা চৈনা-অমগা লোয়ননা ফিবোলগা থুপ্তমখৈ ফমুঙদা হীপথৈ। নাকোঙসিদা ইমাগী ব্রাহৈশিংদো হঞ্জিন হঞ্জিন তাবকই - মখোযগী যূম্বান্দু হান্নদগী হৌনা নুপা নুপী থাজনবা খবা ব্রাৎনা যূম পানমিন্নমাল্লে, মচানুপাসু যাওদমাল্লে। নঙনা চল্লিবনি হাযনা চুমচৎ চৎলিবদো হোংদোকউকো।

নীংশীংলকই নোংমা ইমান্নবী ইবেমহল ইবানি ওজাগী মী ফমফম কাদা হীবম অমগী মবমদা কোক চীকপমখৈ কন্না নৈনবিঙৈদা তাখিবা খোঞ্জেলদো! অযাকপা খোঞ্জেলদো!

- হো বেমবেম নঙবু কৈদৌবিগে। এনশাংগসে খবা শেল্লো লাও।

- ইমা ঐদি ঙন্নবোই, এসাইনমেন্ট ইগদবা যাম্না ব্রাৎলি, ননাওদা খবা শেমহলবীবো ঙসিদি।

- হো এসাইনমেন্ট ইগে ইযু ইবোই তোকউ এনশাংসে শেল্লো লাও। নুপীনা লাইবিক যাম্না তন্নগা কৈকান্নদোইনো, মতম চানা নযূম নকৈ পাঞ্জখো। লাইবিক হৈবীকা ওইবীবনু পামজদ্রে, মীগী ইমুঙ-মনুঙ থুগাযকনবা।

- কবিনো ইমানা ঙাঙ্‌বীবীবা মযামদুবো, মীনা তাখ্রগা ইমাবু কর্বিনি হাযনা খন্দোইনো।

- তাগে তাসনু কৈনো, মথৌ লৈব্রো, ঐনা ইযূমদা ইচা ব্রাবকচববো।

- অদৈদি হুবেন পাবাগা অমুক লাউনবকউ, নখোযগী নচা ওইরুবা ঐখোযসে লাইবক যাম্না থীখ্রবনি। নখোযনিগী ঈশৌ মবক্তা লাইবিক তমদুনা মী ওইদৌ মান্দ্রে মথঙ চহীদগী মপান্দা তমজখ্রগে।

- চবেং চবেং যাম খুম্মক্কনুকো অঙাঙ নঙ, খোযদৌনা খোযদৌ শাউগৎপনে নঙোন্দা তাইনবক্তনা তোক্কনি।

ঐগী চল্লবা অমকপা লৈত্রবা থম্মোযসিনা নুমিত্তুগী ব্রাহৈশিংদো মীকূপমফাও খন্থুকদে। ঙসিগী ইমাগী ব্রাহৈশিংদুনা ঐবু মীকপ খঙথোক থোকহনবীবগুম তৌবকই। মথঙ মথঙ নীংশীংলকই ঐনা ওজাগী মনাক্তা ফল্লিঙৈ, ইমুঙদা তোযনা তোযনা

থোকখিবা অহৌবা কোল- লিক মখোল । নোংমসু ওজানা চানিংই পুবকউ হায়দুনা ঐনা হবাও হবাও যূমদগী হঙ্গাম পেবে পুদুনা চংপদা ওজাগী লোয়নবী ইনম্মনা হায়বকখিবা,

- হঙ্গাম পেবেবু কৈদৌনগনোদা, ঐবা চানিংদে, অঙাঙশিংসু চাবা হৈতে, নঙ ওজানা চাজবা হায়দুনি । হযেং মখৈদি পুবক্রসু য়ানি নঙ ব্রানবনি।

খল্লু খল্লুবগা ঙসিদি ঐ কপ্লীংবা ফাওবকই, ইশা ইথন্তা পেন্না চৈজবকই, অসুক চম্বা চমফুৎ, অসুক পঙবা অপঙ, নঙনা তম্লিবা নহৈদুদা ব্রাখল খম্বনবা মচাক যাওদববা ।

অদুবু ঐনা কনাদা কবি লানখ্রবগে ? ওজাদগী মহৈবোযশিংনা মহৈ তম্বদবু শেবান্নবা মীৎযেং কবম্না যেংলিবা । ঐনা হংখি খঙনীংবা কয়া ওজাগী মফমদা, তাকপিখি ওজানসু ঐনা খঙনীংবা কযা কযা, অবানবা ব্রাখল মীৎয়েৎ নোংমত্তসু, মীকূপ অমত্তসু যাওখিদে, ব্রাচোয অমত্তসু ঙাঙনখিদে । ওজা অমদি মহৈবোয়গী পনখৈ মনুঙদনি ওজাগা ঐগা লোযনখিবা । নোংমনা ক্লাসতা, নোংমনা ওজাগী লোযশঙ কাদা, নোংমনা সেমিনাব মফমদা, কবিগুম্বদা ওজাগী যূমদা অদুসু মবম লৈবা মতমদতা । হবাও কুম্মৈ মফমদা নত্তে, পার্কতসু নত্তে, লৈকোলদসু নত্তে, অমম্বা কাদা নৎত্রগা চীংযা তমযা অচীকপদা নত্তে । কবিগুম্বদা ইথন্তা, কবিগুম্বদা ইমান্নবীগা, অযুক্তা, নুংথিলদা, নুমিদাংব্রাইবমদা । অদুবু নুমিদাংদা, অহীংদদি নত্তেদনা । মসিদবু কবিগীনো ওজাগী লোয়নবীদুনা ঐবু অদুক লান্না উবীবিবা। খঙনীংবনা ঈখৌ লাংজবা মহৈবোই অমগী চম্লবা, শেংলবা, মক্তবা, তম্লিবা মহৈদুবু লাইনীং ওইজবা থম্মোযবু কবিগী মশক খঙবীদ্রিবা ? মথম্মোয পীক্লিববা নত্রগা ওজাবু নুংশিমনবদগী খম্বল্লীববা ? নৎত্রগা ওজাসি নুপীদা খবা চোপ্পা মীওইবা ? ঐনদি ওজাগী মবমদা ফত্তবা ব্রাফম অমত্তা তাখিবা লৈত্রি। হুং ঐগী ব্রাখলসি ওন্নবে, ইহৈ তম্বীবিবা ওজাদা ঐনা লান্না খল্লুববদি ইবাল লঙজবা থোক্লনি । ঐঙোন্দা নোংমত্তা শেবান্নবা মীৎয়েংনা যেংখিদ্রি, ওজা অমদি মহৈবোযগী মবীদা শোকপা যাবা অকাযবা ব্রাহৈ অমফাওবা হাযখিদ্রি, নৎতবা লীচৎতি লাযবদনা । অমবোমদা অমুক চহীদা য়েংলুববসু ইতোনগুম্বনি, ইপাগুম্বনি।

- নেনে ঐগী হাউবিদি কদায, নুংতিগী হল্লকপদা কৌবক্লগা ঙসিদি কৈদৌববা।

ইপ্বানুপাগী মচানুপা পিশক্তুনা ইনাক্তা চঙলক্লগা হাযবকপনি ।

- ইহে ইকাওবু কাউথোক্লুবে, সে সে সিদা লৈবেসে, সিননে চেচেদা পীযুকো। নুংতিগী মতৌগুম পম্বীনবা মখূৎ অনীদু থাঙ্গৎলকই। ঙাইহাক পম্বীবগা থেমদুনা থাদোকখ্রে ।

মায মীৎ তাথোক্তুনা ঐগী লাইৰীক পাফমদা চঙলে । অদুবু ইশাসে, শাওনীংবা পেন্দবা ফাওবকই, পূক্লিং চংশিনবা ঙমদে । খল্লি ইনেদা চৎলগা কবি কবি হাযবকপনো হংলুসিবা । কবিগুম্বা খবদি শোযদনা হায়বক্লমগনি নৎত্রবদি ইনেনা মদুগীদমক যূমদা লাক্লম্লোই, ঐখোয ইনেদু মবমচাদবা থবক্তদি থোইদোক্লা মায ওনশিন্দবনি। নৎত্রগা ঐবু লান্না উই হাযবীবা ইনম্মদুগী মফমদা চৎলগা ঐগী অচম্বা ৱাখলসে ফোঙদোক্লুসিবা ? কবিগুম্বা শাউনদুনা খৎন-চৈন থোক্লবদি তুংদা ৱাবীনফম ওইহৌবনি খন্না ইদোম থেমজিঙ্গে । ঐগী পম্বুং যৌদ্রিঙৈ ঐ নীংহন্নবা যাদে, পুম্নমক নোংদম্বগী চাংযেংনি, মায পাক্তবা যাদে, ঐনা চংশিল্লিবা লম্বীসিদা ঐ খাইদগী মতীক চাবী অমা শোযদনা ওইখিনি । মফম্না, মতম্না, মবম চানা উৎলক্লসনু ঐগী অশেংবা শক্তমসু । ঐনা কনামত্তবু লান্না লৌবোই, কনাবুসু ৱাবৌবোই । ওজাগী লমজীং খক কাউথোক্লোই । ইমাগী ৱাহে অমমমগী ৱাহন্দোক ঐনা শোযদনা লৈহনখিনি । কনাগীসু মবাল নত্তে, খুন্নাইসিগী কাযথবক্লবা ফিভম, মবী কোমথবক্লবা নুপা-নুপীগী লীপূন অমদি মনীং তম্নবকপদা পনখৈ লাম্থোক্লবা নুপা নুপী কযাগী পলহৈদ্রবা লীচৎ-শাজৎ কযা অসিনসু ওইবম্বসু যাই ঐবু লান্না উবিবা চীংনবিবদু পাউচেগী লামাযশিংদসু থেংনবিদনা কযা'মা । অদুবু ঐ মসিমদি চেৎনা থাজৈ অদুগুম্বা মশা মথন্তা শাফু কন্না পীজবিবা চৈনাদু ঐবু শকখঙলকপা মীকৃপ্তা মশাগী মীৎলূদগী তাবকপা নীংঙমদবগী পিবাংনা মথন্তা শোযদনা কোকহনখিনি ।

পল্লেপফম খঙদনা পাইবিবা অমুবা লৈচীলগী মপৈনা ঈংনা নীংথীজববী নোংদোন থাজবু ঙাইহাক খনজিঞ্জববু কবি কাযবগে ? মহৌশা ইমাগী শিম্থানি। লৈচীলগী ফিজং হাইদোক্তুনা তক-তক তশেং-তশেংলকখিনি পাক্লবা নোংমদোন অতিযা, থোক্লকখিনি থাজসু ঈংনা মেঙলবা মঙালগা লোযননা । মতমদু ফাওবদদি তেক্ত কাযদনা লৈখোকো ইমা। মতমদুদা ঙসি থীংঙমদনা ঈহৌবকখিবা ইমাগী মীৎলূ পিবাংসে তৈথোকচবা ঙমজগেকো ইমা । ❑

ঙাহিজমনবু ফংখিগদ্রা

ঙসিদি চীংখৈগী মমাদু মায়থোঙ মকা লাম্লপ তৌবদুনা পেবে অমা পাযবদুনা মখোযগী শুমাঙ মতোন্দা হৌবিবা কোবী পাম্বী অমদি মবোই নাক্লৃপ্লিদু ঈশিং চাইবি । মবোল শেংফাত্তবা ঈশৈ মতেক মতেকসু ঙংলি । ঐসু তৃমিন্না মাগী মতৌদো যেংলি । চীংখৈ মমানা মাযথোঙ মকা লাম্লক্তবা, ঈশৈগা ঙংলক্তবসি ফনা কুইবে ঐনা খঙবদা । খল্লি পূক্লিংদা ঙসিগী অহোঙবসে মতম কুইনা চৎলদি ফনিদা । কুইনা ব্রাজবল্লবী চীংখৈগী মমানি মাগী নুপা যুঙাওবদুগা লৈমিন্নবদা । হন্দক মবকসি মাগী নুপাদু যু ঙাওবগা লাউ-খোংবা, যূমগী পোৎচৈ থুগায যৈখাযবা, ফৈবেং তুবেং ঙাঙবা ইতা তাদে, মসিনসু ওইবম্বা যাই চীংখৈ মমানা মাযথোঙ মকা লামজবিবা, ঈশৈগা ঙংখৎলক্লিবা । যু থক্তবগী মবমদি ঐসু খঙদে, শেল লৈতবগীবা ? যু ফংদ্রববা নত্রগা মশানা ফৎত্রে খঙলক্কুনা থকত্রিববা ? অসুম থকখিদ্রবদি ফবনিদা ।

চীংখৈ মমা থাবল্লে ঐগী ইমান্নবীনি, লাইবিকসু তম্মিন্নবকই হৌজিক্লা লৈকাযগী ইনম্মা ওইববীনি । ওস্থোক্লা চুং-ফিবাল চানা, ফজবমখ্রবীনি, মশম্মে মনানে অমত্তা ব্রাত্তে, মশাসু সাইন্স গ্রেজুযেটনি, লনাই মহৈশঙ অমদা ওজা ওইবম্বনি। মাগী নুপানা তোকহনখিবনি । মপামসু অদুম লীংই, সনাও-লুপাও, কাইনেটিক ও অউনপোৎসু পংনোপ নোপখিবা নত্তে । মহাক লুহোংলকপদা মাগী তুংগী পুন্সিগী খল্লুবদা ঐ যাম্না ব্রাখি । মাগী মপূবোইবা ওইবিবা ঐখোয লৈকাযগী ইবুংদো হৌজিকপুদি ডবলকটি কাকম কাকম্বা মাল্লদনা মঙক চেংলি

চেংলি তৌববসু নহা ওইবিঙৈদদি মশক ইফ ফজবদনা, মফিগা ইনাল নাল্লদনা ওম্বোক্লা ফজবমগ্রবা। অদুবু মীনদি থাজবোই ওম্বোক্লা ব্রাযোং চাখিদ্রবা, য়ুদা অমুমুক শিনি নানি খঙদমখৈ লুপ্পা মীতানি । লুহোংদ্রিঙৈ লৈশা পাখঙ ওইবিঙৈ ঐনদি ইমান্নবীনি খন্না মাগী মবমদা যাম্না শেংনা হায়খিবনি অদুবু নুংশিনবদা মীৎ তাঙইকা হাযনবদুবা খঙদে, মনাদা হাপ্লীবা নত্তে, ফত্তেকা হায়কবা যাবা নত্তে। ঐনদি খনখি পেম্মা যেলহৌফবী তুংগী পোলোয যেংনসি হায়বদু মঙাইবে, পাম্বে লৈতে, মাদি ঙাওখি ঐগী লৈকায ইবুংদুদা । ঐঙোন্দা তোযনা হাযখি, ঐদি মাইবী শেল হুনবদা, খুবাক মযী যেংবদা, নুপা যুম্ফম য়াম্না ফত্তে, লুহোংদ্রিঙৈ মুন্না খলহৌ হায় । ঐঙোন্দা নুংশি হাযবকপা মযামসিদগী নখোয় তযাইনা মফবে, মবুক মপাউসু যাম্না ফৈ, মশাসু থবক তৌই, ইমুঙ-মনুঙসু পংনোপ নোপ্পা নত্তে, ঐনা লৈবদসু যাম্না নুংঙাইনি হাযনা ফনা মথ্বায় তাজখিবনি মতমদো মানদি । থিংলুবগা ইতীক ওইখিদে ।

মবাইবক্লা থীবিদি অহানবা ফংজবী মচানুপীদো পোলিওনা নাবদগী হৌগত্তুনা চৎপা ঙমদে, ফমশিৎ ফমশিৎ চৎলি, মশক্তি লাই মচাদৌনা ফজৈ, ওম্বোক্লা পাম্মৃগ্রে । মচা যাইমদুনা নুপানি । মৈ চঙদ্রিঙৈদা লৈখিদ্রে, চীংখৈনা অহুমসুবনি । চীংখৈগী মমাদু হৌজিক্তি পূগ্লোয লোইবে, পূমকোপ কোপ্লে, ব্রাচেৎ তংখায়দা মিহুন হুনবগা চপ মান্নবে, ওজা ওইদুনা শেল খবা খবা ফংজবম্বদুসু নুপীনা থবক তৌবা পামদে ঐ নুপানি, ঐনা থাক্কনি হাযদুনা লুহোংলকপা ইকুই কুইদনা অদুম তোকহনখ্রে । হৌজিক্তি মবল মথুমসু অমতা লৈশিল্লক্রে । মপামদগী যাওজবকপা মনাগী সনা, লীক, খুদোপ, খুজি পূম্নমক নোংম নোংমগী কায কাযদুনা চাবদা লোইশিনখ্রে । মনাদু সনানা লৈতেংবগী মহুত্তা ফকচেংনা লৈতেংবদা পকচবে, অবং অবাক পকখিদ্রে । মাগী ঙকশমদা লৈতেংজবম্বী সনাগী লীক্কুদি যু যোনবী অমগী ঙকশমগী লৈতেং ওইখ্রমান্নে, মাগী নুপাদু যুগীতা নত্তনা মতম খবদি যু যোনবীগী চান্নথোইবসু ওইখিমাল্লে । ওম্বোকপা য়ুম্বান হায়বদুনি, ইমুঙদুদা অক অহেন অমত্তা লৈবা য়াদবগুম তৌবি। ইমুঙদুদা লৈহৌবিবা হাযববু যোনবা যাদবা ফমুঙ কাংথোল, সোফা অতেকপা, মপূবোইবনা যু ঙাওবগা অকন অবেম শাবগী তেকশি অপৈবা, চৌক্রি অতেকপা, সনাবুল অকোপ্পা সি মঙাইবে । মাগী নুপানা তৌবম্বা থবক্তুসু মবা চেৎপা নত্তে। লৈঙাক লোযশঙগী থবক পূল্লপ লৌথোকপদা যাওখিবা কুইববনা শেল লাকফম লৈত্রে । শুনিংদবা তোনাঞ্জাও অদুদি যুগী খকংদা লুপ্পা, নুপী ওৎপতনা মথৌ ওইবক্লে, হান্নদগীনি হৌজিক্লা চাং হেনজিল্লকপগী ব্রানি ।

ওষ্থোকপগী য়ূম্বাল পুক্সিদনি থাবল্লেনা লেল্লিবা। চুম্নগী ইমুঙ-মনুঙগী চান-থক্লবা পুবদা নত্তনা মাগী নুপাগী যুথক-শেল, ঈশৈ-নোংমাইদা, শুমাঙ-কুম্মৈদা অফাওবা শাবগা থাকনবা শেল, খৈনি, তলব, জবদা চাবগী শেল পূন্নমক চীংখৈ মমানা হুল্লিবনি। খজিক্তং শোয়বদা, ব্রাৎপদা নুপানি ঙন্নবনি হাযদুনা ফু-চৈবী, চম্না ফূবা নত্তে, চৈফম তাখৈ ফূবীবিবনি। মকূবোক্তুনা হিংলিঙৈদদি খবা ফবন্বনি। হৌজিক্তি অহলদুসু লৈত্রবনিনা মাগী মনীংনি, শাগৈ অনকপসু লৈতে। চীংখৈ মমাগী মতৌ যেংবা ঙমদ্রদুনা লৈকায চঙলুববসু লৈকায় নোয়গী কবি নথৌ লৈ হাযদুনা ঈশিং লিত্তখৈ ঙাঙ্থবকই। থাবল্লেনা ঐ ওইবন্নবদি মপূবোইবা হাৎপী মিংথোল ফংলমগদবা মাল্লি। নোংমসুনি চীংখৈগী মিং চন্নবা হাযদুনা মমানা চেকহোনবা যাওজবগা তাঙ্গবা শেলদু মিং চনবীনি হাযদুনা পুখ্রগা মিংদি চনবিদনা লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈ, লম্বী থুংনবা হাযবগা লাওবগা লাকখি। পাম্বৈ লৈত্রবী চীংখৈ মমা মমায মমিৎ পোম্বমখৈ কপখি। নুংঙাইত্রদুনা মাগী মিংচলশেলদু ঐনা পীবদা ইকায ইকাযনা লৌখিবনি। অসিদসু নত্তে নিঙোল চাক্টৌবদা হাপ্লীবকপা ফনেক ময়েকনাইবা অহনবদু লোন্না যেপ্তুনা পুখ্রগা যুথকশেল ওইবা, চেংফুদগী চেং কোৎলগা যুগা ওন্নবা চীংখৈনা ঐঙোন্দা হেক হেক তম্মী। অদুবু ঐনা কবিদি তৌকনি, নুংঙাইতবা ফাওবা নত্তনা।

কাউঙন্নবোইদবা থৌদোক অমসু লৈখি। ফাইবেলগী মঙানি পানবা মহে লাইবেম্বী ইমাগী কুমজা ঈবাৎ থৌনিজবা নুমিৎনি। ইমাদা ঙমজবা হৈ-লৈ মৈবা মেক্রক, চে, খোর্জে, পেনশিল কৎচদুনা লৈকাযগী অমদি ইমুঙগী অঙাঙশিংগা লোযননা ঐনা লাৎচবিবা ইমাগী শক্তমদা চহী খূদিংগী মতৌগুম্না থৌনিজৈ। অঙাঙশিংদু লাইবিক হৈজগে, মীনম্বা ঙাংহনবীনু, ফত্তবা ব্রাখল খলহনবীনু, অবানবা তৌহনবীনু, মীথোই মীহেঞ্জগে, লমজীংবীযু হাযদুনা ইমাগী মফমদা নিজবগা খুকমহল্লি। চে, খোর্জে, পেনশিলদু মখোযদা যেম্থোকপিবগা কৎলিবা হৈ, লৈ ময়ামদু পূন্না চামিন্নে। চাবমদাইদা চীংখৈনা য়াম্না কিনা পেবি পেবি তৌবদুনা ঐঙোন্দা যেংখৎলগা হাযবকই।

- নেনে ঐদি লাইনা যাম্না শাউবনি, নেনেনা লাইবিক হৈজগে হায়না খুকম্মু হাযবদো ঐদি কাউথোক্লুবে, ঐখোয পাবা যু থকহনবীবনু, ঐখোয ইমাদা ফুহনবীনু হায়না নিথোকখ্রে।

থম্মোয়দা থুক লাউখি, খুমখি কবিগী শাউকনি, লাইদি অচূম্বা হাযববদি যাম্না হবাওবনি, পেনবীবনি ময়ামদগী নঙনা ইহেন হেন্না ইমা লাইবেম্বীনা চানবীবদবনি, নঙনা ইহেন হেন্না লাইবিক হৈবগদবনি, সে-সে চাথোক্লোসে

হায়দুনা থেম্বদা পেবম্বদো তোক্কুনা হবাও হবাও ময়ামগা পূন্না চামিন্নৈ । পীকখ্রবা নৌবিবা অঙাঙ অসিদা মপাগী মথোঙ হুক্কবা থবকশিংগী নুংঙাইতবা মমি তাবম্বসিদা ঐগী থম্মোয়দসু খাঙঙমদবা চৈনা অমা ফাওখি ।

চীংখৈগী মমানা খ্বাইদগী শাউবসি লৈবাক্কী অথীংবা খোঙজঙ লম্বী চৎথোক চৎশিন থীংবা, অসিনা মবোইবে মবমদি নুংতিগী থবক শুবগা চবা নোংখন্নবিবী যূম পুবিবী, মপূবোইবগী চৈফু, মীচৈ নাম্থোকচনবা মশাগী হুমাংমলনা মপূবোইবগী অপাম্বা শেল হুল্লিবী মাগুম্বী কযাদদি মসিগী চৈনা-চৈথেঙসে খাঙবা ঙম্বা নত্তে, লম্বী থীংবীবিবশিংনা খঙবীদ্রবসু । পোখাবা লৈতনা হোৎনজবীবী থাবল্লেনি, লৈকাযদগী, মবী মতাদগী লৌবিংশেল, লৌবোকশেল হান্না লৌশিল্লগা পূক্কী লাম্থেংনবসু যাওবি । ঙমদ ঙমদ্রবা, লৈত-লৈত্রবা মতাঙদা লৈকাযদগী চেং-ফৌ নৎত্রগা শেল পুথোক-পুশিন, লৌথোক-লৌশিন তৌজৈ। মপূবোইববুদি কনানসু নুংশিবা নত্তে অদুবু মাগী অমদি মচাশিংগী খল্লগা লৈকাযনসু মানা হাযজবা তাবী ।

ব্রানা থবক শুক নোম্লুবগা লৈজবা খবদু থোং থাক্কুনা চাজবগা নুংঙাইনা তূমদুনা পোখাজবা ফংবসু নত্তে । যুঙাওবা মপূবোইবনা অহীং তুমদমখৈ মোন্দ্রং শান্নগদৌবিবনি, নীংথি নুংঙাইনা তৌদ্রগনা ফুবীগদৌবিবনি । ইমুঙ-মনুঙ পুবগী থৌদাংদা নুপা অমা ওইবগী মথৌ মশক সুকখঙ খঙদ্রবসু মাগী পোখাফম থিবকপদা মাগী নুপীগী মফমদা নুপা অমগী থৌদাংদি সুক্কাউ কাউদে । মশানা যানিংদ্রবসু, যানিংলবসু চীংখৈ মমানা মাগী নুপাগী মনীং থুংহনবদি তাই, অপাম্বা পূম্বা পীবা তাই, ইমুঙ-ঈবাঙ হৌদনবা, মীচৈ তাদনবা, চৈফু ফংদনবা ।

যোৎপাক্লা তেক তেক তৌজবগা ইংখোল কোইজৈ, মতম মতমগী এনশাং-নাপী, মবোই-মপাঙ, হব্রাই- চেংব্রাই, আলু, খামেন থাজিঞ্জৈ । নোংফাদোক চীংখৈ মপানা মখোঙগা যানবীববা, ঈশিংগা চাইবীববদি চীংখৈ মমাগী হবাওজবীদা লোইবে । মী খ্বাইগী নুপাদৌনগা তৌববদি কযাম নুংঙাইজনি চীংখৈ মমা । ওম্থোকপা মবাইবক্লি ।

মচানুপীনা *ঐঙোন্দা হায - নেনে ঐদি ঐখোয পাবসে যাম্না পেন্দে ।* ইমানা মক লৌনবা থমজবা হঙ্গাম পেবে অচৌবশিংদো মানা প্রোক প্রোক থুদেক্লগা কোৎলগা খবা চাথোক, নুংথিলদা চমফুৎ ফুৎলগা খবা চাথোক লোইশিল্লক্লে, ইমানা নোংমৈগী থানবা থম্বা আলু চাবদুসু মানা য়ুগা মাবীনবা ঙৌবদা, তাউবদা লোইদৌবে । ঐদি ফিভমগা চাদবনে, য়াম্না শাউনিংঙে, কৈদৌঙৈ মী খ্বাইগী মপাদৌনা তৌবক্কদোইনো খঙদে । ঐখোয় ইমাসে যাম্না ব্রাবে নেনে।

ঐনা থেমজিল্লি - কৈসু খল্লুনুদা খবা লৈবগা মবাইনা ফজবক্কনি । পূক্লিংদদি খল্লি ফবক্কদৌদি মান্দে ।

অদুবু অঙকপা মতৌনি চীংখৈ মমা, মহাক্কী কবম্বা পূকচেলনো খঙদে, মপূবোইবনা মঙোন্দা সুক যাম্না, ওৎলিবা, নৈবিবা পূম্বা কনাদসু তমথোক্তে, কনাদসু ব্রাবী শাদোক্তে, অতাবা অউবা ঐখোয খবতনা খঙবগী ব্রানি । মাগী মপূবোইবগী মতাঙদা লৈকায মচে, মনেমশিংনা খজিক্তং ঙাঙলুববসু মানা হেক্তা কনখৎলি, মপূবোইববু কনানসু ফত্তে হাযহন্নীংদে । মহাক্কী মতৌসে ঐদি যাম্না শাউনিংই, কবিগী অসুক শোন্থনা লৈবিবনো ? মাগী নুপাসে কযামুক নুংশিবনো? নত্রগা কিদুনা তৌবীববা ? অখাঙকনবী নুপীগী পুন্সিনি, ফিদম্নফম ওইবীনি হায়নবা তৌবিববা ? লাইবিক লাইশুগী মঙালসু খবদি ফংলবনি । কবিগীনো মহাক্লা অশিবা মীদৌনা তৃমিন সুমাইনা খাঙলীবসিবো ? নুপীবু নুপাগী ওৎফল্লা, নৈফল্লা, পোত্থাফম ফংনবখক্কী লুহোংলিববা ? ইথন্তা প্রোক প্রোক চাক্লুনা মঙোন্দা হাযরুবসু হেক্তা খুন্নকই অসুম্না

- ইবেম্মা নঙনদি খঙদ্রিবা, ইব্রা ফত্তবা শিবা ঙাইবা, ইচা চাউবা ঙাইবা হাযবদুনি ঐগীসে । ইচাগী মপান চাগে হাযদুনা অব্রাবা কযা খাঙদুনা ঙাইবিবনি ঐসে ।

মাগী মতৌদুদা কবিমত্তা হাযরুবদি ঙমদে অদুবু পূক্লিংদদি খল্লি - থবক শুফম নোম্ফম খঙনদ্রবা, থবক ফংবদা ব্রাববা, পোৎকী মমলনা লেপ্লাইদনা ব্রাংখৎলক্লবা, অকুৎপদা লৈতৌবা, অতোঙবদা লৈথোনবা মতমসিদা চীংখৈগুম্বা নীংথিনা শেম্বীদ্রবা, মহৈ মশিং নীংথীনা তমহন্দ্রবা অঙাঙসিনা হযেং চাউবক্লগা মমাবু কয়াম নুংঙাইনা থম্বীবা ঙমগদৌবি । চীংখৈ মমানা মচা চাউবা ঙাইজবকপগী ঙাইজমনবু ফংখিগদ্রা ? □

চৈনাখোল

নুমিৎ চূপ্পা বস তোংলকপগী চোকথববা হকচাঙসে ঈকজথোক্লগা ঙাইহাক পোখ্বাগে খন্দুনা অৱাইবা কা অদুগী নাকন্দা তাবা ঈশিং তাফমদগী ঈশিং যাকবগা হল্লকপদা ঐখোযগী কাগা থংনবা কাগী থোংজিন্দগী কনাগুম্বা অমনা হংলকখি ।

- ইচেখোয হৌজিক থুংলববা ?

ঐনা খুমখি - অং ।

ৱাগা ৱাবনে যেংবু যেংলুদে, মখাসু তাকদে । মাদি অমুক মখা তাবকই।

- ইচেখোযগী কনা নাববগে ?

হন্দক্তি ঈশিং কোন্দু থম্লগা ইচে কৌবিবদুদা ওনশিল্লগা খুম্মী ।

- ইনাওনুপী নাবগীনি ।

শক্তমদু উকবদা ঐ শ্বাই লাউখি, মঙলা, তাইবঙলা মফম খঙলক্লে । তৌফম খঙদ্রদুনা ঐ চঙলগে হাযবল্লগা ঐখোযগী কাদা চঙলক্লে । ৱাখল ইতাও তাওনা ঈকজফম কাদা ঈকজবগা চাক থোংলে । ইনাওনুপীগা লাযেঙশঙদা চংমিন্নবে ডাক্তবদা যেংলে, হিদাক লৈবগা অমুক হল্লকমিন্নবে । চাক চামিন্নবগা ইনাওনুপীবু পোখ্বাহল্লে । মহাক ৱাদুনা তুমথখ্রবসু ঐদি পোখ্বাফম খঙদ্রি । ঙসাই ঐঙোন্দা কৌবকপদু কনানো খঙনীংবনা লাংতক্লবি । অদুবু মাগী কাদি থোঙ লোল্লি । থংনবা কাদা লৈবা চীংমী তাদা অদুদগী মহাক থাঙ থাফমদা মখোযগী অনাবা থাঙ থাবগী চংখি হায়বা খঙলকখি । নুমিদাংদুদা ঐখোয়গী কাগী শাংতক তৌবা

মাঙ্গোলদুদা ফমদুনা ইনৌ নৌনা খঙনবা ঐখোয ব্রাবী ব্রাতায ঙাইহাক তৌনবিঙৈ মহাকসু লাক্কুনা ঐখোযগী ইবক্তা ফল্লবে । ফাগী পুবা চীংমী তাদদুনা ফাগী জোগাই তৌদুনা ঐখোয ঙাইহাক নোকমিন্নবগা ঐখোয ঐখোয়গী কাদা তৃম্বা চঙনবে । ঐদি মীৎ উইশিল্লু য়াদ্রে । কুইনা ফাওখিদ্রবা মৈশা অমা ফাওবকই, নীংশীংলকই তামখ্রবা শক্তম অমা .

কলেজগী পুন্সিনি, পি. যু সি. অনীসুবা চহীদা তল্লিঙৈ নোংমা থেংনখি কনাগুম্বা অমা, ঐঙোন্দগী মহৈগী থাক অনী হেল্লি মহাক্না । মাগী নুংশিবগী ঈথক-ঈবৈ অমনা ঐবু অমুক অমুক ঈবাক্লহনগে তৌই । লাইবিক ফাক্তোক্লুবদা মাগী মোমোন্নবা শক্তমদু ইমাঙদা হেক্তা থোক্লকই । ইথন্তা পূক্লিং ফাথনবা কন্না হোংনৈ। ঐখোয পাবগী চেকশীন ব্রাহৈ- "নহৈ নশিং তল্লিঙৈদা ইবাং ফলাং তৌবক্লবদি লাইবিক তম্বা তোক্লে খঙঙু ।" ব্রাহৈশিংসিনা ঐবু লাইবিক্রোমদা হেক হেক মায ওনশিলহল্লি । নুংশি মঙলান্দা মঙলাক্লগে তৌবদগী ঐবু ব্রাহৈশিংসিনা হেক হেক হৌদোকই । নৎত্রবদি মঙাও থীবমগনি ঐসে ।

নোংমা ফাদোক ইবানি ব্রাবী ব্রাতাই তৌনৈ । মপূং ওইবদি লাইবিক লাইশুগী মতাঙনি । মমি কুম্মৈ যেংলুসি, কোইবা চৎলুসি মানদি হৌবকই । চৎনীংবা যেংনীংবদি থম্মোযদা ফাওই ইনখৎলকপা মতম্লিনা, অদুবু ঐ চৎখিদে। ঐগী লাইবিক তম্বদা অকাযবা পিবক্নু হায, মাসু থোইনা যেৎলক্তে । ঐগী গ্রেজুযেট লোইদ্রিফাওবদি ঐবু নুংশি নুংওনগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনহনবীগনু হাযবসিদি হাযখি মফমদা। থা মবী মঙাবোম উনখিদে, ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদে। থোইনা খল্লুদে, থোইনা নুংঙাইতবসু ফাওকদে, ঐগী তৌগদবা ইথৌদা অদুম মায ওনশিল্লি ।

নোংমা ইথা থাজদনা ঐগী মিংদা মহাক্কী খুৎই চেবোল অমা থাবকখি। তেন্তক্লা ইবম্মী .

- নহাক লাইবিক লাইশু নীংথীনা তমদুনা মতীক চাবা মী অমা ওইবকউ। ঐদি ঙসিদগী পুন্সিগী অনৌবা খোঙথাঙ অমা থাংলগে চপ যুংনা লেপ্লে। ঐনা মতম খবা নঙগী লাইবিক লাইশু তম্বদা চবাঙনহনখিবদো ঐ হৌজিক্তি য়াম্না নীংঙল্লক্লে । নঙগী গ্রেজুযেট লোইবা ঙাইবদা ব্রানা খাঙজখিবদো ঙসিদি মদুগী কান্নবা অমুক লৈববোই । থম্মোয শোক্লবা যৌদোক অমনা ঐগী ব্রাখল পূমহোঙ হোংহনখ্রে । ঐনা ইমা লৈবাক্কীদমক থাংলিবা খোঙথাঙ অসিদা ঐবু পোকমিন্নবা নবুংমক্লি খন্না যাইফ থৌনিবকউ । চৎলমদাইদা অমুক্তং নঙগা উন্ননীংখিবনি অদুবু উন্নবমদনা চৎলে । নহাক ঐবু ব্রাবৌগনু ।

মমাঙদা অমুক্তা ফাওখিদ্রিবা নুংঙাইতবা চৈনা অমা ফাওবকখি, ব্রাখলসে চবাংনবকই, মফাং মফাংলকই। চহী অমবোমগী তুংনি ঐনা বি. এস সি অবোয়বা চহীগী চাংযেংগীদমক কন্না হোৎনবিঙে মহাক্তো যেক্রবগী খুত্তা তাদুনা মীওৎ মীনৈ খাঙ্ঙমদা শকফম হেক কাযবমখৈ অবোয়বা য়াহিপ তানখি। ঐ যাম্না ব্রাখি, ঐ য়াম্না পেনখিদে, মাবু অসুম নুংশিবকখি, ইনাক্তা যাম্না লাকহন্নীংখি। অদুবু কবি পাম্বে লৈবি, মাদি চৎখ্রে অমুক হল্লক্লবোইদবা লম্বীদুদা ইফমদগী নীংবা অমত্তা থুংদনা, ইমা লৈবাক্কী থৌদাংসু মতোন লোমদনা।

মহাক্না লৈখিদ্রবা তুংদা ঐগী থম্মোযদা হাযফম খঙদবা চৈনা অমা ফাওবকখি। নুংশিবা খঙলমদবা ঐগী থম্মোয়না নুংশিবা মশক খঙলকখি, মাগী নুংশিবনা ঐগী থম্মোযবুসু খুদূম চনশিনখি। ঐগী নুংশিবা, ঐগী থব্রায হকচাঙ ইফমদগী নীংবা থুংখিদ্রবা তামখ্রবা মহাক অদুগী ওইখ্রসনু, ঐবু তাযোন্নবী ওইনা পূম্নমক্না লৌবসনু খন্না লেল্লিবা পুন্সিনি।

ঙসি ঐনা থেংনবিবা মহাক্তো অদুঙৈগী মহাক্তুগা ওম্বোক্না মান্নখ্রে, ব্রাঙাঙ-শাঙাং, শকওং-শক্তম, মীনোক-মীৎযেং কবিমতা খেন্নদে। খেন্নবিবা হাযববু অশিবগা অচঙবগা তাম্নবিবদুনি। অমবোমদা মহাক অদুদি ইথক্কী অহলনি অদুগা শক মান্নবা অসিনা ইখাগী অঙাঙনি। মান্নমনবনা অমুক থল্লুই-মহাকপু হীংলিববা? হূম, মহাক তশেংনা শিখ্রে মাগী হকচাঙ মৈ থাদুনা পোৎলোযখ্রে, ঐসু পোৎলোযবা যাওখি। তূমদনা নোংঙানখ্রবা অহীংদো অসুম্না হৌখি।

ইনাওনুপীগী থাঙ থাবা লোইববা মতুঙদা হান্নগী অব্রাযবা কাদদা হল্লকপা নুমিৎনি। নুমিৎ মঙানি লৈবগা ডাক্তবদা লাক্লবা ইবকপনা হঙ্গৎ-হন্দা চত্তনবা মঙা তকক্লি লৈথবা তাখি। নোংমা শক মান্নবা অঙাঙদুনা ঐখোযগী কাদা লাকখি অদুগা হাযবকখি।

- ইচে ঐখোয যূমদা চৎপা তাবে, নোংমা ইচেখোযগী যূমদা লাক্কে হাযদুনা লৈফম হংলগা চৎখ্রে। মহাক চৎখ্রবা তুংদা ঐগী থম্মোযদা কবিনোমা ব্রাৎপগুম, ইহাঙ হাঙবগুম তৌবকখি। মমাঙ্ঙৈগী মিংশেল যেংনীংদবা, ফীবোল হোংনীংদবগী হৈনবীদু অমুক লাক্কে তৌই। ইথক্তা নোক্লীংবসু ফাওবকই, কপ্লীংবসু ফাওবকই। থোংলিবা চাক্তু মোন্দ্রংদা থোংই, এনশাং থাউ ঙৌবদা মৈ হৌবমগদবা শম্নাদা লিংলি। খংপ্রেক খঙনা লাওই। মবম খঙদবী ইনাওনুপীদি মফম মবাঙ খঙদনা পংনোক্তা নোকই। কুইনা ফাওখিদ্রবা মৈশা অমা থম্মোযনুংদা খঙহৌদনা ফাওবকপগুম তৌই।

যূমদা হল্লক্লমদাই মীকৃপ্তু যৌশিল্লকপদা পূক্লিংদা নুংঙাইতবা অমমুক পোক্লকই। লোন তিন্নদবা, শক-চু খেন্নবা লমদম কযাদগী লাযেঙবা লাকপা অনাবশিং, মখোযগা লোযনবকপা ইচীন-ইনাওশিং, মবুক-মপাউ ফববা ডাক্তবশিং, নর্সশিং পূম্নমক অমুক কাযনবগনি খল্লুবদা পূক্লিং ইনুঙ নুংশিবকই। নীংশীংলকই মিজোবামদগী মমৌনুপী লাযেংবা লাকপা মীতৈ যাম্না মানবা ঐনা অঙ্কল কৌবা অহল অমনা হাযবম্বা ৱাহৈ,

-"ইচানুপী লাই হাযবসি অমত্তনি, ঐখোয মীওইবসু অমত্তনি, খেন্নবা লৈতে, মীওইবনা মীওইববু নুংশিবা ঙম্নবা মিনুংশিগী থম্মোয অমা ঐখোয মীওইবদা তাইবঙ শেম্বা লাই মহাক্লা খূদোল তৌবীবকই । অদুনা মীওইবনা মীওইববু নুংশিগদবনি । মদুগী নুংশিবদু মাঙখ্রবা মীকুপ্তনি মালেম ইমানা মৈশা হেক হেক লাংলিবসে।" অহলদুগী ৱাহৈশিংদো ঙসিগী চৎলমদাইগী মীকৃপসিদা যাম্না মযেক শেংলকই। উনীংলকই, নীংশীংলকই শক্তম কয়া অদুবু পূম্নমক অবেম্বা ওইখ্রে ।

শেল চাউনা চাউনা থাদদুনা শেম্নবসু ফবদি সুকলৈ লৈত্রবা ঐখোয লৈবাক্কী লম্বী অচৌবদুদা লেপ্লা লৈতনা থৌবক্লিবা বস অদুনা ঐগী ৱাখল পূমচায চাইহনবমখৈ ওৎলি । যূম য়ৌবা ঙাইবি, যূমদি শোইদনা যৌবনি অদুবু অবোযবা খোঙচত্তা চৎখ্রবা মহাক্তুদি অমুক হন্না লাক্লবোইদো ইনাক্তা । থম্মোযদা ফংহৌবিবা চৈনাখোল অসি নত্তনা ঐগী পূম্নমকসু মাঙখ্রেকো । ❑

ইচেবু বি. পি. লৈরনে

মীওইপোকসিদা পোক্লীবা খুদিংমক্লা মানা মানা পামজবা লম্বীদা, মনীং তম্না ঙাওজৈ, নুংঙাইজৈ, পেঞ্জে । মশা মশাগী শিনফমগী পনখে ৱাংমা লানবা মীওই কযাসু লৈ অদুগা মশা মশাগী শিনফমগী পনখেনুংদা লৈমনখিবনা মী তিন্নবা যাদবা, নাইতোম তাবা মীসু অদুম লৈ । মযামসিগী মবক্তা মীওইবগী পুন্সি হাযবসে ফনদুম নুংঙাই, ফনদুম নুংশি, অহল ওইশিল্লক্কনি, তাইবঙপানসে থাদোক্লমগনি খল্লুবদা ওন্থোক্লা পাম্মূজৈ । ব্রহ্মামক্লা কল্লকপা মীওইপোক্পি হাযনবিদনা । ঐদি মীওইবা মপোকসে হঞ্জিন হঞ্জিন পোক্লীংই, সুকশী শীনিংদে, ফনা নুংঙাই তাইবঙ কুম্মে কযাসে । অঙাঙ ওইবিঙৈদা নীংবা থুংদবা অমদগী ইথন্তা থৌবী যাল্লগা শিজবগে তৌকবদো অসুম খল্লুবগা মিপাইবকই । মদুদা শিবল্লবদি অসুক নুংঙাইখ্রবা তাইবঙ কুম্মে মযামসে থেংনবল্লোইকো ।

নোংমা লম্বী অচৌবদনি, লম্বী থংলগা অচৎ - অওক্তগী শেল খাযবী নৎত্রগা শেল নিবী হাযগদ্রা হেক হেক তৌনবীদু তৌবম্মী । কবিগীনো খঙদে, লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ৱাফমদা, থৌদোক ৱাথোক্তা তেঙবাঙনবা তৌবদি তৌবনি, মবম চাই চাদে খঙদে, মীনা পীনিংনি, পীনিংলোই খঙদে, শেল যাওবম্নি, যাওবল্লোই খঙদে খবদি হকমল্লবনি চীনখ্রবা লম্বীসিদা । ঐবুসু মপা চানা খাল্লকই, খামগে হায়না তপথবকপদা ঐগী ওইবোমদগী অঙাঙ অমনা ঐগী মাঙলোমদা মাগী বেসপাদু খামদনা থৌখিনবা হোৎনবকই । মাগী বেসপাদুনা ফৈনা লৌশিল্লক্কুনা ইবানি তুমিন্নে । শিবা যাম্না পাম্মূজবী ঐসে শিবমগদবা খজিক্তং

ব্রাৎলি । খ্বাংনা চেপ্পা তাবগা ফৈনা শিংলি । লম্বী মযাযগী পল্লি অচৌবা, অকনবদুনা কোক্তা থৌগল তৌবীবমগদবদু খ্বাংনা কনবিদুনা শিদি শিহৌদ্রে, শম্মাদা লীৎহৌবে ।

পাখৎপোই, কবিবোই লৌশিং মাঙবোই, মাঙদবোই তৌদুনা মীৎসে খূৎনা খুমজিল্লগা লৈবিঙৈ মযাম হোৎচিন্নবকই, শোকপ্রা শোক্তব্রা হংনবকই । মীৎ পাঙথোক্লকপদা ফৈনা ঙংনা তাদুনা লৈবিবা ঐগী কাইনেটিক্তু কনা কনানো খবনা হৌগৎখিবা উই । মবাল লৈজদ্রবা নাকনগী মিংশেলদু কাযদুনা লৈমাযদা মচেৎ মচেৎ ওইনা তাবি । ইশাদা চৈনা ফাওবকই খ্বাংদা, খুনীংদা, যাংলেন্দা । খুদোম্বীসু তত্তুনা ঈ থোক্লম্মী । থব্রাযনা পামজনা লৈখিবা, ইঞ্জবা কুইদ্রিবা মোইবাং ফিজিন চনবা, ইন্নফি অহনবদুসু ঐনা শিংপদুদা শকক যাকবমাল্লে মচেৎ মচেৎ তৎলম্মী।

খঙহৌদনা থোকখিবা খূদোংথীবা অদুদা ইশাসে হাযফম তৌফম খঙদনা হকচাঙদা চৈনা ফাওনা লৈবিঙৈদা কদোমদগীনো খঙদে পুলিসকী ফিজোল শেৎপা খূৎলায পাযবা ইচীন-ইনাও খবা জীপসিদগী ফন ফন চোংথবক্লগা ঐখোযবোমদা চঙশিল্লকপা উই । শাউনিংবনে, নাবনে ঐনা খোঞ্জেল কল্লপ লাওই,

- অসুক চীনখ্রবা লম্বীসিদা কনাগী অযাবা লৌবগা তেঙবাঙ শেল নিবিবনো, অশি-অনা, অশোক-অপন যাওববদি কনানা থৌদাং লৌদোইনো।

মতমদুদা পুলিসকী ফিজোল শেৎপা ইচিন-ইনাও অমনা চংশিল্লগা হাযবকই।

-খবা থুনা মফমসিদগী চংখ্রো নৎত্রবদি কাইনেটিকসিসু, নশাসু পুলিসতা পুবনি।

মবম চাদ্রবা মাগী কন্থা কনলেংনবা ব্রাঙাঙদুদা ঐনা শাওনীংনা খুমই -

-কবিগীনো, নখোযনা অশোকপা ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লকইনা, ঐনা কবি লানখ্রগে ? খূদোংথীবা তাববা শোক্লবা মীওই অমদবু কবি ব্রাঙাঙ-শাঙাংনো অদুবো । ঐ চংখিবোই, কদোমদা চত্তোইনো খঙদ্রি, মিহুন তপথদ্রি, ফি-শেগাযবি, হকচাঙদা ঈ-থোক্লা শোক্লি, লাযেঙশঙদবা, যূমদবা, মহৈশঙদবা, ঐ মফম খঙদ্রি ।

লাকমিন্নবা অতোপ্পা ফীজেৎ মান্নবা ইচিন-ইনাও অমনা লৈবাক মচা তানা হায়বকই,

- ইচে কৌগদ্রা, ইতৈমা কৌগদ্রা শাওবীনু, থেংজিন্নবিবা নুপামচা অমসে মখোঙদা যাম্না শাথীনা শোক্লে, মাগী বেসপাসিসু যাম্না শোক্লে, লম্বীদা সুমাইনা

তেঙবাঙ শেল লৌবা হাযগদ্রা মসি যাম্না ফত্তে, হৌজিক্তি মখোযসু লোইনা চেন্নখ্রববা খঙদ্রে, অমত্তা উদ্রে। লাযেঙশঙদা চৎনবা তৌসিবা!

শাউনীংবগী পৎঙাঙ ঙাঙলুববসু কবি পাম্বেদি লৈবি, অশোকপা কাইনেটিক অমদি হকচাঙসে ইবন্নাইনি, অদুম হনবা তাবনি। মতাঙসিদা ঐখোয লৈকাযগী নিপামচা অমা ওটোদগী কুমথবক্লগা ইনাক্তা চংশিল্লকই। মঙোন্দা কাইনেটিক্কু থৌহল্লগা মীযামগী লাযেঙশঙদা চৎলে। খবা কোপ্পা, মিংশেল কাযবা যাওববসু থৌবা যাবিবদুদি যাম্না ফববনি খল্লি।

কেজুযেলটি থোঙ থিংলম্মী, ঙবাং অনাবগী কাঙবুগা ডাক্তবগা খৎনখি হায। অসিগুম্বা পাউসিদি অনৌবা নত্তে। পাউচেগী মথেল অমা ওইবক্লীবা কুইববনি। ডাক্তবগী মবাল্লা ? অনাবগী মবাল্লা ? মী যাম্লকপনবা, শিনফম্ন ইকায খুম্নবা ঙাক্লদবগীবা মবমদি অদুম লৈনবমগনি। থোকহন্নীংদ্রবসু হেক্তা থোক্লকই অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকসে। থোক্তনবা খন্থমিন্নবা চঙই। ও পি ডি হাংলম্মী, টিকেট কক্লগা ঐগী মিং কৌবকপা ঙাইবি। অনাবগী অনাবা ঙাক্তা ঐদৌনা মমিং কৌবা ঙাইনবম্মী। উদগী তাবনি হায পাখঙমচা অমদি ওম্বোক্লা ৱানা নাহেদুনা খাঙলি, ফিভমদুগী হাযকববদি মহাক যাম্না থুনা যেংবীফম থোক্লবনি। মহাকপু উকববদগী ঐগী অশোকপসিদি কবিসু নত্তে খল্লকই।

পূং অমবোম ফানিংচিৎ ঙাইববা তুংদা ঐবুসু কৌশিল্লকই। নহা ওইবিবা ডাক্তব অনী অহুম লৈবম্মী। কবি নুংঙাইতবনো হংলকই ঐঙোন্দা, ঐগী কমাল অঙৌবদুনা ঈ-ইতৈ তৈনা খুনিংদা যেৎলিবদো উব্রা, উদব্রা খঙদে। ঐনা খুম্মী বেসপা অমগা থেংজিন্নকবে। অশোকপা অনাবগাদু মখূৎনা পাযবগফাও যেংবীদে, নর্স অমনা অশোকপদু বেটাডিন মহীনা জোবো জোবো চামথোক্লগা যেৎশিনবীবকই, ঐনা যেৎচবনবু হেন্না মওঙ তানি। ডাক্তবদুনা ঐগী চেদুদা কবি কবিনো খবা ইবি। হাযফেৎ যেংলুবদা ঐগী বি পি দু ১২০/৮০ হাযনা ইবি। ঐনা ইঙক ঙক্লা হংখি

-ডাক্তববু কবিনা ঐগী বি পি যেংবীখিবগে, কবন্থা মতমদা কবম্না যেংলীবনো, খুৎলাই থাদ্রবসু খঙব্রা ঐগী বি পি সিবো ? নখোয় কনামত্তনা ঐগী বি. পি যেংখিদেনা।

হঙ্গৎনা যেংখৎলগা খুন্নকই।

-ইচেবু হান্না বি পি লৈব্রনে ? লৈবম্মোইদা, বি পি. দি চহী নিফুগী মথক্তা লৈগনবনি, ইচেদি চহী নিফু সুদ্রি, কুম্থা নিপালনি চেদা ইবিবসে, ইচেদি

চহী নৌবিবনিনা বি. পি কবিসু কাযবল্লোই হাযদুনা চাং চাবী (নোর্মেল) ওইনা হেক্তা ইশিল্লবনি। অনাবনগা যান্নবনে, ৱাবনসু লোইবেদা।

মখা তাকুদ্রে, হান্নদগী খবা শাউনীং শাউনীং লাকপনে মাগী মখৃত্তগী চেদু থুনা লৌবগা তংখায তানা শেগাযবগা মাগী টেবলদুদা থনল্লগা হাযবল্মী

- খৃৎলাই যাওদনা বি. পি যেংবা হৈবা নঙনা ইবা হিদাকসে ঐ চাবা কিবে। চেসি লৌজহৌবো।

অতোপ্পা ডাক্তব অমা অনীদুনা ঐবু অমুক্তা ঙাইবীখো হাযদুনা খামহৌই, ঐ অদুম থোক্লক্লে। নীংশীংলকই ইকূই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইপ্পানুপাগী লাযেংবদা কে জি যাঙ্খ্রৈ মবী লূম্বা ইপ্পানুপাদু কে জি হুম্ফু লূম্মী হাযবকপদা চিংনদুনা লনাই লাযেঙশঙ অমদা যেংবদা কে জি যাঙ্খৈ মবীতমক লুম্লম্বদো। সুপ্পতগী পুংখায অমগী মতমদনি কান্নবিবা, কবিমত্তা চা থকপা নত্তে, কে জি তব্ধক কবল্লা খেন্নবিবা, অব্ধম্বা ওন্নবা খূৎলাইদুনা ফাগী শান্নবিববা ? অকবা অনাবদদি মদু শোযদনা অকাযবা লৈগনি, খবা চেকশিনবীবদি ফবনি।

অসুম থোক্লকপদা ও পি. ডি. দগী মখাবোমদা হাইবকপদা মফী মবোল যাম্না নানবা, চাউবাক্লা চহী নিফুমুক্কী লেঙ্গা ওইগদবা নিপা অনীখক চৎলম্মী। যেংবদা যাম্না মওঙ তাই, মশা নাল্লি, ফিজেৎ নাল্লি, খোংউপসু মি তাবমখে নাল্লি। হেক যেংবদা থাক যাম্না ৱাংবা মীওই ওইবমদৌ মাল্লি। মখোয অনীগী মনুঙদগী অমনা মানা থক্লকপা চুকট মতেক্তু লৈমাযদা ফৎ থাদৈ। যাম্না নক্লা নাকন্দা লৈবিবা অমোৎ অকায হাপ্পবা থল্লিবা উপুদুনা কবিগুম্নদা তাইবঙ মীবোল থোক্লম্লবদি ঐ সিদা লৈবে শোযদনা হাযবক্কনি। ঐসু হাযনীংখি, - মসি লাযেঙশঙনি, ফত্তবা থাদফম উপু সিদা লৈবে হাযনা। অদুবু মফম, মতম, মবম চাদ্রমাল্লে খন্না চীনবান ৱাংমদি লানখিদ্রে।

লাযেঙশঙদুদগী থোক্লক্লগা লনাই লাযেঙশঙ অমদা এক্স-বে লৌদুনা, হীদাক কাপ্পুনা ঐ লাযেঙলে, ফবে। অদুবু হেক্তমক নীংশীংলকই - ইচেবু বি পি লৈরনে ? অতৈদসু ঐঙোন্দা লাযেঙলিবা অদুগুম্না যেংলিগদ্রা যেংলিবোইদ্রা খঙদ্রে, ডাক্তব মশাদুনা খঙগদৌবতা মঙাইবে। অদুবু ৱাহৈসি লাযেঙলিবা কনামত্তদা অমুক হন্না হাযদবা ওইসনু। ❑

থম্মোয়গী ব্রাকৎ

নুমিদাংব্রাইবম্লি, ঈপল ইবোহলখোযগী থোঙ্গালদগী অহল অনী ব্রাবী শানদুনা থোবকই

- ইনাওতোম্বা । ইতাও ইবোহলসে মপোক অমা পোক্লবা হাযদুনি, মাবু অসুম্মাইনা হিংলক্কনি হাযবা কনানা থাজনবগে ' ডাক্তবকাসে হৈতে হাযবকা যাপোত্তেকো ।

- তাযাইমা চুম্মী ডাক্তবসে হৈতে, খঙদেগা হাযরু যাবা নত্তে । অদুগা ডাক্তবগী ব্রা-ঙাক্তসু নৎত্রি । মাগী মচা-মমৌশিংসিসু ওন্থোক্লা ফখ্রেদা, ব্রাঙাঙ-শাঙাংনা ফজবিবা, থৌগল্লোন্না খঙলিবা, অহলগা লুনা তৌবিবা, অমবোমদা ইবোহলসে যাম্না মবাইবক ফববনি ।

- অশেংবনি তোম্বা মানা চহী নৌনা পাখ্রা ওইনা চাবা মচেৎ, তৃম্বা মচেং মচা অনীসে বানা যোকচবকপগী মহৈদু ঙসিদি ফজনা ফংলেদো । মচাসু মতীক চায, মমৌশিংসু লোইনা মতীক চায, মশক মতৌসু অমত্তা ব্রাত্তে, মহৈ-মশিংসু লোইনা হৈ । মখোযনা নীংথীনা চেকশিন্না লাযেঙবীবদগী, লুনা তৌবীবদগী ইবোহলসে ঙসিগী ফিভমসি যৌবক্লিবনি ।

- মানি মানি তাযাইমা ঐখোযগী ইমুঙদা থোকপা ওইববদি নহান্না শিবনি, মিং ফাওবা কাউনবনি ।

- অদুবু মানা ব্রা ঙাঙথোকপা ঙমদবা অসিদংদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রেদা।

- চুম্মী, ইনাওতোম্বা, নঙনা হাযবসু হায়বনি, মদুমদি নুংঙাইতেহে, হায়নীংবা কয়া হায়নীং হায়নীং হায়বা ঙমদদুনা মপী ঈবা চেনবদো থম্মোয কায়দৌই ।

- অদুবুদি মচা মমৌনা মপান লমদা পুবগা লাযেঙনি হাযবীবনিনা মবাইনা ফজবক্কনিদা । ঐখোযনা নুংঙাইত্রিবসিদগী মখোয়না শব্দক চামা হেন্না নুংঙাইবল্লোই ।

- হোয হোয লাইগী নোংদম লৈববদি ফবকপসু যাইদা ।

ঈপল ইবোহল টাটানা থেংজিনবীবম্বদগী যাম্না থীনা শোকখি । চহী তবামবি তবামঙাবোম অসি ফমুঙগা লেংদ্রবা খোঙল্লোয ওইকববনি । ঙসিদি শকউদবগী নোংদমখোলনে, মচা-মমৌশিংনা থৱায যাওনা লাযেঙবীবনে, হৌগৎ-কাংখৎপা খবা খবা ঙমজবে । চৈশু পাযদুনা ঙাহৌ ঙাহৌ চৎপা ঙম্লক্লে । ফিভমসি তবাই তবাই ওইবকখিবা নত্তে, মচা মমৌশিংনা মাবু লাযেঙলকপা অবাযবা নত্তে, মপান লমদা কযাবক হন্না পুকববনি । মমৌ অনীদুনা মবোল অমা লাইগা নীংজখিবা অঙকপনি, মকুবোক্কীদমক্তা লাইফম খুদিং চত্তুনা খুকমজে, মপি হেক তাবমখৈ থৌনিজৈ, হেক পোকপীবা মপাদগী হেল্লি মখোযনা মকুবোকপু লুনা তৌবিবা । লৈকাযনা হাযনৈ ইবোহলসে মবাইবক ফৈ, শিববসু যাবে, মচা মমৌশিংনা ওম্থোক্লা লুনা তৌখ্রে । তম্বদা থোকপা নত্তে । অসুম্মাইনা নুংঙাইনা থম্বীদৌ লৈবদি ঐখোযদি চহী কয়ানো নাবিগে হায়বিনি ।

তপ্না তপ্না ঈপল ইবোহলগী হকচাঙ খবা খবা ফগৎলক্লে । মচানা, মমৌনা চাক ইল্লগা ফমুঙদা হীপ্না হীপ্না চাবম্বদগী মোবাদা ফন্নগা ফমাঙদা ফমদুনা চাক চাবা ঙম্লক্লে । ইমুঙ-মাঙ্গোন্দা, শুমাঙ-থেল্লোংদা, মচা, মশুশিংনা শেন্নবগা চৈশু পাযদুনা চৎপা ঙম্লে । কুইববগী তুংসিদা ঈপল ইবোহল ঙসিদি চাকশঙদা চাক চাবা চঙলক্লি । যুমদুদা থুংলবা অনৌবা মীনৌ অমগুম ইঙক ঙক্লা ঈপল ইবোহলনা চাকশঙদো কোযযেং যেংই । অদুঙৈগী লৈকাঙ চুববা নুংশিববা মাগী চাকশঙ মচাদু লৈবমদ্রে । মৈখূ চেনবা মুশি মুশি ঙানবা থাউমৈ পোদোনগী নাপু মচুগী মৈঙালদুসু উখিদ্রে । মানা অমুক্তা উদ্রিবা, মশক মমিং খঙদবা মমল যাম্লবা পোৎচৈ কযানা লৈতেংলবা চাকশঙদুদা ইলেকট্রিক্কী মৈঙালনা পূমঙাল ঙাল্লি । নাল্লবা ফাল অৱাংবা অমগী মথক্তা মাগী চাক্লুক্তো লৈবি । মথেল লুকোয কযাসু ইকোয কোযনা লৈবি । ঈপল ইবোহলদু কবিগুম্বা অমা থিবগুম কোযনা লৈনা যেংই । উবা ফংদ্রবদুদা মপী ঈবা চেন্না থম্মোয নুংহীক্লবকই । মানা যেংলীবদু অতৈ কবিসু নত্তে ইমোইনু অহোঙ অচাওবী ইবেম্বৌগী খুভম ফুঙ্গা লাইকদুনি ।

মাগী পুন্সি খোঙলোয ওইবগী নুংশিজববী তথোৎলৈনা নুংতিগী মেক্রুক মৈবা কৎচদুনা, অথোঙবা চাক এনশাং কৎচদুনা ফুঙ্গা মৈ মুত্তবমখৈ লাৎচবগনি। থম্মোয কাযকববা ঈপল ইবোহল চাকশঙগী মখাবোম থংবা শকক্তা মনীং ওইবপ্পা কাচীন ময়াদা যোৎশবী যাওবা ইমোইনু লাইবেম্বীগী শক্তম অমা থাউমৈ মচা অমা মৈবী পিক্লপ্পা থাল্লদুনা লৈবম্বা উবদা মথ্বায খজিক্তি নুংঙাইবগুম তৌই। মমাঙদা অথোংবা চাক এনশাংসু কৎলি ।

ইবোহলগী মীৎযেংদুগী মবোল খঙলবী মমৌ নুপী অহলদুনা হাযবকই

- ইকুবোক, মৈখু চেল্লি হাযদুনা ইবেম্ভৌগী খুভমসে অসুম্না থমখিবনি । ইকুবোক্না নুংঙাইত্রগসু হান্নগী অদুম্মাইনা ফুঙ্গা লাইক খুভম অদুম থমসি । ঐনদি থম্লবা হাযজবনি মখোয ইচৌনা মীসু অদুম তৌনৈ হাযদুনা সুমাইনা থমখিবনি।

ইবোহল যাবেদা হাযবগী মওঙদা মঙক হাযফেৎ নোম্মী । অদুবু পৃক্লিংদদি মবোল লোল্লি অসুম্না

- ইচাশা ! ইমৌশা ! ইমোইনু ইবেম্ভৌগী খুভমদি অদুম মথমসিদা, ফুঙ্গা মৈ মুৎলোইসিদা, তুংগী মীবোলনসু খঙহৌনবা ।

মতাঙসিদা মশুনুপীনা হাযবকই

- ইপু চাক চাবশিবা, সে সিদা খূৎ হাল্লসি ।

অঙানবা, অথোঙবা, অমেৎপা, মথেল লুকোয ময়ামদু মশুনুপীনা মতেঙ পাংদুনা হাউনা চাবি । মমৌনুপীনা অৱাৎ অপা হংলি । মখোয ইমুঙগী মী লোইনা চাকশঙদুদা ঈপল ইবোহলগী অকোযবদা অমত্তা চীখদনা লৈবি । কুইববগী তুংদা মখোযগী মমা মপা অনী শক্লা নাউকোনবীবক্লবা অহল অদুনা চাকশঙদা চঙদুনা চাক চাবা ঙম্লকপসিদা মখোয খূদিংমক্কী মায়থোঙদা হবাও নুংঙাইবগী মমি তশেংনা তাবি। মখোয মযামগী মতৌদুদা ঈপল ইবোহল নুংঙাই ঈপাক্তা ঙাইহাক লুপ্লুববসু তথোৎলৈবু নীংশীংলকই ও ! নহাক্তংগা যাওবল্লবদি কয়াদা নুংঙাইজবমগবা, ৱাদি ৱাজখিবনিকো, ৱামিন্নখিবনিকো, নপুন্সি তেল্লকপনিনা ঙসিগী ঐখোয ইমুঙগী নুংঙাইবা পূম্নমকসে নঙদি য়াওবা ফংদ্রেদো, নঙদি পূম্ন মকসে উবা ফংদ্রেদো । থিংবা ঙমহৌদনা চেম্ভবকখিবা পিগী মবীকশিং উবগা মচানুপাশিং, মমৌশিংসু ৱা ঙাঙদনা তৃমিন তৃমিন যেংনৈ, হবাও তয়াল্লম্বা মায়থোঙ ইমক মকশিন্নে । পিবাং মবীকশিংদুগী ৱাহন্দোক মখোযগী থম্মোযদা কবম্না হল্লিবনো খঙদে ।, ঈপল ইবোহলগী থম্মোযদা ফাওবীবদুগা মান্নবমগদ্রা, মান্নবল্লোইদবা ?

মশা খব খব ফগৎলকপদুদা ঈপল ইবোহল থোঙ্গাল থোকপা ঙম্বৱা যেংনীংলে। খঞ্জকই মখোযগী কোম্মোং ৱাংমগী খোঙনাঙ পান্নী অচৌবদুগী মখোঙদা ফমদুনা ঙাইহাক হকচীক লাংগে, হুপ্নৌ মতোন থাদদুনা খুনগী ঙা যোকফমদুদা ঙা চাবা যেংলুগে হায়না। অসুম খন্না মশুনুপাগা লোয়ননা থোঙ্গাল থোক্লক্লে। থোঙ্গাল ৱাংমা লাল্লকপদা মহাক মীবমদা থুংলবগা চপ মান্নখ্রে। মীনৌ অমগুম কোযনা যেংলকই, পুমঙক ঙকই, মশম ঙাংলি ঙাংলি তৌবা, নুপা শমকক ককপী, খোঙ্গ্রাউ শেৎপী খবা উই, ঈপল ইবোহল মমিত্তো মখুৎনা হাযফেৎ নোইবগা অমুক যেংই, নুপাবা, নুপীবা মখোযসিবো। হাইস! নুপীমচা ঙাক্তনিনে। মীবমদগী সিদা লমকোযবা লাক্লিববা ? ঐনা মীবমদা লাযেঙবা চৎপদা অসিগুম্বীসি যাম্না উবকখিদা। ঙকচানবিঙৈ অমুক উবকই, মখজাই নাম নাম পোঙবী, অচীনবা, চাদবা মানবা ফুবিৎ লিংপী, ফী মতৎ মতৎ ঙকশমদা যেৎপী, মৌনহা খবা মচা পম্বসু যাওবি, খুৎনা শম্বসু যাওবি, লেংথৈনবদা মনম চেল্লবীশিং পান দুকান্দগী থোক্লক্লগা নোক্লা খেনা চৎখিবদো। ঈপল ইবোহল ঙক্লা মখোযদুবু শংত্রিক যেংলগা মাগী থম্মোযদা হংহৌই ৱাহং কযা,

- মখোযসিবু কবম্বা ইমুঙগী মৌশিংনো ? মখোযগী অহল-লম্মন, মপা-মমা, মকু-মনেম ওইবীবশিংদু, মৱা-মপুবোইবা ওইবশিংদু ঐদৌনা লোইনা মবোল থোক্তববা ? খোঞ্জেল থোকত্রবসু ইবোহলনা কন্না লাউহৌবি,

- ইচাশা! ইশুশা নখোযবু কবি ফিজেৎ চাকশেৎনো ? ইকাযবা ঙাক্লবা ফি শেৎপনি, ইকায ফিব্বক খুম্নবা ফিবোল শেৎকদবা নত্তে, হীংননবা চাবিবনি, শিননবা চাবা নত্তে ওম্হোকইদা নখোযসে। অদুক নমথীবদুবু চীঞ্জাক্লেনা চাবা হৌনববা ?

কবম্নসু ঙক্লোই, চহী তবামবি/তবামঙামুক অসি মাগী মচা-মমৌ, মশু, ডাক্তব, নর্স, অনাবা হংবা লাকপা মী খব অমদি মবী মতা, খবা উবা নত্তনা মতমগী অহোঙবা উবক্লবা, ফমুঙদগী হেল্লক্লবা ঈপল ইবোহলনি। মচা মমৌ লোইনমক মতমগী অহোঙবদা যাওজববসু মশাগী লাইনীং-লাইশোল, চৎনবী-লীচৎ, ফীজেৎ-চাকচা ঙাক্লা চৎচবা ঙাক্লি। মশুশিংসু অদুমঙাই। মখোযগী ইমুঙদি মযাই কাবা, ফত্তবা চীঞ্জাক চাদে, কৈদৌঙৈদসু মনম মহা নমথীবা খক চেন্দে।

ঈপল ইবোহলগী মীৎতি পোত্থাদে, ৱাখলসু মথৌ যাম্না চিল্লি। পূম্নমক অঙকপগী অঙকপা, অহোঙবগী অহোঙবা ঙাক্তনি মাগী মিত্তা উবিবা। অঙাঙ মযাম্না চোংনা ফন্না শান্নজবম্বা, অনেম্বা, অমোনবা নাপীতনা কুপ্লবা মখোযগী থোঙ্গাল ৱাংমগী ইশঙ শংলবা লমপাক্তসু লৈবমদ্রে। নীংথীনা মকে শেম্বীববী

লৈবাং কয়ানা লৈশাৎ তন্নবী লৈকোল অমা ওইনা লৈবল্লে । লমপাক্তুগী যেৎলোমথংবা শকক্তা হৌবম্বা, উচেক-ব্রাযা কযাগী কাযদোঙফম ওইবম্বা লাইওইববা খোংনাং পাম্বী অচৌবদুসু লৈবমদবে । লমপাক্কী মনীং পাংবদা হৌবম্বা নুপা মচাশিংনা হৈনৌ অশঙবা, হৈনৌ অমুনবা কক্কুনা খূৎ চুম্বা তান্নবম্বা হৈনৌ পাম্বীদুসু হৌবমদ্রে । মহাক্কী মপূক্লিং নুংশিবকই, খল্লি চহী যামদুনা মথন্তা কংখ্রববা নৎত্রগা যাম্থৎপিখ্রববা ? মখোয়গী খুঙ্গংগী পাৎ মচাদুনা কমদৌবিবা, খঙনীংনা লৈনা যেংলকই, ওহ্ ! শা-ষন কয়ানা মনীং তম্না ঈশিং থকচবম্বা, নুপামচাশিংনা নুংথিল খোয চোপ্পুনা ঙা ফাবম্বা, অহলশিংনা চেংকূপ, হুপনৌ মতোন, চুজাক কবোক থাদদুনা ঙা চাবা য়েংদুনা অৱা পোত্থানবম্বা ঙায়োকফম পাৎ মচাদুসু ঙসিদি মচু মচু তৈববা কল্লবা যোৎলি তবানা ইকোয কোযনা খাজিন্দুনা লৈবল্লে। ঈশিং খৌবাংলবা ষনশিংনা ঈশিংদু উনা উনা থকপদি ফংজদ খৌবাংবনদি হেঞ্জিল্লক মপূক্লিং ব্রাবৌনা যোৎলী শম্বল ময়া নক্লা অহো অবাক লৈব্রা যেং যেংদুনা চৎলি, মবক মবক্তসু মথম্মোয শোক্লা খোংলি । চাওখৎপনা পূবকপা মতমগী অহোঙববু তুংইন্না, লাঞ্জদ্রবা মখোযদা মীওইবনা পীবিবা চৈনাখোলদুদা ঈপল ইবোহলগী থম্মোয পুবা ঙন্নক্ত্রে । অবীববু যোকখৎচবা পামজবা, অবীবদা ফজবা, নুংশিবা পূম্নমক লৈ হায়না খঞ্জবা চহী যামশিল্লক্লবা ঈপল ইবোহলগী থম্মোযদুবু অমুক লোন তিন্নদবা মখোযগী পূক্লিংগী ব্রাকত্তুনা মৈশা মৈবায়হল্লকই । ❑

নুংশি লানফমদা

মতীক চাউবী ব্রাকচীং উল্লেন্না মনীং তম্না থৌগল তৌবিবা, উপাল-ব্রাপাল, হৈপাল-লৈপাল, তাইবঙ থব্রায পানবা খিবীক্লা কোবৌহনবগী মঙাল, মৈশাবু খৌবাংনা ঙাইনবা ঈংলবা নিংথম অযুক্লি । পল্লেপফম খঙদবী অথাবা লৈচীল মপৈ মপৈনসু কোবৌ মঙালতবু মথানুংদা চেৎন কোন সুকথা থাদোক্লীংদবা মতৌনি। মতাঙসি ওইবে নহা অহল খাক্তনা মৈফু কোন্নিংলকপা, মৈখু চেল্লি, মোৎলি হাযদুনা থৌশাবীবমদবা শীং অকঙবকাসে যাম্না নুংশিবকপা, মৈনাক্তদা লৈনীংলকপা মতম্লি । কনা কনাগুশ্বী মৌ অনৌবীদি ইকাযবা খাঙবদা ঈংদবা শাজবি, কনাগুশ্বী মৌনা মবৈ মবা তৌদুনা মশা ঙমদবা শাদুনা ফমুঙ কোনগনবা মতম্লি । মোং হাদবী, মীচঙ মীখায নাইদবী, মথৌ থৌগায কাযজদবী মীকৃপ পূংজাদংদি কবিমত্তা নাচুংদনা মথৌ চাং নাইনা নীংথীনা পাঙথোক্লি ।

মংলেম্বদি ঈংব্রা, ঈংদব্রা খঙদে, মৈফুসু শম্নদে, মাগী মঞ্জুনবা শামতু ফুবিত্তু লীৎলগা মাগী কাদা চে-চাং খবা যেংলি, কবিনোমা থিবা মাল্লি । অযুক্কী মথৌ লোইথোক্লগা ঈকজখ্রবনি । ফক্লাঙ ঘবীদগী যৈবকপা পূংজা নিপাল তাবগী খোঞ্জেল তাবগা খঙহৌদনা হৌবপ লাউবকই,

-ইমা ! ঙসিদি চাক খবা ঙনসিবা, খবা ঙল্লপ চৎখ্রগা থবক কাদ্রিঙৈদা পোৎযেং অমনিদং থিন্দোক্লমসিবা তৌনি ।

চহীগী মতম্মা মৈনাক্তা লৈজনীংলবী, মমৌনা থোংবা চাক-এনশাং চাজনীংলবী মংলেম্বগী মমাদো অযুক্কী তৌফম থোকপা মথৌ তৌকবগা ঈকজনবা ঈশিং অশাবদু হৈদোক হৈদোক্লা খোঞ্জেল যাক্লপ খুন্নকই,

- হো ঙমজদ্রে, ঙমজদ্রে চাক ঙনবকা, ঙন্না চৎকে হাযবগা চেঙদো চাবো অদুগনে ঈশিংদো খবা হেক থকচিল্লগা চৎলু । হনুবী ঐসে নঙ লাক্লবো, হযেং অশি লৈবাক্তগা লাক্লববোই ঐসে, কবি থোকএনা তৌজশাবিনো তৌগদবা মথৌদি তৌদ্রদনা ।

- অদুবু ইমা ৱাদনবা, থবক ইনখাং খবা মতেঙ পাংননবা মী থমগে হায়ববসু ইমানা শিবগে মখৈ হেক যাদে ।

মখা তাবা নংদ্রিঙৈ মমানা হৌবপ খুন্নকই

- কবিগী মী থমদোইনো, ইমৌ পাম্মে, ইমৌ উনিংলে, ইশুকাদো পম্লিংলে, নমান নমান্নবনা মচাগা কোক্তোন মান্নখবে, নমাযদে ইকাযবা খঙদববো, খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা শাবদনা । হনুবী ঐনা শিখ্রগা নঙবু কবম তৌহৌগে হাযবীবনো ? শিবমদাইদা শিঙম নাঙমদনা শিবা তাবে ঐসে । নখোঙ তেকপ্রা নমিৎ তাঙব্রো নঙবু । নঙগী খনবদা খুযা তুশিংনা শিবা ঙল্লোইদৌবি ঐসে ।

কবিনুংগী খুন্নুবনো হাযবদো যৌবে মংলেম্বদো । মখা তানা খুন্নুবা ফববোই খন্দুনা অমুক খুন্নুদ্রে । খঙলে ঙাঙবগী লোইবা নাইববোই, ঙাঙ্ফম থোকপগী ঙাঙলবনি ঙাঙজহৌবসনু খল্লদুনা হৌগৎখ্রে, থোঙ্গাল্লোমদা থোকখ্রে, মাগী পোত্থাফম চীংযাগী লমপাক্তু তম্না ।

অহল ওইববী মমাদুদি তাবীনবা লৈ লৈতে খঙদনা কবি কবিনো যাম্না ঙাঙহৌবি ।

চৎনা চৎনা মংলেম্বনা খল্লি - ঐখোয ইমাসে যাম্না ৱাজবক্লবনি, অসুম্না ঈশৌ লাংবী ওইবম্বদি নত্তে, ঐনা তৌবিবসে চুমদি চুমদ্রবনি ।

মংলেম্বগী মমা ঙন্না লুখ্রা ওইহৌববীনি । মংলেম্বগা মচন অমগা মচিন মৌপ্পাতনি । মচন্দু পুক্লুংদা লৈবিঙৈ তাইবঙ ফাওদ্রিঙৈদনি মংলেম্বগী মপানা তাইবঙপান থাদোকখিবদু । অৱাবা কোঙ্গায় কয়া খাঙনা মচা অনীবু, যোক্লকপদা নোংমত্তা অথীবা ৱাহৈ অমত্তা মচাশিংদা চৈবকপা নত্তে, ইবুংঙো, ইবেম্মা হায়বদগী হেল্লম্বা নত্তে । অদুবু মচন্নুপী থোইবীনা লুহোংখ্রবা মতুঙদগী যৃমদুদা মমা মচাতা তবক তবক লৈজবনি । নৌনা পুন্সি মৈশা লাংখিবনা মংলেম্বগী মমা

চহীগা চানদনা য়াম্না লৈশিল্লে, মশাসু ইকন কন্দবে। মংলেম্বনা চহী আ যৌবফাও লুহোংউ যাদবদগী মমৌনুপী ফংনবা হোংনবদা ওন্থোক ওন্থোকপা লাঞ্জং কয়া চথবকপদা ঙসি ফাওবা মমায় পাক্ত্রদুনা ঈশৌ লাংগনবী ওইখ্রিবনি। অহীং কয়া কপ্পুনা লেনখি। মমৌ ফংনবা নিঙাইদা ঈশিং মবীক অমফাও থক্তবমখৈ চবা হেনবদা চাননা নাখিদুনা লাযেঙশঙদা নুমিৎ তবেৎ নিপান্নি লৈকববনি। মচন্নুপীনসু মনম্মা ওইবা য়াবী মতীক চাবী কযাগী মপাউ পুবকখ্রবনি। মথ্বাযনা পাম্বা অমা হেক্তা পুশিল্লক্লো, লাইনীং লীচৎ, ওইনীংবা অমা ওইবসনু, কনামত্তা কবিমত্তা যেৎলোই, নহাকথক্তা শাগে মুৎপদি তৌহৈদে থম্মোয শোক্লা মমানা কযাবক হন্না হাযখ্রবনি। অদুবু মংলেম্বগী মফমদা নুঙদা ঈশিং চাইবগুম থোকখ্রে। মমাগী প্রোক প্রোক চাকপী হাযবদু যৌবে। হন্দক হেন্না শাওখ্রিবসিনা মপাগা পোকমিন্নবা মনেনা লম্বী যাত্তুনা মনেগা মমাগা নুপী অমা যেংলুবনি। মশক-মতৌ, মহৈ-মশিং কবিমত্তা ৱাত্তে, ইমুঙ-মনুঙ নোপ্তে, মমানা ওন্থোক্লা খোযদাজখ্রবনি, অহল মশেল ৱাসু খবা চংশিন্ন, যৌশিন্ন ঙাংনকুববনি। মংলেম্বনা যূম পাল্লবোই হায়না শিখাঙ খাঙবসিদা মমা মচা কুইনা কৌনকদ্রবনি। হন্দক্কী মতাঙসিদা লুহোংদ্রবদি মমাদু মথন্তা হু চাদুনা শিজগনি ৱাশকখ্রবনি। মমাগী লিংজেল খঙলবা মংলেম্বা মমাদু ফত্ত নুংদ থোকখিগদবা পূক্লিংদা মিপাইবি।

কোবৌ মঙাল ফংবদা তনিক তনিক খাঙলিবী তিংথৌ মতোলগী লিক্লানা মংলেম্ববু লক্লবকপগুম তৌই চীংযাগী লম্পাক্তুদা,

- নঙবু পাখঙ ওইদুনা অদুম লৈবা যাগদবো ? পোকঙমদনা পোক্লবা মীওইপোকপু অদুম্না মাঙহনবা হৌনববো ?

খোঞ্জেল অমনা মবক থৎলকখি,

- তুমিন অঙাওবদৌনা লম্পাকসিদা কৈদৌবিনো নঙবু, তৌফম থোকপা নথৌ তৌগেদি হাযদ্রদুনা ঙাওবিবা, ফৈবিবা, মথোঙ মবম অমত্তা খঙদে। লম্পাকসিদা পোত্থাফম ওইবনদি পুন্সি কৌবা কৈসু যাবোইনে। কদায চৎখ্রবনো থীবদা খঙদ্রদুনা সিদা লৈবমগদ্রা যেংগে লাকপনি।

মংলেম্বা হোয মায হায়দে, খুমসু খুম্লুদে, যেংসু যেংলুদে। খোঞ্জেলদুদি মানা ইবায লাযনা খঙই, মহাক্কী অঙাঙ ওইবিঙৈগী হৌমিন কামিন্নবকপা মরূপ ইবোতোননি। মাগী পুন্সি তাংকক খূদিংদা তৎন থানবক্তবা মরূপনি। মংলেম্বনা থবক ফংলিবা অসিসু মাগী মপান্ননি। থবক চঙনবা লম্বী যাৎলকপা, শেল থংবীদুনা থবক ওইহল্লকপা পূম্নমক মাগী মরূপসিনা তৌবীখিবনি, কোন্না মংলেম্বনা মচিৎ মচিৎ শিংলবসু।

ইবোতোন্না মবী মবী শমথবকই,

- ইতাওবী নঙ ইমানা হায়সু হায়বনি, নঙ খবদি হেনমল্লবনি, চহী ফংই আ যৌশিনখ্রে, কবিনো নঙনা খল্লিবসিবু, ইমাগীসু খবা খল্লু নথন্তগী ঙাক্তা খনবা যাববা ? ইমানা ঐবু উবা যাদ্রে, নঙবু যানবা থেন্মু পহায়দ হায়, হন্দক্তি ইমাদো য়াম্না শাওববনি, ঐঙোন্দফাও যাওনা শাউবে । মা শিঙ্গ্রগা ঐখোয় পেলহৌবো কা হায়বকই

- পূম্নমক চুম্মী, ইবোতোন, নঙনা হায়বিদুসু চুম্মী, ইমানা শাউবিদুসু চুম্মী । ইমাগী খনবদা ঐসু যাম্না ৱায । অদুবু ঐগী থম্মোযসিদি ঐনা মীবাযবীখ্রবী মহাক্না মতম পূম্বগী ওইনা পুদুনা চৎখ্রে, ঐগী মিত্রা মাগী শক্তমতনি উবিবা নাকোঙসিদা মাগী খোঞ্জেলতনি তাবিবা । হন্দক মপোক্কীদি ঐগী নুংশিবা, ঐগী থৱায হকচাঙ পূম্নমক মাগী ওইখ্রসনু । কনাগী মফমদসু ঐগী নুংশিবা অমুক পীববোই । নুপীজা ওইবী মপোক্কী ইকায ইকী পূম্নমক হুন্দোক্লগা ঐগী নুংশি থোংজিন্দা লেপ্তুনা ঐগী নুংশি ঈবীক্তবু ৱানা, খৌবাংনা ঙাইজবম্বী মহাক্তে ঐনা হিংলিমখৈ কাউবা সুকঙম ঙল্লোই মৰূপ ।

- অদুবু পাখঙ লৈশাবী ওইবিঙৈ, পুন্সি যেন্নীংথা অযুক্তা থম্মোযদা অপাম-নুংশি ফাওবকপা, নুংশিনবা থুংনবা নৎত্রগা কাযনবা মীপূম খূদিংমক্তা থোক্লিবনি, নঙগীতা নত্তে, ঐগীত নত্তে । নঙসু খঙলিদুনি, ঐগী পুন্সিদা ইহান হান্না নুংশিজখিবী, পুন্সিগীনি খন্না থমজবী মানা থাজদনা ঐবু ইস্তোকপীবকপা মীকূপ্তা তাযোন্নগে তৌকববা পুন্সিসে ঙসিদি নুংশিববা ইচা অনী, থৱায় হকচাঙ ওইববী মহাক, পূম্নমকসিগী মথক্তা চহী যান্নক্লবা ইমা পাবগী হবাও-নুংঙাইবা মাযথোঙ মযামসিনা পূল্লগা পুন্সিগী অনৌবা মহাও অমদা ঐসু পুন্সিগী মমল লেপ্লিবসিনি। তিংখং যূখ্রে হাযদুনবু হন্দোক্তনা নাই চাহন্দুনা অদুম থল্লগদ্রা ?

- অদুবু নঙগা ঐগা খেন্নবা য়াম্না লৈ । নঙগীদি মহাক্না হুন্দোক্লম্বতনি, নঙনদি লানখিদে অদুগা ননাক্তা লৈত্রবসু নোংমফাদোক থেংনবকপা, উনবকপা যাই । ঐগীদি মদু নত্তে, ঐগী খোঙথাং খূদিংমক্তা ঐগীদমক ৱাজখিবী মাগী মফমদা ঐ যাম্না লানখি, লাযববা মপোকসিনা মাগী তুংগী যাইফনবা খন্দুনা মাগী নুংশিববু ঐনা মীবায়বীখি । থম্মোয নুংগুম কনবা ইতৌদা মহাক য়াম্না কপখি । ঐ নত্তনা কনাসু লুহোংলোই লেপখ্রবী মাবু মখোযগী অহলশিংনা মতীক চাববা অমদা লুহোংনবা থৌবাং তৌখি । লৈতাদ্রবা পূক্লিংসিনা অৱা-নুংঙাই ইয়ান য়াম্ননা খনখি মাগী পুন্সিগী অনৌবা মহাওদা ঐবুসু মবাইনা কাউজখ্রনি, য়াইফবী ওইখ্রসনু । অদুবু কুন্দো পবেংগী মাংওইননা তনৌবীবী ঙকশমদো থৌবী

কোঙ্গোযনা হুকখিবনি, পূম্নমক নহাকসু খওলীবা নৎত্রো। ঐসে মী নত্তে, শাদগীসু হেন্না তোল্লবনি, মীনুংশি খওদ্রবা মীহাৎপনি। মীহাৎপগী ইবালসে য়াজদুনা নাইতোম পুন্সি লেঞ্জবগে লেপলে। ঐঙোন্দা অমুক অয়েৎপা পীবক্লগনু।

অশাংবা নিংশা অমা হোন্দোক্লগা ইবোতোন্না হায়বকই

- খওদ্রে ঐসু নঙনা অদু যৌনা লেপখ্রবদি নঙনা ফনবা খল্লগা অদুম তৌবো অদুবু ইমাগীসু খবা খনবদি চুম্মী, লাইবক্তা তন্নমদ্রবনি খন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনৌ। নুংশিবী কাযনখ্রে হাযদুনবু ইমাবু অমুক ব্রাহনবা চুম্রা। নুপা নথন্তনি, কনাগী ব্রাখলদনো ইমানা হিংদৌবিসে। কবিগুন্না ইমানা ফত্ত-নুংদ থোকখ্রবদি নহাক তুংদা নীংঙমহৌবোই। মৈচাক অমগী মথক্তা নীংঙমদবগী মৈচাক অমা নথক্তা নন্নবা অমুক শিনগনু। মতমসে আ যৌখবে, থবক চৎকদবনি থেংখ্রনি, নঙসু চৎলসিদনা, থবক কাবোইদ্রা ?

-কানি, নহাক খবা হাল্লম্মো।

মথ্বায নুংঙাইতনা চৎখ্রিবা মাগী মক্লপকী মাইকৈ যেংনা যেংনা মংলেম্না মপূক্লিং নুংশিবকই। কবন্না মপোক্লো ঐসিবো ? কনামত্তবু নুংঙাইহনবা ঙমদবা, থম্মোয খূদিংবু ওৎলিবা মপোকসিবু কবিগী পোক্লন্নিবনো ?

লৈতাফম খওদ্রবা মংলেম্নগী হৈনিংদ্রবা হকচাঙদু থাংনিংদ্রবা মখোঙদুনা তপ্না তপ্না পুবদুনা মযূমগী থোঙ্গাল মায়কৈ তন্নক্লি। মাগী কোক্তদি অকনবা লান থেংনবি, হান্নসু কযাবক হন্না থেংনখ্রবনি, লোইশিনবদি ঙমখিদ্রবা। অদুবু হন্দক্কী লানফমসি অকনবা লানফম্নি। তবাই-তবাইবা যাদবা, থম্মোযগী লাঞ্জংনি, নুংশিবগী কল্লবা লানফম্নি। নাকল অমদা অমুক হল্লক্লবোইদবা খোঙচত্তা ব্রাবৌনা চৎখ্রবী থব্রায অমখক্লা চেৎনা কিবন্নবা মযায কল্লবা নুংশিবগী লীপূন অদুগা নাকল অমবোমদনা থাবুম তবা নাউপুবকপী, তূন্না মচেৎ, চাবা মচেৎ খাক্লা নাউকোল্লকপী, মৈনা ঈশিংনসু কৈদৌঙৈদা মাযথীবা পীবা ঙন্নবোইদবা অপোকপী মমাগী লোইনাইদ্রবা নুংশিবগী লীপূন, অনিসিগী মবক্তা অকনবা লানফম্নি। খওদে কনানা কবন্না মতমদা পজেং ফিবাল থেৎকদৌবিবা ? নোংদম্নবা খঙগদৌবতা মঙাইবে। অদুবু নোংদম্নদা থম্মোয শেংনা মসিমত্তংদি হাযনিংলি, অসিগুন্না লানসে কনামত্তগী থম্মোযদা শোক্লহনবীগনু। ❑

লৈয়োন চীকথংশিংখ্রবী

চাউবাক্লা চহী কুন্থবি/কুন্থঙা মুক্কী লেং ওইবী, মথোক কাবকপগী ফজবগী তেমথেং যৌনা নীংথীজগদবী, চুং ফিবান চাববী চনুবা অমা ঙসিদি পোমশাংনবকপদা লৈযোল্লুংদা তিলনা চীকথংপিখিবদগী লৈকা ফন্না শাংঙমদ্রবী লৈবাংগুম, ইনখংলকপা, লৈশা মপূং ফাবকপগী শুমহংনফম ওইববী নীংথীবা পূম্বা মপূং ফানা উংঙমদ ফমুঙথক্তা যাতাবি। লায়না কযানা যোমশিল্লবী, মীনোক মৈশা লাংলবীনি। মনম্মনা চেন্দুনা পুখ্রবা পোকমীন্নবা মবূংমক্কী মচীন্দগী ওক্তবী হাযবা তাহৈদ্রবা মিংথোল ফংজববীনি। নৌনা লুখ্রা ওইহৌববী অপোকপী মমাগী অব্রা-শকফম যেংঙমদ, পাখঙ কাবক কাবক ফাজবক্লবা মৌপ্বা অনিগী অমুক খন, মীংলূ পিবাং কংদনা মৈচাক খাঙলি নোংদম থীবীসে।

কনানবু থাজকগদগে অসুম ওইবক্কনি হাযবা চনুবাসে ঙসিদি মীযাম্না হঙ্গোযনববী ওইবে, আইচ আই ভি না লাঙ্গোয় চল্লবীনি, ডাক্তবগী চাংযেং কযাদা মযেক শেংলবনি, লাযনা লাইওং কযানা শোযদ্রে তাক্লবনি। অদুবু কবম্লনো তমথীববা, শাথিববা মহীকসিনা মাবু খূদুম চনখিবা, হান্না মশা মউ ফবমখ্রবীনি, ওক্তবীসু নত্তে মীনোক মৈশাবক্তা অবোযবা মীকূপ ঙাইনা ব্রানা খাঙলি।

অমবোমদনা মহাক্লা নাদ্রিঙৈ মতম খবা ইনখংলকপা পাখঙ লৈশাবী ওইবগী হৌনশা নুংশি লম্বীদা খোঙদামিন্নবম্বা পাখঙ অদুসু মৈশা লাংলি। কনানা হাযনৈ, পাখঙদু দ্রগ কাপ্পমগনি, ওক্তবা শোযদনা ওইবমগনি, মবান্নি চংনবী ব্রাংমা

লাল্লমগনি অদুনা মশা মশাগী মবাল ফংজবীবনি । চুম্বা, চুমদবা, য়ূম্ফম লৈবা, লৈতবা মীওইবগী তোকঙাগী নুংশিৎ অসিসু ওম্বোক্লা শাফু কল্লি । মীনা ঙাঙ্গন শক্লবা মযামসি তাবদা পাখঙদুগী মমা মপাসু মৈশা ফাওবি । মচাদুদা মনিঙ-মমাঙ থৎপা, ৱাহং কযাগা লোযননা চৈবি-ঙাঙ্লি, লৈশাবীদুগী মনাক্তা সুকচৎ চৎতনবা ৱাবক ৱাতেন্নি । মমা মপাগী ৱাবক পনখৈ পন্নুংদ, পোখাফম খঙদ্রবা মহাক অদু ইকায নুংশি যান্নবি । চীংনবা, লাংতক্লবা, শাউনীংবা, পেন্দবা, কপ্নীংবা ইযান যান্নে । মহাক মশামক্লদি খঙজবি মহাক মবাল লৈতে, লমচৎ কাযদ্রি, দ্রগ কাপতে, চনুবাদুগা মহাক্কী নুংশি মবীদা চৎনবীগী পনখৈ, লোনচৎ অমুক্তসু লানখিদ্রি । পূম্নমক খঙ-উবিবা শকউদবা মহাক্লা মবোল থোক্লম্নবদি মখোয অনীগী অৱা-মৈচাকসে খবসু শাফবমগদবনি ।

পিবাংনা লেঙদ্রবা মরূপ ওইবক্লবী লাইবক থীবীদো মদোম থম্মোয খুত্তুম শুজবগা খাঙলি । মতম চানা ফোঙদোকহৌদবগী চৈনানা মশা পূম্বা অশাবা মৈবী ওইনা চাকথেবক্লি । মৈৱাযবক্লিবা মৈবীলক্তা মথঙ মথঙ উবকই হৌখ্রবা পূন্সিগী তাংকক খবা

মতমদু মহাক ক্লাস টেন তন্নি । মহৈশঙসু কালেনগী শিন্থা লেপ্পা মতম্নি, নুংথিল পুং অমবোম তাবম্নগনি। মমাসু নুংতিগী মতৌগুম্না চেক্কোন্দা চেক হোনবা চৎখি । পুংকক চাউববা মৌপ্পাদুসু মমাগী মতুঙ ইন্দুনা চেক হাপ্পা চৎখি । পীক্লীবা মৌপ্পানুপা অতোম্বদুগা মাগা যূম শঙহৌবনি । মৌপ্পানুপাদু ফমুঙদা শুম্বীবগা ইমুঙগী থবক ইনখাং লোইশিনবা লাক্লবি ।

- ইধব বাষ্টা হৈ ?

যেংথোক্লবদা ৱাংদ্রং ৱাংবা, মবাং তুবাংবা ফিজোল শেৎপা নোংমৈ পাযবা অনী - অহূম লেপ্পুনা লৈবম্মী শুমাঙ মতোন্দা ।

- নহি হে (খুমজৈ কিনা কিনা)

- ঘবমে কোন কোন হে ?

- কোই নহি হে কামমে জাযে ।

(হৈবোই হৈতবোই খুমজৈ অপঙবীদুনা)

- এক গ্লাস পানি ।

তফিং তফিং ঈশিং লৌথোকপা চংজৈ ইমুঙদা । ওম্বোকপনি যূমদোমপোক ওইবগী, মী লৈতবগী খূদোং চাবা লৌ, ইনখৎলকপগী মঙাল মপূং ফাজদ্রিবী,

অফ-ফত্ত ৱাখল মপূং ফানা লেপচবা ঙমজদ্রিবীদো নোংদম থীবী ওইখবে, কবাম চাওবশিংগী মখূত্তা পোম্না লৈমন চলহৌবে। নুমিৎ থা ফাওবনা উজবা, য়েংজবা ফংঙমদ্রবী চেকশিন্না লুনা থমজবী, নুপী ওইবীগী তাঙলবা হকচাঙগী লন, থম্মোযগী লন, ইকায খুম্নবা পূম্নমক মীকৃপ্তুদা পূপ্লোয লোইখবে। শাবমচৎ চৎপা মখোয নত্তনা কনাসু উহৌদে মীকৃপ্তুদা কবি থোকখি হাযবা। সুপ্নতগী ইংখোল অদুগী মনা পূংলবা উপালশিংগী লোম্থোক্তবী উনাশিংদুদি হাইনা হুম্না খাঙজখিবনি, মীপাইজনা মালঙদা পাউজেল পীজখিবনি। লায়ববগী চৈনা খাঙবদা মতম কুইনা ৱাজবক্লবা মল্লবা খাঙপোকশঙ অদুনসু মথানুংগী নুংশিববী মচা, পোমশাৎনবী লৈবাংগা পাংখক ওইবীদো কঞ্জবা ঙমখিদ্রে। মবাইবক থীববা কাংথোল অমনবা অদুসু মতম্বাক্তা নৈহৎপীববী মমোম ওইবীবু কঞ্জবদি ঙমজদা, পাম্বে লৈত খোঞ্জেল থোক্লা ৱানা খাঙখি চৈনাদো। পূম্নমক মাঙখ্রবী, অশি লমদম পাংগে তৌরুববী মহাক্তো মৌপ্বা পিশক্লা হৌনা হৌনা কপ্লকপগী মীকপ খোঞ্জেল্লক্তা অমুক তাইবঙলক্তা তীলহনবীবে। মঙ-ওই হা-ওই নৈহৎপিবম্বগী চৈনাখোল ৱানা খাঙ, তপ্লা হৌগৎচবগা মৌপ্বাদো পমখৎপিবে। নুমিত্তুদা মীকপ অদুম থোক্লমদ্রবদি ঙসিগী তমথীববা চৈনাসে ফংলমলোইদবনিকো লৈযোন কংলবীসে। মসিদনিনে লাই মীত্তাংবা হাযনা হেক হেক লাইদা তাইনবিবসে।

কোবৌহনবসু নোংচুপ চীংয়া তম্না যাংনা খোঙদোযবম্লে, ৱানা হোৎনজদুনা নুমিদাংগী চাক লোইশিন্নবা হোৎনবি। লেপ্লা লৈতনা চেম্থবকপা পিবাং তৈথোকচবদা অৱাবা ওইবি। থোৎচ নৌজবী কয়াৎশিংদা খাঙঙমদ চৈনা ফাওবি। ঈ তৈববা মফি ফনেক্তু অমুকসু হন্না হোংদোক্তুনা লাইনিংথৌ লৈমবেল মৈবা কৎনবা তৌজে, মবাল লৈববী অমগুম হন্দোক্তুনা কপ্তুনা লৈবে, মৈবা কৎপা ঙমদ্রে। উচিন নাচিন্না চাক্তি লোইশিল্লে।

নুংশা মবক্তা ৱানা থবক শুরুবগা হল্লক্লীবা অপোকপী মমা অমদি মৌপ্বাগী মাযথোঙ উবগা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুগী পাউ তম্বা ঙমদ্রে। মথম্মোযদা ফাওবিবা মৈচাক্তু মদোম খাঙজবা নত্তনা ৱাহৈ অমফাও কাংথোকপা ঙমদ্রে। হান্নদগী মশাগী অৱাবা, নুংঙাইতবা, অৱাৎপা, মীঙোন্দা কযা ফোঙদোক্লন্দবী, মথন্তা খাঙজবা হৈনবকপিনি। মযামদু চাক ঈশিং পীজবে, মহাক্তি চবা ৱানশিল্লুবে, চানিংদ্রি খবা থেঙনা চাবগে হাযদুনা চাদ্রে, যেন্নখাদা থোক থোক্তুনা মপী তৈথোক্লি। ইমুঙগী লৈত লায়ব পোৎলুম্না নল্লবী ইপঙ পঙজবী, ইচম চমজবী মমাদি কোল-লিক ফেংদোক্লন্নগা লাইনিংথৌ লৈমবেল থাগোন্নজদুনা মহৌশাগুম নুংঙাইনা তুমথখ্রে। মচানুপীনা উদনবা লোৎলিবা মায়থোঙদুসু উখিদবনা নিঙাইদনা নাখোকখ্রে,

মৌপ্বাশিংস্ ঙম্না নাখোকখ্রে । অহীংদুমা মীকূপ অমা ফাওবা তুমথবা য়াদনা নুং-পান্দা ফাওবিবা চৈনাদু মথন্তা খাঙখি, মমা মৌপ্বা তাখিগনি খনবদা কপ্পা খাঙবদসু অৱাবা ওইখি ।

মীযামগী মীনোক মৈশা কিবনে, থম্মোয় শোকপা পাউ তাবগা ৱাষ্ণগনবী মমাগী মতৌনে তুংদা কবি ওইবকনি খঙজদবনে, মহাক ৱাখল লৌশিংগা ইথোক থোক্লে, থম্মোযগী ৱাবোল চীন্বান ৱাংমা লান্না ফোঙ্ঙমদ্রে । যাওঙ ইন্দুনা লৈশ্রবা মবূংগী মনাক্তা পাউদমজগে খন্না অনীবক চৎচরুই, অমুক্তা থেংনবক্তে, মনম্মগী মতৌনে, মবুক্লিংগী ৱাবোল অমত্তা হাযবমদনা অদুম হল্লক্লে । অমুক হন্না চৎলুদ্রে, কৈদৌকগনো খল্লে ।

শক খঙনবা কুইদ্রিবা পাখঙদুদসু ৱাফমদু কাংথোকপা সুকঙম ঙমদ্রে । মঙোন্দগী লাপথোক্লবা হোৎনজবনা মাগী মথৌ ওইবক্লে অদুবু মবম খঙজদবা পাখঙদুনদি মঙোন্দগী লাপথোকউ যাখিদ্রে । কবি কবম তৌবগা কাযনসিগে খনবদা লাইবক থীহৌববীদূগী লাইনীং ওইবক্লে । কল্লবা নুংশিগী লীচিং থদৎনবা হোৎনবদা হেন্না ৱাজবে ।

মমা নাবনে, শেল থুম লৈতবনে মিং চনবা ঙমদদুনা লাইবিক তম্লীং তম্লীংনা তম্বা ঙমদদুনা ক্লাস নাইন পাস তৌবগা চহী অহুম লেপথোক্লবগা থাখিবা মেত্রিক চাংযেংদসু মায পাক্লক্লে, কুমগা লাইগা চপ মান্নখ্রে, মখা তমথনীংবা ফাওদ্রে, নোংম নোংমগী ৱাখলনা লাইমন ওইবক্লে, মশা শোকচিল্লক্লে, চাবি-থক্লি, হিংলি হাযবতা মঙাইবে, মীবক তীন্নীংদ্রে, অপাম-নুংশি ফাওবক্লে । শিজবগে খনবসু মমাগী, মৌপ্পাশিংগী খনবদা ঙমদ্রে । লংলা লংজিন কাংথোক্তনা থুপচিনখ্রবা থৌদোক্তুনা মনীং তম্না শান্নবকপদা খাঙ্ঙমদ্রবা চৈনা খাঙলিবী, অদুঙৈগী চৈনা ফংখ্রবা মাগী ফমুঙ থক্তুদা লেঙবা ওৎপা ফাওবা ঙমজদ অবোইবা মতম ঙাইবিবী চনুবাদুগী পাংনীংদ্রবা মীত্তুদা উবকই ঙসিদি পাখঙদুগী শক্তম, নীংশীংলকই নুংশিগী থৌদোক কযা মথঙ মথঙ ...

যাউশং নিনি চনবগী মখোয লৈকাযগী থাবলচোংবা নুমিত্তনি, পুম্নিগী অহানবা ওইনা পাখঙদুগা শকখঙনখিবা । থাবল চোংবা হল্লক্লগা সুক্রুম তূমদনা ৱাখলদা নোং ঙানখি । ফোঙ ফোঙ শাবা মখূত্তুনা চেজেৎ পায়শিন্দুনা নুংশি ফোঙদোবকখিবা, থম্মোযদা খঙহৌদনা হৌবকখিবা অহানবা নুংশি ঈথিল, অঙাওবীগুম মথন্ত মোমোন তৌজখিবা, মতুঙগী নুমিৎশিংদা মিংশেল মমাঙদা তোযনা তোযনা চঙখিবা । অযাওবা ঈশিং মবমচাদনা হৈদোক্লগা ঈশিং শোকপা চত্তুনা নুংশি মাবু লাকপবা যেংনা থৌবাংনা লেনখিবা নুমিদাংৱাইবম কযা,

কবিগুম্বদা উজনীংবা শক্তম উজবা ফংবগী পেঞ্জবা মীকৃপ, কবিগুম্বদনা নীংবা কায়বা মীকৃপ, মনীং তম্না চেম্থবকখিবা নুংশি ঈচেল পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা উবকই । মখোয খুঙ্গংগী চীংয়া লম্বী, মনা পূংলবা খোঙনাং মখোঙদা ইকায নুংশি যান্ননা শানখিবা নুংশি ব্লাবী, ইকায থীবী ওইবিঙৈ হাযনীং হাযনীং হাযহৌদবা থম্মোযনুংগী ব্লাবোল কয়া, থীংবা ঙমদনা হৌবকখিবা নুংশি ঈথক, মঙমিন্নখিবা নুংঙাইববা মঙলান কযা, লাযব অনঙ খায়দনা কানবা যাদনা হেক্তা লাকপা মথোক কাবকপগী নুংশি ঈপোমদা । অদুবু কৈদৌকনি পূম্নমক মুনবীখ্রে, কবাম চাউবা শাদগীসু হেন্না তোল্লবা মখোযনা পীবম্বা অবোনবা খূদোলদুনা ।

অবোইবা নিংশা ঙাইবিবী থম্মোযনা খোঞ্জেল থোক্তনা নিজবি নোংদম্বদা - শকউদবা মপুও ঐগী অসিগুম্বা খাঙঙমদবা চৈনাসে নুপীজা ওইবী কনাদসু পীবীনুকো ।

তপ্না তপ্না মমিং উইশিনখ্রে পোম্না নৈমন চলহৌববী নোংদমথীবীদো। ❑

চাকয়োম পুবী অঙাওবীদো

পূং তবাগী ক্লাস নংলবোই খন্দুনা ঐ এক্তিভাদো খবা কল্লপ থৌবকপনি । লম্বীদা মী খবা ওমশিন্দুনা লৈবম্মী । কবি থোক্লবনো হাযদুনা হাইফেৎ তপথবগা যেংশিল্লুবদা উবকই মফম খূদিং কোযনা চাকযোম পুবগা চৎপী ইমা অঙাওবীদো, থব্রাযগা হকচাঙগা খাইনবদুনা লম্বী মতাই হাইফেৎ ওইবপ্লা ঈখেঙলক্তা তাদুনা লৈবি । মাগী নোংমতা থাদোকউ যাখিদ্রবা চাকযোমদো ঙসিদি মাগা থাদোক্ল বমাল্লে ইসে শেগাযদুনা লৈমাযদা তাবি, চাক্লা অকোযবদু পুমচায চাইবি । উকবদা ইশাসে কৈনোমা তৌবকই, পূক্লিংসে তনিক তনিক্লকই। কুমথবগা লেপ্পি । ওস্থোকপনি, চাকফম থী-থীদুনা লৈকায খূদিং, মফম খূদিং কোযনা চৎলম্বীদো মাগী মতম লোযবমাল্লে চাকযোম পুবা ব্রাবমাল্লে । চাকযোম অমুক পুববোইদো। মথোঙ হুক্তবা নুপামচাশিংনা মাগী চাকযোমদো মুন্দুনা লক্লবা মতমদা মশম মনা ইফা ফাবমখৈ চাকয়োমদো ফংনবা নুপামচাশিং তান্নবদো, লৈকায অহলশিংনা নুপামচাশিংদু চৈহত্তুনা চাকযোমদো মঙোন্দা পীহনবদা মথানুংদা মচাগুম কোন্দুনা মানা হীক হীক কপখিবগী শক্তমদো শঙ শঙ উবকই ।

নীংশীংলকই নোংমা ঐখোয শাগৈগী চহীগী চাক্লোন কৎপদা মানা চাক চাবা লাকখিবা, মযামগী চাফমদুদগী খবা চৎথোক্লগা মচী অমদা মানা চাক চাখিবদু। ঐনা উবদা চাবমদাইদা চাক্তো খবা খাযদোক্লগা মাগী মোৎলবা ফিজেত্তুদা য়োমশিল্লি অদুগা কোন্না চায় । চাকযোম পুবগা চৎপসি মাগী হৈনবীনি, মবক মবক্তা চাক্তো হেক্তা হৈদোক্লম্মী হায । ঐাদ কুইনা মীবমদা ইপাগী থবক মফমদা

লাইবিক তমদুনা লৈকৃবনিনা নুমিত্তুদা মাবু অহানবা উবনি । কোন্নবুদি য়াম্না তোয়না উখ্রে ।

তাঞ্জাসিদা ঐখোয় ইবোক্সা ময়া অতেকপদুদা নিংশা চৎলি চৎলি তৌবদুনা অঙাওবী ইমাদুগী হৌখ্রবা পুন্সিগী ৱাবী মতেক অমা লীবীখিবদো খঙনীং হেক নীংশীংলকই

থাবুম মবীতা ঙাযবিবা মচানুপাদু মথানুংদা কোল্লদুনা মৌনহা অমা যুমদোমপোক অমদা মপুবোইবা হল্লকপা ঙাইবি । নোংযাই মতুঙ ওইশিল্লকপগা লোযননা মৌনহাদুগী লাংতক্লবা হেনগৎলকই । অমুক্তা অসুম্না থেঙনা হঞ্জিল্লকপা যাওখিদ্রি । ঙসাইদগী মীৎ, পান্বোম তোযনা তোযনা চোংলকপগা, মমঙ-মহা নুংঙাইতবগা মৌনহাদু লৈতাফম খঙদে । পীক্লিবা মচানুপাদুগা মাগদনি যুমদুদা লৈবিবা । মনেম মকৃসু ঙস্তা লৈখিদ্রে । মহাক্সা লুহোংলকপদা লৈবমদ্রবনি । মনাও অমা, মতৈ অমা লৈজবসু নত্তে, মদোম পোকপনি মপুবোইবসু । লমদমদুদা মখোয মীনৌনি, যুমশিংদু লাপ্পবতা নত্তনা লৈকাযদুগী মীশিংদুগসু মপূং ফানা খঙনদ্রি । খবা খঙনবা, মখোযদসু তোযনা লাকপীবা মী অমনিবুদি মবৈবি । থেঙদ থেঙজিল্লক্লবদুদা কিনা কিনা খবা নক্লবা যুম অমদা চত্তুনা মপুবোইবা হল্লক্তে তাকচকবে । যুম্বু অদুগী যুম্বুবেম্বীদুনা মচাশিংদুগা চত্তুনা অতৈ যুম অমা'নীসু পাউ পীবীকবে । মখোয় মাগী যুমদা পুল্লবে । অদুবু কবি তৌগদবনো খঙনদে নোংঙানবা ঙাইবসি অহীং থেংজিল্লক্লবনিনা, নোংঙাল্লগা কবি কবিনো তৌবসি হাযবল্লগা খবদি মযুম চৎনখবে । মীওই অমা'নীগা লোয়ননা নোংঙানবা ৱানা ঙাইমিন্নবে ।

নোংঙাল্লে, পাউচেগী অহানবা লামাযদা মপুবোইবগী থৱায যাওদ্রবা হকচাঙগী মমি শক্তমগা লোযননা পাউ যাওবম্মী, “ঙবাং অহীং পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা লালহৌবা অমা শিবে, মশাদা লালহৌবগা মবী লৈনবা চে চাং খবসু ফংলে ।”

অসিগুম্বা পাউসিদি লৈবাকসিদা অনৌবা নত্তে, শিখ্রগা লালহৌবা ওইখিবা, মশিং যামখ্রে, অদুবু লাপ্পা তাবম্বদগী মশাদা খঙনক নকশিল্লকপসিদা মৌনহাদো চঙক্লে, থাজদদুনা পাউচেদু হঞ্জিন হঞ্জিন পাই । মপুবোইবদো থবক শুবগা নোংমাগী চবা তাঞ্জবনি, লালহৌবা নত্তে, মৌনহাদুনদি খঙজে । অদুবু অশিবদুনদি হোয় মায খুল্লক্লবোই, হাযবীবমখৈ পকচবনি শিৎলিবা লৈবাক্কী নুংশিৎ মতাসিদা । মপুবোইবদু থবক হল্লক্লগা যাচঙবদা থোকখিবনি, হযেং যুম শাবগী যুমথক হৈবগী থবক শুবা মী থীবা চৎখিবনি । চাক লাল্লে থুনা লোইশিল্লো, য়াম্না থুনা লাক্কনি,

কুইবক্লোই হায়বম্বনি । এনশাংদুসু মপূবোইবনা য়াম্না পামজনা লৈবকপা শোইবুমদু ইবোনবনি, নুমিদাংগী মপূবোইবগী চাক্লুক্তুসু, মাগীসু কায়দনা লৈবি।

অশিবতনা মাঙজহৌবে, কবমদি তৌনি লাইবক থীবীদো, পীক্লিবা তাইবঙ মীবোল তাদ্রিবা মচানিপা অদুগীদমক হিংবা তাখি । মশক ফাওবা খঙন-উনদবমখে মাবু যোকপীবকপী মনেগী যাথং ইন্দুনা মপূবোইবগী তুং ইঞ্জবকখিবনি । মনেদুসু লৈখিদবা থা ফাদ্রি । লাইবক থীববী চঙজফম লৈত্রবীদু শীং চনবা, লোং-খোনবা, লৌ-কুম্বা, এনশাং-নাপী যোনবা, ফি শাবা, নুঙ হাপ্পা, লৈঙোই পেকপা, অঙম-অঙম্বা, অফঙ-অফঙবা মতম মতমগী থবক শুজদুনা তূম্বা মচেৎ চাবা মচেৎ যাম্না ৱানা মচা চাউবা ঙাইজবকই । মবুং অমা মৌপ্পা অমা লৈজবসু নত্তে, খবা খবা মবী থোক্লবশিংদুদি লাপকা লাপ্লবনে, মানগা ফিভম চাদবনে, পূম্লাপ লাপথোক্লম্ব্রে । পাক চাউববা তাইবঙ মালেমসিদা লৈকাযগী মী খবদু নত্তনা মমা মচাগী কনা লৈজদ্রবনি । মখোযসু ঈ মবীমক নত্তবনিনা অদুক লৈত-লাযব হংদোক-হংজিন তৌনবা নত্তনা কযাম মতেঙ পাংবদি ঙমগনি । অদুমকপু লৈকাযদুনা মাগী অমত্তা ঙাইববা চঙজফমদি ওইবি ।

চহী নৌবীবী লুখ্রাবী অমগীদমক পাম্বোম তীংবীনবা. ঙাকপী শেনবীনবা কনা যাওদনা, যূম লেপ্লবা হোৎনবকপগী চৈথেঙদি কবি হাযরুনি, মশাদা পানবতনা খঙবনি । লৈত-লাযবনা নাকল অমবোমদা থমখ্রগা, তনৌবিবী মাবু মপূ পান্দ্রবী লৈবাংগুম খন শবাক তম্বীগে কোঙ্গাযনি, কিজবনা অহীং কযা তুমখিদ্রবীনি, খোঙথাঙ খূদিং তিংখং তুম্নৌবক্তনি, মীৱাগী নুংশিৎনা মবোল অমা মনীং তন্নিবা, শাফু কল্লিবা, পিবাংতনা খোঙলোয ওইজবক্লবীনি । ৱাবগী পনখে যৌবমখে, শাওনীংবা, পেন্দবা কযা থনুংদা ফুম, মাগীসু মতম লাকখিনি খন্না অৱা-কোঙ্গায কযা খাঙনা যোকচবকপা মচাদো চহী তবামগুা তবাতকক হাযবক্লে । মমা ওইবীগী নিংশা খর্বদি হোন্দোকচবে । অফবনি হাযগদ্রা, ফত্তবনি হাযগদ্রা মাবুতা চাউবা ঙাইজবকপী অপোকপী মমাবু হুন্দোক্লম, মমাগী মীৎলূগী পিবাং মবীক অমত্তসু তৈথোক্লমদনা মমা চাম-চামগী পিবাং তৈথোক্লনি চৎখ্রে মচানুপাদো, যেংহৈদবে পলেম ওইবিদো ।

চহী খবগী তুংদনি, নোংমা হিংবগী মবেক মহাও অমত্তা যাওদ্রবী মমাদুগী মমাঙথোঙদা থিল্লকখি অথেঙবা অহীংদা । কৌবকখি ইমা ' ইমা ' কুইনা তাখিদ্রবা খোঞ্জেলনি, মমা মচা ঙাইহাক থীংঙমদনা কপমীন্নবে । থেংখ্রবা অহীংগী মতমদুদা মচাগী চাক থোঙ্গৎচৈ, মচানা চাবক্লে, থোংলুবনু কন্না খামজৈ যাখিদ্রে । কুইনা উখিদ্রবা মচাবু উজবদা মশাদু খঙতেক তেকখৎচৈ চহী নৌনা মৈশা লাংহৌববী,

চহী নৌনা শোঞ্জববীদো ! চাক থীবগে তৌবা মীকৃপ্তা জীপসি লাকপগী মখোল খঙহৌদনা তাবকখি । মচানুপাদু লাকমীন্নবিবশিংদুগা খোঙলৈ থুনা মাঙখি। পুলিস উবতদা থক্কৎচববী লাঞ্জদ্রবী মমাদো ওৎপী নৈবীববে মচানুপা পীযু হাযদুনা। নুমিত্তুদগী নোংদম্বনসু মীবাযবীববী মহাক অদো তাইবঙ তাযোন্নবী ওইদুনা হল্লকখিদ্রবা মপূবোইবা অমদি মচানুপাগী চাকযোম পুদুনা মফম খূদিং অঙাওবী মীংথোল ফংনা কোইচৎ চৎলাক্লর্বনি ।

খোঞ্জেল অমনা ঐগী নীংশীং লামায খুমজির্নখি ।

- ইচেসু কপ্লববা ? শিবিবসিবু ইচেগা কবি থোক্লবীবগে ?

মশক হাযফেৎ খঙনবী নৈশাবী মচা অমনা হংলকখিবনি, মাসু নুংঙাইত্রবা থৌদোক্ত যেংলম্বা ওইবম্মল্লে ।

- কবিসু থোক্লদেদা।

ফোঙ ফোঙ শাবা পিবাংদু যি মচিনা তৈথোকই । কযাম কুইনা চাকযোম পুবীদুগী ব্রাখলদ। উংলুববলো ঐ খঙদে, মহৈশঙদা পেঙতক্লা যৌই, ক্লাস নংদবগী খোম্থি খজিক্তং চাবদুসু ফনদি ইকায । ❑

ঐগী চান্নথোইবী

অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং, অহীংচুপ্পা নঙনা ঐবু নথানুংদা চেৎনা কোন, সুকথা হেক থাদোক্তবমখৈ ক্রুক ক্রুক লাকশিনখিবদা ঐনা কযাদা পেঞ্জবা, ঐনা কযাদা নুংঙাইজবা. কযাদা লাইবক ফখ্রবা, ঐমুক নুংঙাইবা কনাবু লৈবিদগে, মালেমসিদা হেক লৈবিবা নুংঙাইবা পূম্বা ইথন্তগী ওইখি। অদুবু নঙনা নথানুংদগী থাদোবকপা মীকৃপ্তুতি ঐ কযাম ৱাই, হাযফম খঙদে, ঐগী পূক্নিং, ৱাখল পল্লেপফম খঙদে, ঐ হিংবা কিবকই, তাইবঙ মালেমসে ইহাঙ হাঙলকই, ইকোক কোক্লকই, পুন্সিসে ইহাম হান্নকই। অদুনা ঐগী চান্নথোইবী ইতা নঙ ঐবু সুকথা থাদোকপিনু পুন্সিচুপ্পগী নথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা থম্বীয়ু। ঐগী মঙাওথীবী ইতা নুংশিবী নঙসে ওম্বোক্লসু মঙাও থীখ্রেদা, নঙনা ঐবু লৈনুঙদা অমুক পুথৈ, ঈবোন্নুংদা কেকু লোৎপী অমুক শান্নহল্লি। চীংনুং-মানুং, লোক্লুং-লোকচপ্তা হেক্তা য়ৌহল্লি। অহাঙবা মালঙদসু ঈশা খপ্তুনা পাইহল্লি। লৈচীলদা শাথেক তমদুনা শান্নহল্লি, থবাম্মিচাক্তা পুন্সিগী পাউখোং চন্নহল্লি। নঙনা ঙমদবা অমত্তা লৈতেদো, ঐবু ওইহন্নীংবতা ওইহল্লি, অমুক্তা লাইনিংবী, অমুক্তা লৈবাক্লিংবী, অদুগা অমুক্তা হঙা শৈশকহল্লি। অঙকপনি ইতাবোই নঙগী নতৌসে ওইহল্লি ঐবু চান্নথোইবগী চান্নথোইবী, অমুক্তা চান্নথোইবীগী চান্নথোইবা, অমুক্তা চাক্লিবী, অমুক্তা লৈমবেল লুচিংবী।

তাইবঙ মালেম ফম্বাকসিদা ইতাবোই চান্নবী, নুংশিবী, থৱায়গীসু থৱায় ওইবিবী নঙদি ঐগী পূন্নমক্লি, থৱাযনি হকচাঙনি, পুন্সিগীসু পুন্সিনি। নহাক্তা

থাদোকপিবল্লবা ঐগী পুন্সিদি লৈকঙলা, পুমকঙ কংলবা লৈকঙলা ওইহৌবনি। ঐ যাম্না ৱাজে কবিগুম্বদা নঙগা কাযনবা মীকৃপ্তু লাক্লবদি ঐ কবি ওইহৌগনি । অদুগুম্বা মীকৃপ্তু ঐগী পুন্সিদা সুপ্লাক লাক্তবা ওইহনবীযু । অদুগা চান্নথোইবী ইতাবোই নঙোন্দা ঐনা যাম্না শাওনীংবসু লৈ । নঙদি মথোঙ যাম্না চাদে, মফম, মতম, মবম তাঞ্জা মেঞ্জা খঙদে, য়াম্নসু ৱাখঙদে, ওইনচাউবা ইপূবোইবনা ঐবু ৱাবৌখিনি হাযবসু খঙদে, ইথানুংগী ইচাগী পিবুক লাল্লমগনি হাযবসু নঙদি খঙদে, নঙসে ননীং তম্বা হেনমল্লি । খজিক্তফাও লেংবা ওৎপা ঙমদবমখৈ নঙনা ঐবু চেজেৎ চেজেৎ কোনশিন্দুনা, লাকশিন্দুনা থমখিবদা থম্মোয কযা ৱাবৌই, ঐসু মীৱা মৈশা লাংই হাযবা নঙনদি খঙদেদো । নঙদৌনা ঐদি মঙাওথীবী ওইবা য়াদবা, নঙদৌনা ইনীং তম্বা যাদবা মতাঙসু লৈ হাযবসে নঙনদি খঙনা খঙনা হেক্তা খঙশিন্নবক্তে । ঐগী ওইনফম ওইবিবী নঙনা ঐঙোন্দা ওইনফম অমুকমুক ওইবকপদা ঐ মিপাইজবনা, পাখৎচবনা তৌফম চাফম খঙদে, কবম্না থেমগদবনো খঙলক্তে । খঙদে কবম্বা নঙগী নতীক-নযাযনো নঙোন্দা কুইনা শাউবসু ঙমদে। শুমহৎযাই পুবী নঙনা নথানুংদা হেক কোনশিনখিবদা অশাওবা, অৱাবা পূম্বা শ্বাই মাঙখি মীকৃপ্তা, অৱা-অনা পুমকাউ। চান্নথোইবী নঙগী খুৎকোনসিগী খোইথুম্নববা, কাউঙল্লবোইদবা মহাওসে খঙদবা কনানদি খঙলল্লোইকো । ওলাঙ মৈশাসু তইং তইং, নিংথম উল্লেনসু লুম্বু লুম্বু অঙকপা মওঙনি, ওম্বোকপা মতৌনি, পূম্নমকপু পুমকাউ কাউহনবমখৈ নঙনা ঐবু ঙাওহল্লি। অদুনা ঐগী চান্নথোইবী মপোক মপোক খূদিংদা ইবানি অসুম্না সুম থাদোক্লবোইসিকো । নঙগী খুৎকোনসে কোমথবক্কনি পাম্মৃজেকো, মিপাইচাউগনবী নতা ঐবু থাদোকপিনুকো ।

ঐগী মোঙ হাদবী চান্নথোইবী ইতাবোইদো ঐঙোন্দা নোকফেৎ নোকফেৎ যেংলল্লগা ঐবু সুকথা থাদোক্লবোই মতাগুম ক্রক ক্রক ফাজিল্লকই । অস খুৎকোনসিদি ! লাইমসু মঙাও থীদা । □

চৈথেঙ অমনা

ইমুঙগী মী ওকপা লাক্কনি হাযবগা কনামত্তা ওকপা লাক্লমদবদুদা ওটো অমা ব্রাযবগা মালোম তুলিহল মালঙ হিথাংফমদগী যুম্লোমদা লাক্লে । যূম যৌবমদাইদা ইনাওনুপাগী ফোন লাকই ইচৌ কদায যৌবিবগে ? ইচৌ ওকপা লাক্লে তৌবিঙৈদা ঐখোয ইমাগী অনাবা ফুনগৎপিদো হৌবক্তুনা ঐখোয হৌজিক বিমসতা চৎলে, ইচৌনা লাকপিগে হাযববসু বিমসতা কেজুযেলটিদা লাকপিবো, অদোমদা হান্না পুশিনগনি ।

- হা ! ইমাবো কযাম কন্না হৌবিনো ? ঐ যূম যৌদৌবে, যূম যৌবগা মৈ ওক্লগা লাক্লগে । পোৎচৈশিংসু থনমখিগে ।

থব্রায ইনুঙ নুংঙাইতনা যূমদি যৌবে । হঙ্গামপাল ইন্নফিনা ফিরুক খুম্বী ফনেক অঙাঙবা শেৎপী অমা থোঙদগী চেপথবগা হাযফেত্তং যেংলম্লগা তবি তবি থোবক্তুনা শুমাঙ মতোন্দা চে খবা মৈ চুবম্লগা যাম্না ইকায হঙ্গোযনা মাঙ্গোল মচীদা মকোক্কী ফিদু খবা হেন্না চীংথবগা লেপ্তুনা লৈ । মৈ ওক্লগা খুদক্তা ব্রাখলনা লাকশিল্লি, ইনাওনুপা লুহোঙখিবতা ঙাইবিকো ।

ঐগী কাদা প্রপ প্রপ চংশিন্দুনা পুবকপা পোৎচৈশিংদু থম্লুবে । থোক্লকপদা হঙ্গামপাল ইনবীদু লৈবমদ্রে । ইনাওনুপানা থবক ফবা হেনমনখিবনা লুহোঙফাল হান্না কাখ্রবনিনা মতৈ ইবুংঙো মিংথোল ফংলবা ঐনা অহল হাযবদু থোক্লমাল্লে খন্দুনা অহানবা ব্রাহৌদোক ওইনা হৈনদ হৈনদ হংলুই,

- ইবেম্মা, কযাম কুইববগে ইমা পুখিববু ?

- পুংমুক্তি ফাবম্বা যাবে, মাগী কাদগী খুল্লকপনি ।

- ঐসু চংলুখিগে, সিদা অচাপোৎ যাওবিবনি লৌশিল্লু ।

ব্রাহ্মেসিগা লোযননা অচাপোৎ যাওবা খাউদু মাঙ্গোন্দা থনম্লগা শুমাঙদা কুমথগে তৌবদা অনৌবীদুনা অমুক হাযবকই

- চাক লোইজববনি । খিক্তং চাবীখিবনা ফবোইদ্রা ?

মপান্দি থোবক্তে, মাগী কাগী থোঙজিন মযাদগী হাযবকপনি ।

- যাবে যাবে কোন্না চাবগে, ইমাগী মনাক্তা হান্না যৌকখিগে ।

ঐনা থোঙ্গালদা ঙাইহল্লম্বা ঙসাই তোংলকপা ওটো বিক্সোদো তোংদুনা বিমসতা চুমদ্রিং লাকমীন্নবে । কেজুযেলটিদা ইমাগী লৈফম থিবিঙৈদা ইচন্নুপী থেংনদুনা চঙমিন্নবে । ইমাদু হিদাক কাপ্লদগী খবদি পোত্থাবে হাযদুনা নুংশা ইথী থীনদনা লৈনবম্মী । মীহুন চেনগুম চেনগানকববা ঐসু খবদি নে তাজবে মবমদি ঐখোয ইমাগী অনাবা হৌবসে ওস্থোক্লা শাথীনা হৌবা যাওথ্রে, ঐনা অঙাঙ ওইবিঙৈদগী অহৌবা নাইবক্লবনি । লাযেঙশঙদা কৈথেল কাববনি, লাইওংসু হাযফম খঙদে, ডাক্তবসু ঙাওববনি, লাই তিন খুকল্লগা যেংঙসি হাযবা ডাক্তব যাওববনি । অনাবনেনা তৌবিসি কবিনো খঙদ্রেদা, অনাবসু মান্দে, তগৎ তগৎ তেক্লদুনা, ইনভেষ্টিগেসন্দসু অশোযবা, অব্রাৎপা কবিমত্তা ফংদে, নাশিন্নবিবা খঙদ্রেদা ঐ কোক চাক্লেদা, কবি হিদাক থাদোইনো খংদ্রেদা হাযদুনা হাইঙম তৌঙমদবা ডাক্তব অমনা নর্স অমদা হাযবম্বদু ডাক্তব উন্নবা লাকপা ইনাওনুপা যাইমদুনা হেক তাকবদগী মশানগা খবা ফিংবনে, ডাক্তবগী ব্রাহে ব্রাতাদুমক্লে, ডাক্তবদু ঙকথী চপলুবদগী ইবাং অচৌবা অমা থোক্লমগদৌবা শম্নাদা লীৎপা যাওথ্রবনি । উচিন নাচিন্না থেমজিন্নবদগী নেমথখিবনি ।

তশেংবনি ইমা হাযবসে কয়াদা নুংশিথ্রবনো, মতীক মযায কযাদা লৈথ্রবনো, তোযনা নাবা হৌগনবনিনা ইমানা লাযেঙশঙদা লৈখিবদা ঐখোয যূমকাসে পুম্মম মম্মী । যূমদুদা লৈবিবা খূদিংমক থব্রায পানবসু, পান্দবসু মশক, মচু থোক্তবোই নীংই, কনাগী উপাল-ব্রাপাল, হৈপাল-লৈপাল, ইংখোলগী মনা-মশিং ফাওবা থব্রায যাওদ্রবগুম উই । থাবল ফাওবা মুশি মুশি ঙানবোই নীংই । অমবোমদনা ইমাগী হবাও-নুংঙাইবা মীনোক, মকা লাম্বা মাযথোঙ হেক উকবগা অব্রাবা পূম্বা পুম্মাঙ মাঙখি । মৈ থাল্লবসু, থান্দ্রবসু ইমুঙগাসে পূমঙাল ঙাল্লি, উক-উকবা, যেংলু-যেংলুবা খুদিংমক মকা লাম্মী । ইমা নঙমুক নুংশিবা মফম কদাযদা

লৈবিগদগে ? ইমা নহাক শুকশি শিবা য়াবোই, নঙ শিদৌ শকক ঐ শিজগে, অসুম্না পূক্লিংদা খন হিদাক্কী ময়ায়না ঈংনা পোত্থাবীবী ইমাগী মখোঙ পায়বোই নোযবোই তৌদুনা লৈবিঙৈনি । খঙহৌদে, থংনবা কাদগী ওম্ফোক্লা হৌনা মনীংতম্না নোকপগী খোঞ্জেল তাবকখি, নুপাগী খোঞ্জেলনি । খোম্থাং খোম্থাং হাপ্তুনা ওম্ফোক্লা থবায তানা লেপ্পা লৈতনা হৌনা হৌনা নোক্লকখি । কনানো কবিনো হায়না পুমঙক ঙক্লিঙৈ, নুপা নুপী ময়াম পূন্না অমুক হৌনা হৌনা নোক্লকখি। কবিগীনোনে লাযেঙশঙসিদা অসুক মনীং তম্না নোক্লিবশিংসিবো, কবি মতৌনো সিবো, কবম্বা মীওইশিংনোনে মোয়শিবু অশোন অনা লৈবি খঙদববা হাযনা ঙকচাননা লৈবিঙৈ, ইনাওনুপা চঙলক্লগা হাযবৈ,

- ইচৌ অসিগী অনাবসে অঙাওববা খঙদে, ঙসাই ঐখোয়না লাকপদা যাম্না নোক্লক্মী, মাগী মতৌদুদা ময়ামসু পংনোক্তা নোকই, হৌজিকসু নোকখিদুনি। ঐসু হাযফেৎ যেংলুবে, কমাই তৌবিনো খঙদে, মশক মতৌসু যাম্না ফজে । শাওং-শাবানসু ওম্ফোক্লা ফজখ্রে ।

ঐসু যেংনীংবা ফাওদুনা মাগী কাদা চঙলগা হাযফেৎ যেংলুই, ডাক্তব অমদি নর্সশিংনা কোযশিল্লিবা মীশিংদু তাম্ফোক্লগা হিদাক কাপ্পবা মাগী ফমুঙদা ফাজিন পুনশিন্দুনা লাক্লবম্মী । নুপাদু হিক হিক কপ্পী । ঐ অমুক পন্থবমদ্রে । ইমাগী লৈফমদু মফম খবা চাবদা থম্নীংবদগী স্পেসিয়েল ৱার্ডতা হোংজিন্নবা শীনবীনবা হাযজগে খন্দুনা ইমা যেংলিবা ডাক্তবদু উন্নবা হোৎনকই । হল্লকপদা ঙসাইগী অনাবদু অমুক কন্না নোক্লক্মী ।

- হা-হা-হা- পুকনোয চীম্থীবা, নঙ সিদা কৈদৌবা লাকইনো ? হা-হা-হা নবুক মনুঙদুদি কবি ফুম্মিনো, মীগী থৱাযবো, সনাবো, লুপাবো, নোংমৈ মকুবো ? হা-হা-নঙবু মিংশেলগা যেংদ্রো ? হা-হা-হা নঙ লোইবেদো নবুক্তো পোকখায়দৌবে, বাং-বাং .. এ-এ পোকখাযবে, পোকখাযবে, বাং-বাং-বাং ... । মখোল হৌনা হৌনা ঙাঙলম্লগা শিথ শিথ অমুক নোক্লকই ।

নর্স, ডাক্তব চেনশিন্নবকই, ঐসু চঙশিল্লুই, অনাবদুনা হিক্লা হিক্লা কপ্লগা ফমুঙ মথক্তা লেপখৎলগা অমুক লাউবকই,

- নঙদি নবুক্তো অদুম কংঙগা লৈযুকো, মীগী চাকখাউ মুনবা শক্তাথি, নঙনা চাকখাউ মুনবীখিদুনা ঐগী পুকসি যেংউ তু ইশিং শিংলিসে ।

ৱাহৈশিংসিগা লোয়ননা ফুবিৎ তাখত্তুনা চদুম চদুম মাইকৈ ওন ওন্দুনা মীয়ামদা মবুক উৎলগা মপী তানা পংকপ্ত কপ্পী । মতৌদো উবদা নুংশিবা অমসু ফাওই, কপ্তুম কপ্পীংলকই ।

মাগী ফমুঙ মনাক্তা লেপ্লিবা মবূক নোযবা নীপাদু মখোযগী মীহুৎ ওইবমাল্লে নোংমৈ পাযবা অনী'হুমসু মাগী অকোযবদা লৈ । অনাবদুগী ইমুঙ মনুঙগী মী অমগা মবুক নোইবদুগা ব্রাবী শানবা হাযফেৎ তাবকই ।

- কবম্মাইনা তৌবিনো মাগীসিবো । লাইবিক্কা যাম্না ফখিদাইনে মাবো, কযাম কুইবগে সুমাইনা তৌবা ?

- কবি হাযগদবনো খঙদ্রে, ঙবাং নুমিদাংদগীনি মানা সুমাইনা অমুক নোক, অমুক কপ তৌবক্লিবসে ।

- ডাক্তবনবু কবি হাযবিগেনে ?

- ব্রাখল লাযনা ওইগনি, মবী লৈনবা ডাক্তবগা তানৌ, যূমদা থম্মু নৎত্রগা লাযেঙশঙদবা, খূদোংচাবা যেংউবো হাযবে । অদুগীনি কোযচেন চেন্নবীবসে ।

- ব্রাখল লাযনানি হাযবা ! মাদি কবম্না ?

- ঙবাংসে থবক হায়দোকপদা মাগী মমিং যাওবক্তবদগী মথ্বায যাম্না নুংঙাইখিদে, চাকসু চাদে, নুংথিন্দগী তুমিন্না মাগী কাদা থোঙ লোন্দুনা লৈখিবনি। ঙাইহাক লৈবগা পংনোক্তা-নোক, পংকপ্ত-কপ তৌবকপদগী থোঙ ফক্কাযবগা চঙলুবদা তবঙদা লৈবম্বদগী লাযেঙশঙদা পুখৎলকপনি । অদুদগী সুমাইনা তৌবিসিনি । মবাযবক্না যাদববা খঙদে, হন্দক্কীসিগা অহুমসুবনি মাগী থবক্কী হোৎনবীবসে, মশানসু শোযদনা মায পাক্কনি হাযনা থাজজবনি, হন্দক্কীসিনা মাগী পুক্সিগী অবোযবা থবক্কী চাংযেংনি, চহি হেল্লবনি । খঙদ্রে শেঞ্জা-থুমজাগী চৎনবী ইনবা ঙমদবা শেল পাযদবা ঐখোযগী ইবাল তাবদবা ?

মখা কবি হাযনহৌবনো খঙদে ঐ ইমাগী মনাক্তা অদুম লাক্লে । হিদাক্কী মযাযনা তূমদুনা লৈবিবী ইমানা মীকপ থোক্লকপা ঙাইবি । অদুবু পুক্সিগী চৈথেঙ অমনা অমুক-কপ, অমুক-নোক তৌদুনা লৈবিবা মহাক্তুগী মওঙ মতৌদু মিৎসিদা শঙ-শঙ উবি, ব্রাখলদা উংলি, মহাকপু কবম থোক্লগবা ! ❑

'সিবু শোয়ফদ্রবা ইথৌদাংলা

যূমলোন্নবা খা-ব্রাং, মনীং-মমাঙগী ভান, কাব বেসপা, ওটো, এক্তিভা থৌদোক্লবগী মখোল তাই । নোংঙাল্লমদাই পূংজা অহূম তাদৌবল্লে । হাইস ঙসিদি কদাযদনোমা শোযদনা পীবনি । ঐ চত্তবা যাদে । ফুক হৌগত্তুনা চীন-যা শেংদোক্লগা পংনান নান্দবা ফিবোল শেৎচিল্লে, নোংখন ফুবিৎ (বেন কোট), পে (ছাটিন) হাপফম চানা লোইনা হাপচিল্লে, নোং তাবসু, নুংশা শাবসু ঙসিদি শোযহনবা যাপোত্তে, থক্লবা ঈশিং হাপচিল্লে । লানফমদবু লান্মীনা খুৎসু-খুৎলায ব্রাৎপা য়াববা? পূক্লিংদা খল্লি নহানসু ঙাইখৈ ঙাইবগা ফংলক্তে শম্নাদা লিৎখি । ঙসিদি অদুমাইনা তৌবদি শিবা চঙবা খঙদে, লান তৌথগে, খিৎসু হেনমল্লি । খন্না খন্না ঐগী এক্তিভাদু ইম্ভোবকই । ইচনুপীনা মচা অপীকপদু পন্নগা হৌগৎলকই অদুগা হাযবকই

-ইনম্মা খবা ঙনমন্দ্রা, যাম্না মল্লিবা মাল্লি ।

-কদাযদগী ঙনমনবনো । মখোযগী পবেং পবেং লেপ্পীদো অদুদি আ যৌবম্মনি ।

-কদাইদবু পিনি হাযগে ?

-খঙদে চৎলুবগা খঙবা হাযদুনি ।

-মহোয মপানা যূমদা লৈবা ওইববসু খবা ফদৌবা, খঙদ্রে তৌবিসে, অহীংসিদা । ইমুঙসিদা নুপামচা অমত্ত লৈবসু ফগদবা ।

ইচন্নুপীনা তপ্পপ্পা শোলহৌবনি । ঐগীদমক নুংঙাইবীদ্রে হায়বা খঙলবসু মখা তাবমদনা অদুম থৌদোবক্লে । মম্বদুদা খবা কিতক চাই । অদুবু লম্বী অচৌবা যৌবগদি তিংখৎ তিংখৎনা থৌনবম্বা মযামদু উবদা কিবগা ফম্রে । নুমিদাং চাকঙন চাবগা লাক্লব্রা খঙদ্রে, মল্লি মল্লিবদা, মুবি মুবি লেং লেং চৎলদনা কিলোমিটব অমবোম পবেং পবেং লেপ্লবম্মী । মনুঙদা অচৌবগী পবেং অমা, মপান্দা মচাগী পবেং অনী ফাংলম্মী । ফৈবগা যুংঙগা থম্বা মখল মখলনি ঐসু লেপশিল্লে । মথঙ মথঙ ঐগী তুংদা পবেং লেংনবি । যেংলুবদা ফনা তাম্লা উবি। নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌবক্লে । মানা মানা থোকপা লেপ্পা য়াও, ফম্বা যাও, কোইচৎ চৎপ যাও লৈনবি । যাহৌ খবা ঙন্না চা, বোবা, তল যোল্লিবা অমা'নিদুদি ফজনা শিংলমগনি । পূং তকক মখায তাবফাও থাউদি যেন্দ্রি । ঙাইহাক লৈবগা থাউ পম্পগী মীওই লাক্লমাল্লে, লাক্লে লাক্লে পংহাযদা হায়নৈ । কাতু কাবন চৎলিব নুপামচা অমনিদুদা হংলুই ।

- ইবুংঙো মোইসিবু কবম্বা মতমদা যেন্নীগা হাযগে

- পূং তবেং তাবা অদুব্রাইদা যেন্নি হাযবনি নেনে । পুলিসকা লাক্লগা যেন্দোইনিদা ।

মহে মহে মোবাইল মনাদা হাপ্লে । লাকউগা লাক্লনুগা পঙাঙদা ঙাঙনৈ, ব্রাবী পংশা শান্নে । কুইনা উন্নখিদ্রবা, থায়না কলেজ তম্মীন্নখিবা মকপ মপাঙ অমনিসু থেংনৈ, ঙাইহাক ব্রাবী ব্রাতায তৌনৈ ।

- ওজাসু থাউ ঙাইবীবিববা ?

ব্রাহঙ সিমদি খবা তোইবে, ঐনা মশক খঙবসু যাওই, খঙদবসু যাওই, কনাগুম্বনা মখোযদি মমাঙদা লেপ্লি, ঐগীসি মনীং ওইমল্লে, মখোযগী পবেং মবক্তা ঐগী এক্তিভাসি ইনশিনসি হাযববসু যাওই । ঐনা যাদদুনা লৈহৌই। চহী মতাঙসিদা পবেং লেপ্পগী ব্রাহন্দোক খঙদবা মানখিনি কিজবনা মাঙদা চৎখৎপগী খুদোংচাবদু লৌহৌদে, মীনা পংতৌ তৌবনা তৌবনি । যুংনা পবেং লেংলম্বাদু ফৈবপ ফৈবপ তৌবগা খবা থেংলপ যৌনবকপা মাগী মাগী খঙন-চানবশিং মবক মবক্তা যেপশিনবসু কোঙ্গাযনি । অযাম্বনা তৃমিন তৃমিন লৈনবসু খবনা লাংখৎনবকই, কবিগী মবক্তা যেপশিল্লীনো, অহীং তুমদখৈ কাঙ মবক্তা লেপ্লবিসে ফাগীবো, খুদাঙ হেক্তা পায়নৈ, দুপ দুপ থোম্মে । ময়াম চঙদুনা খামদোক্লে । তাল্লকসিদা পুলিস লাকই । মোয় লাক্লবদি য়েল্লনি য়েল্লনি হাযনৈ । অযাওবা থাউ চীংথোক্লবসু য়াওবি, মানা মানা থোকপা ঙম্ন ঙম্নবা তৌদবা যাব্রদো মতাঙ মতাঙগী । কুম্মৈ মতেক মতেক যেংনা যেংনা ঐসু মতম লেনবদো খবা

ৱাদনবা ঐগী মোবাইলদা হাপ্পা, থৱাযনা তাজবা অবীবা, হীন্দীগী অমদি মীতৈলোলগী ঈশৈদো তাবি। যেনবা হৌবমাল্লে, অমুক অমুক মবী মবী ইন্নে, অমুমুক লেপ্পে। পম্পদা পীবগদি উবা ফংদে, তামখিবনা।

ঈশৈ তানা তানা ঐগী কোকসিদা মনীংতম্বা ৱাখল খবা মকোল শাবকই। নুংঙাইদৌবিদা লৈবাকসে। সিবু কবম্বা লৈবাক্তা তৌনবিদগে, হে লাইবৈবাক সনালৈবাক লৈমযোন, নোংপোক্কী স্বীটজবলেন্দ নঙবু কবম থোক্লগবা! মীকূপ অমগী মতম ফাওবা মাঙহন্নদনা চাউখৎ লমজেল তান্নবীবা মতমসিদা অসুক যামখ্রবা মীযামসিনা অহীং নোংযাইদগী অসুক কুইনা মাঙলক্লিবা মতমসে ওস্থোক্লা পাম্মূখ্রেদা। ঙসিতা নত্তে, ঙবাংদা নত্তে, পম্পসিমতা নত্তে। কযাদা মাঙখ্রবা মতম্লো? লৌবু শুবসু, ইংখোলবু শুবসু ফনযাম শুবনি, মচা মশু লাইবিক তাকপীবসু ফনযাম তাক্লনি। ওস্থোকপা মতৌনি। চহী খুদিংগী থা অমনিদি থাউগী পবেং লেংবসি শোযফদ্রবা থৌদাংগুম তৌনবক্লে। থাউ পম্প থোঙ লোনশুবসু মচু মচূগী পেট্রোল থাউ মথা মথা ফোংনা যোন্দুনা ইমা লৈবাক্কী তোপ তোপ্পা শক্তম তাক্লীবসিবু চাউখৎলিববা? শেলসু হেনজিনবা, হাপ্লুবগসু ইঞ্জিনগী নিঙাই থেম্বদসু অৱাবা ওইনবি। মবৃক্তি ফখ্রেদকো লমদমসিগী মীযামসে ঐসু যাওনা, কবি লাইনবু শাবকপনো, ৱাবসু ৱাদবা মান্না পংহীংদা হীংনৈ, চেক মোক লাউনদে, তুংগীদি কনানা খঙনি, হৌজিক হৌজিক্কী লেনখ্রগা লোযবে খন্না পঙলৈ লৈবা মাল্লি। লৈবাক্কী মীহুৎ লৈঙাক্লোয, ফমজাও কোনবা, যাইতোঙ ফমদোঙবা মযামসিসু নোংমৈ পাযবা থৌগল্লোয মযামদুনগা থৌগল তৌবগা সিগুম্বা পবেংসে লেপ্লববদি ওস্থোক্লা ফজবনিদা! নুংঙাইবনবু অৱাবা খঙগদ্রা?

কূম্মৈ মথেল অমা উবকই, চহী কযা থৌনদ্রবা বেসপানো খঙদে মী অনী চঙদুনা হুমাং তাবমখৈ ইল্লগা থাউগী পবেং যাওবৈ। অশীবা মীনা হীংগৎলগা মীখল যাওবীব, মীহুৎ খল্লিবা লমদমসিদা থৌবা যাববোইদবা, যোনবদা শিংকদৌ মান্দবা বেসপা অমনা থাউগী পবেং লেপ্পা যাওবববু কবি কাযবগে? লেপচসনু। লম্বীদা থাউ মথা মথা যোল্লীবশিংদুসু থাউ পম্পকী ইমুঙ মনুঙ যাওবম্বসু কনানা খঙবা! মখল মখা যান্নবা, লম্বী অচৌবা থীংবগী মওঙ, মীযামগী অথীংবা খোঙজঙশিং খবা তোযনা তৌববদি ফগনি খঞ্জবা কযাসু লৈনবম্বা যাই। শাউক যাপোৎলা, হৈজ হৈজবনি। হীংন হীংনবনি হাযগদ্রা? মপূ পান্দ্রে লৈবাকসে।

মীযাম মবক্তগী খোঞ্জেল অমা তাবকই

- হৈমা অসিগী অনীসিনা তৌবিসি কবিনো? মীনা তৌনবিগাসে উদখৈ নোকফেৎ নোকফেৎ চীকথনবিবসিনা।

অমনা অমুক খুন্নকই

- মীসু নুংশিনজবিনি কৈনো, অদুম থম্বীবম্মু, মবাই লৈজহৌনি, থৈবগা অদুম ইল্লু ঙাঙদ্রসু ।

নুপীমচাদু মযাম্না ঙাঙনবিবদু তাবমাল্লে, লেপমীন্নবিবা নুপামচাদুদা ষ্মুটবদু ইন্নবা ইকাযবপ হাযবা মাল্লি, নুপামচাদু মমায ঙাঙলপ তৌনা হাযফেৎ কোযযেং যেংলম্লগা মাগী ষ্মুটবদু ইনখৎলি । ওম্বোক ওম্বোকপা মতৌনি । মখোযসু থাউ যাওদনা কোযবা চৎপদি যাব্রদো ? কেমেবা অফবা অমা পাযবগা ফজনা, মওঙ তানা মমি শক্তম লৌহৌবদি উবিবা মযামসি মমি কুম্মৈ ওম্বোকপদা কবিগী ফজবোই । হযেংদি কেমেবা অফবা অমা লৈকবসিবা খল্লি ।

- হৈমা ! নঙসু যাওবিবো ?

তোযনা তাগ্রবা খোঞ্জেলনি, ফৎ যেংথোক্লুই, যাম্না থাজদে শক্লাযববী, মমি কুম্মৈ শক্তম লাংবী ইচেম্মা অমনা ঐগী নাকন্দা মাগী ঙৌকনবা নাল্লবা সেন্ত্রো কাব মনুঙদগী মঙক খিত্তং লৈথোক্লগা ঐবু কৌবকপনি ।

- হৈমা ! ইচেম্মা যাম থাজদেযে, ইচেম্মসু থাউগী পবেং লেপ্পা তাবববা?

গাবীদগী কুমথ কুমথ হাযবকই ইচেম্মনা,

- কৈদৌনি ইবেম্মা, লাইবৈবাক মণিপুবদা পোকচমনগী ফংজবীবনি । তস ! সি হাযদদি কবি হাযকনি ।

যাম্না পকচনা শিথ শিথ নোক্লকই । কযাদি ফজখ্রে । পৈবপ, কোন্নপ, চাউবপ পুল্লিবা শম্বুলদুনে, শুমহৎযাই পুববী নীংথীবী মাযথোঙদুদা লংলবা যাতোন খবা খবা উবদুনা নোক্লকপদুদদি, মতৌদুদা ঐফাও ইঙাও ঙাওই । অনকপদা লেপ্পীবা মখোয অনী অহুমসু ইবানিগী ব্রাবীদুদা মতেঙ পাংশিল্লকই অসুম্না

-অওইবনি মোই আ অমেবিকাদা, চিনাদা, জাপান্দা অসুম্না থাউ পবেং লেপ্পসে ফংজপোৎ নত্তে, লৈবাকসিদা পোকচবগী ফংজবনি ।

ফাগী পুবা ব্রাহৈদুদা অতাবশিং নোকমিন্নৈ । ইচেম্মদি মাগী মপা যৌবক্তুনা মাঙ খবা ওইবপ্পা থৌগৎখি । খবা লাপ্পবে । ব্রাবী লেপ্লে । ইচেম্মগা মাগী নাল্লবা নীংথীববা কাবদুগা কযাদা চানবিবা, শুমহৎনিংঙাই, ওইবা শকওং শাবান, নীংথীবী মশক্তুগা কযাদা চুননা ফজবিবা । ঐগীদি কদায? কেববসু কেদ্রবসু অমহাই অমহা তাববা, নোংমত্তসু ফজৌ যাদ্রবা, মিংশেল য়েংলুবদা

ইথন্তা থম্মোয কাযজবা, তাইনফম খণ্ডদ প্রোক প্রোক চাকচবা, অঙাঙশিংগী তম্ন লাইবিক্তা যাওবা যেলহৌঙেগী ইপা ইপুগা যাম্না নকশিন্নবা মানবা ইশক ইতৌ, শকওং শাবান, যোংহাওনববা কুচুসিগা, লমজাও লম্বীদা থাদোকপা ষন অঙাওবনা ব্রাইথাইবীদম্ব লী কোশনা যৈথোকপদা ফিভম কাযববা, মমিং উনা উনা তাঙলবা ওটে অর্মদি টান্। অমুক অমুক থৌগল তৌবীবন্নবা, মী খ্বায এক্তিভাগা মান্নদ্রলা, নুপ্তগী লৈ মমাংগী পোথোক মান্নবা ঐগী এক্তিভাসিগা ঐগবু ফনা চানদ। হোইদ্রে কেদৌনেগে ঐনা ঐনি, মানা মান, সিবু ঐনা তৌগে তৌববে, থীববে, লাখবগে লাযববো ! ইথন্ত থেমজিগ্গে পাম্বে লৈতবনিনা। নোংদম্ববুদি খবা ব্রাবৌদম তৌবই কৈসু কান্নবোইদনদা।

উচিন নাচিন্না ঐগী মাঙদা মী কুম্মুক্তা ঙাইশিল্লক্নে। যৌদি যৌবক্কদৌবে খন্না ঙাইবি। পৃংনা মবোল অম লমজেল যাংখৎলকই। ঙাকশেল ফিজোল শেংপনা তোংবা, জীপসি অনীখক থাউ পম্পদা থৌজিল্লকই। খৃদক্তা থাউ হাল্লী। অমদি মী যাম্না তোংদে, থাউ হাপ্পবা অচৌবা কোন (পাত্র) মযাম মনুঙদা থাওবি। ঙসাইমখৈ ঙাইবিবা মযামদু কবি ওইনা উকববনে খভদে, মখোযগী থাউ হাপ্পনা কোন মযামদু থন্নবা থাউ হপহল্লি। খেযদৌ শাওগৎপনা থাঙবা ঙমদ্রে। চঙশিল্লগা থাউ উতোংদু শক্তোক্লসিবা কাওবা খল্লুই। অদুবু ইদোম ফাজিঞ্জবে। অতৈসু মকম মুকম শোন দূনা পেন্দবা যোংদোক্নে, মখোয তানবদি নত্তে। চাক্লগা লম্বনে, নুংশাগা হাইগৎলকপনে, শাউনীংবগী শাউনীংবা ঙাক্তা। থেঙলবসু থেঙনা মহৈশঙ চংকে খল্লম্বনি, পৃংদি অমা তাদৌবক্নে। তৌগদবা ইথৌ পৃম্নমক থাদোক্লগা সুপ্লতগী থাউ লিটব অনী/অহুমগী খোইদৌ শাওগৎখৈ মতম মাঙলীবসে মণিপুরদা পোক্লুবা ঐখোযগী লাইবক্তা তম্নম্লব্রা ? লৈবাক্কা লম্বী অচৌবা ঙাকপা ঙম্বা, লম্বী যহনবা ঙম্বা, লৈঙাক মপু সুকলৈমক লৈববোইদ্রা? তৌফম থোকপা ইথৌদাং থাদোক্লগা মতম অসুক যাম্না মাঙনবীবা অসিবু ইথন্তা নত্তে খন্না অদুম পেন্থোক্লসিবা? ঐনা ঙসি থাউ ঙাইবদা তাকপীখিদবা লাইবিক, মহৈবোযশিংগী মবাইবক্তা তম্বনি হাযগদ্রা? মহৌদি কনানা ফংহৌগনি। অসুক যামথ্রবা মীযামসিনা অসুক যাম্না মাঙনবীবা মতমসিগী তেকচাক কনানা ফংহৌগনি? তৌফম থোক্রুবা অসিগুম্না থবকসিদা অসুম্না মতম মাঙনবীবসি ইবমদমদা পোকপা ঐখোযগী পন্সিগী শোযফদ্রবা ইথৌদাং ওইবদবা ? চবম ফুনগৎলকই। ❑

ভাওরবসু ভাওম্নানি

ফাইবেন থাগী অঙনবা অযুকনি । মীযামগী মীহুৎ ওইনা লৈঙাক থৌদা পুবা যাওবীবা নোংথোল (মিনিষ্টব) লমাবা নুংতিগী মতৌগুম্না, মীচম অমগী যুম মানবা মাগী যুমগী ইংখোলদা হৌবিবা মনা-মশিং, এনশাং-নাপী অমদি শুমাঙ অকোযবদা হৌবিবা লৈ-শু পাম্বী ঈশিং চাইবি । নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌবকপদগী চাইবা হৌবকপনি। মবক মবক্তা খুদাং থাঙ্গত্তুনা মতম যেংই । মতম লীক্লা শীজিন্নবা, নোংমগী থৌদাং চাং নাইনা পাঙবা মীতানি ।

যাহৌ থেংগনবী, মতম পুম্নমক্তা থোংনা নৌনা ঙাঙবা হৈত্রবী, ঈশৌ লাংলগতা পকচববী মাগী লোযনবীনা থোবক্লগা খোঞ্জেল যাক্লপ অযুক্কী য়াকাযবোল শকথবকই

-মখোয মপা ইবুংঙোনা তৌবীবিসে ঐ যাম্না পেন্দেকো, পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তা, খল্লু খল্লুবগা ঐনে যাম্না শাওনীংইকো, কৈকান্নো তূমিন্না লৈবগেনা লৈববনি খাঙবা ঙম্মক্ত্রেকো ঐ । ইচানুপী অমখক যাওজবসে লুহোংনেনা তৌবিসিবু কবিবু নুংঙাইদৌবিনো ? ফাগী ফাগীদগী ঐ ইচিং লাক্কনিকো ।

মাগী নুপীনা ঙাঙ্লীবদু থোইনা নাচুঙদবা মান্না মাগী তৌগদবা মথৌ তৌদুনা সুম লৈবম্বা লমাবা তাবা ঙমদ্রমাল্লে হায়বকই

- অযুক অঙনবসিদা নঙনা লব্রাই লেম্ফদা হেক্তো লাক্লকইসিবু কবি ওক্লকবগে মমা ওইবী নঙবু । অমুক্তা তুমিন্না লৈযু, ঐ ঈংনা চীক্লা থবক খিত্তা তৌগে ।

- মপা ইবুংঙো, তীন অমুক্তা যোখবীযো, ঐনা চীনগনবী, শাউগনবী ওইবিবসে কবিননো মবমদো থিবিযো ।

- হায কবিনোনে মসিবু, ঈংনা চীক্লা মবৈযু কেদৌবগে ? নচা লুহোংগদবা খজিক্তং ঙাইশিল্লক্লে, শেগা মাযগা তাথোক তাশিন তৌগদবা মতমসিদা নঙনা ঈশৌনা মাঙ থাবক্লিসিনা কবিগীনো ?

- মপা ইবুংঙোগী মতৌসিদবু কনানা ঈশৌ লাংদনা লৈবা ঙমগদৌবিবনো। ঐনা লাংগেনা লাংববো সিবো ? মখোয মপানা নত্রো ? ঐসু যাম্না ঈং তপ্পী ওইনীংইবনি ।

- ঐনা কবি তৌববগেনে মমা নঙবো, লৈবাক্কী চীল্লবা থৌবম মবকসিদা ইচা লুহোংনবা থৌবাঙ তৌবি, লাঙলি, চেবাউ চৎপা লোইবে, শোযদনবা হোৎনবি । নঙনা কবিগীনো নুমিৎ চূপ্পগী শুক্তোকপগা, পৈথোকপগা, খোন্দানা মবোল অমা থীবিবা, অদুগী শব্দকপুদি থৌবম পূন্বা অশোয অঙাম যাওদনবা নবুক নবা তপ্পা লাইনীং পবৈ চেৎলু, নুপীসে যূমলৈমনি কাউনুকো নঙ মমানিকো মমা।

নুপানা চৈবেনা হন্বদি হাযকনু মাগী লোযনবীদু, মখা চত্থবকই

- মমা ওইবদুনবু হাযবিবসিনি । মখোয মপা ইবুংঙোগী মাযদুবু লুখমদা পানবীববো ? মখোয মপাবু মীচল্লো ? লৈবাকসিগী ফমজাও পাযবীবা, লৈঙাক থৌদা পুবিবা, মীযামগী মীহুৎ অমনি কাওবীববো ? কবি থোকএনা তৌজশাবিনো । পাঙদুম ওইনা তৌবদনা ।

- ঐ লৈবাক্কী লৈঙাক 'থৌদা পুবি, অমবোমদা মপানি, ইচা শেল্লি, ইচা লুহোংনবসু হোৎনবি । ইথৌ থৌদাং পূম্নমক পাঙথোক্লি । সিদা নঙনা অদুক চবাঙনবিবদু কবিগীনো ? খবা ঈং তপ্পা তম্মুনে নঙবু ।

- ঐসু ঈং তপ্পী, লিবি খোযবিবী যাম্না ওইনিংইপোৎনি । ঐনা ঈং তপ্পা লৈবা ঙম্নবা লশ্বী মখোয মপা ইবুংঙোনা কবম্বা মতমদা পীবীখ্রবগে ? ঐগী অনীংবা, অপাম্বা খঙনা মখোয মপা ইবুংঙোনা কবি তৌবীখ্রবগে ? ঐগী ইমায খূনবা ঙাক্তা, ঐদি ইমাযসে থম্ফম লৈত্রে, লুহোংবা নুমিৎকাদো লাকহন্নীদ্রে ।

- নঙগী নমায খূনবা ঐনা কবি তৌবদনা হাযযু হায়যু নঙ ৱাঙাঙ যাম হেনমল্লেকো মমা ।

- হো লৈঙাক থৌদা পুবিবা নোংথোল (মিনিষ্টব) অমগী মচানুপীনে লুহোংদৌবিসে । কবি অওঙ অউন তম্বীদৌবিগে ? মীগী মযূমদুদা ইচানুপীসে মমায থন্ফম লৈববোইযে । মখোয মপাবু নশুং নমান্নবা মযামগী মচা মশুগী লুহোং-খোঙদোংবা ফনযাম চৎপীদাইনে। কবিমত্তা খঙবী উবীবক্রা মী খ্বাযনা তৌনবিদো ।

- এ, এ, অউনপোৎকী ওইবে নঙনা ঙসাইমখৈ কোচি থাংই মযামসিদি। হায মমা ওইবী নঙসে ওম্ব্লোকপনিদা । মপা ওইবা অমগী চপচাবা ইথৌ ওইনা ইচানুপীসি মহৈ-মশিং মতীক চানা হৈহল্লে, ডোক্তবেট দিগ্ৰী অমা পাযজবগা লোযননা মপুন্সিদু হীংনবা থবক মচা অমসু পাযজবে । অউনপোৎ হাযববু সিনিনে।

- থবক্তুবু মখোয মপানা তৌহনবীববো ? মশানা থবক্কী চাংযেং যাওবদা ফংজবদুবু, ৱাচৎ ৱানোম তৌবোই, শেঙ্গা থুমজা তৌবোই হাযদুনা ইচানুপীসিফাও মশাগা চানবা থবক অমফাও হাপ্তবা মপা নঙবো ।

- ইহে ওম্ব্লোকপা মমানিদকো নঙসে । কবন্বা মতমদা ঐগী ৱাখল্লোনসে নঙোন্দা খজিক্তং ওইববসু ফাওবা ঙমগবা ! মশাগী মহৈনা মায পাক্লা থবক ফংজবীবদুনি হোৎনজমনগী মহৈ হাযবদো । মসিসু ইচানুপীগী অউনপোৎনিনে মৈনা, ঈশিংনা মাঙহনবা ঙম্লবোইদবা ।

- ও ফবে ফবে হযেংনে অউনপোৎ চীংবা টাটাগাদু যাম্না লাক্তনবা হান্না হাযবীখো । লৈঙাক থৌদা পুবিবা, অচৌ অশাংগী মচানি হাযনা মীগীদি যাম্না লাক্কে হাযবনি, ইহাঙ হাঙনা হনখিবা ইকাযদ্রা '?

ঙন্তা হৌগত্তুনা অযুক্কী থবক ইনখাং লোইশিল্লগা মপা ইবুংঙোগী শেৎন-ইন্নবা ফি-বোল কোনযাই তক্তুনা লৈবিবী মচানুপী মেমথোইদু তাবা ঙমদ্রমাল্লে, মাঙ্গোল থোবক্লগা হাযবকই ।

- ইমাসু, পাবসু খিৎ তোকপিধোবা কৈদৌগে, ঐ তাবা ৱাবেদা । খিত্তসু খন্থনবদি ফদৌনি । অদুমাইনা ইমুঙ মহী লাংনদৌ লৈবদি ঐগী লুহোংবগা তোকপিবো । মীনা কবি হাযনখিনি, ঐ ইকাযজৈ ।

- অদুনি অদুনি ইমানা হাযবিসে ইচাগী পূক্লিং খঙলগা হাযবীবনি । নপানা লাংইবা অউনপোৎসে ইচানা পেল্লম্লোই হাযবা ইমাদি খঙইদো ইবেম্মা । নপাসে চৎনবা খঙদে, ৱাখল খন্থদে ।

- ইমাসু খিৎ তোকপিবো । ব্রাখল খম্বুগদৌবিবসে ইমানি, পাবা নত্তে । পাবনা হাযবিসি কবি লাল্লগে ইমা । লাঙবীবিবা অউনপোৎ খবসে যাম্মু যাম্মল্লবনি। ইহৈসিগা থবক মচা অমা ফংজবিসিগা, সনা খবা শিজবিসিগা সি মঙাই ইমা । ঐখোয ব্রাখল খবা খম্বুমীন্নবা ফববনি ইমা । অউনপোৎকী লমজেল কবিগী তান্নকুগদগে ?

-ই ! কযাদনোনে যেংউসে, মপাগী মীচঙগা চংঙদনা, মখোয মপা মচা মান্নদনা ঐবু ফত্তবী তাহল্লিসি যেংউনে । লৈঙাক থৌদা পুবিবা কযাগী মচা মশু লুহোংবা ইমাসু ফনযাম যাওবে । কনাগী জীপসিও কাবও, মমল অযাম অয়াম্বা উপু কাংথোল, কোল্লিক লৈতেং, ফিবোল, সনানা তেকথখৈ উন্নবিনি । অদুগা ঐখোযগীনা মীচম অমনফাও হেন্না উল্লি । মপা মচা পূন্না ঙাওবেনা সিদি । ঐদি ইমান ইমান্নবীশিংগী মমাঙদা ইকাযদৌবিদা ।

মমা মপাগী চীন্থক্তা থোইনা খুমগনবী মচানুপী নত্তে ঙসিদি মমাগী মবম চাদবা ঈশৌ খুৎলাংসিদা খুমদবা ঙমদ্রমাল্লে, অমুক খুন্নকই তুমিন্না লৈবীবো ইমা । অঙম-অথৌ মচা, অচৌ-অশাঙ মচা লুহোংবদা অউনপোৎকী লমজেল তান্নবদো ঐদি যাম্না ইকাযজৈ । ইপানা মীযামগী মীহুৎ ওইবিবসে ঐখোযনা অউনপোৎকী লমজেল যাওনববো ? অউনপোৎকী নোংলৈ শহুমদা লাযববী চনু নিঙোল কযানা মীৎলু পিবাং কংনদ্রিবসে ইমাদি উবীদ্রববা ?

-কবিগী উফম থোকপগে ? মোযনা মোয, ঐখোযনা ঐখোয, ঙমজবা ঐখোযনা উনবনি, ঙমদবা মখোযনা তোকসনু । মীযামগী খনবি ইবেম্মা মপাগী মচানি হাযবদা ফনবু পকচবিনে । নপা নচা হেক হোংহৌবো, লুহোংবা নুমিত্তা কদাইদনো চৎচখ্রগে ।

ঙসাইমখৈ মচানুপীনা মহুৎ শিনখিবদুদা খবা শাফবে খল্লম্বা লমাবদু ব্রা ঙাঙখ্রগা লোইশিনবা হৈতবী মাগী নুপীগী মতৌদুদা কান্নববোই খল্লদুনা মচানুপীবু থেমজিল্লকই,

-ইপাগী ইবেম্মা চংলো চংলো । নমাগা মান্নকনু, ইচাগী তৌগদবা নথৌ তৌকবো । নমানা থোকপা ঙাঙজবসনু । ঐখোযনা ঙাঙবগা লৌগদবা মীদা নত্তে । মপোক্কীনি শেমদোকপা যাববোই । সুক কুইনা লৈমিন্নবকপসে ঐগী অপাম্ববোমদা মহাক খজিক্তফাও চংশিনবা ঙমদে । ঙাঙজবসনু ঙাঙবা ব্রাবগা মবাইনা তোকচখিনি ।

মপা মচানা অমণ্ডা ওইনা লেপখ্রবদা মাগী অশাওবা হেনগৎখবে মখা অদুম শমথবকই খোঞ্জেল যাকপা হেল্লকই

- ঙাঙ্খিনি শুক্তোক হেক তোক্রোই, ঙাঙ্ক্নীংঙাই যাম্না লৈ। লুহোংবগী লৈশাবীগী চেবাউনেনা তৌবিদুনা লুজখিদ্রিবা, অদুক যাম্না চাওখত্তবা। ঐখোযদা মীনা তৌবকখিবা মযামদো ফজ ফজবা, অতাঙ-অতাঙবা, অবঙ-অবঙবা, সুক সুক থাবা ঙাক্ত, অদুগা ঐখোযগীনা পদ্রং পদ্রং, মীনা মুশুক মুশুক ঙাঙনবম্মনি। কদাযদগীবু থীক্ববনো মকু ইবুংঙোগা ফনবু চানবিনে, অদুক মওঙ তাদবা। হলহলগ তৌবসু নচানুপী ইবেম্মাসনা শিবগে মখে যাদদনা হনখিদ্রেদনা।

লম্বনা হযবকই,

- মমা নঙসে কাং দবদা বাযাম চাঙদুনা মতম হেক মাঙহল্লি। কবি কল্লদোইনো চেবাউদা শেল হেল্লা তংহল্লগা। মফম, মতম, থৌবমদু খঙহল্লগা লোইবে। চৎলো চৎলো নথৌ তৌকবে। ঐ থবক লোযনা কাযদ্রা তগে।

- চংখিবোই ঐ যাম্না পেন্দে হযেং লুহোংফমগী লৈতেংসিন কমাই তৌদোইবা। মখোয মপাগী হৌনবা পুকোক কোকপাদু তৌদোইবা। মীগী লাক্ক অহুম মবী চঙহনবাদু নত্রবসু ঐখোযগীদি লাক্ক অমা-নীদি চংহন্দবা যাদেকে। ইচা যাম্বস নত্তে, ইচানুপা অমণা, ইচনুপা অমগা অনিসিদনি।

- লৈতেংদা কাহেন্না চংহল্লগা কৈদৌদৌবিবা! লুহোংফম অমগী শেম্ফম থোকপদু খবা শেম্নগা লোইবে। চৈ চৎলো, ঐনা লৈঙাক থৌদা পুবিবসে ইতু-ইচা, মবী মতা নুংঙাইথোক্লবা, অচাওবম কানবা নত্তে, লৈবাক মীযামগী কান্ননবা খিত্তা তৌগেনা ওইবীবনি। চৎলো চাক্কুম থোংলুবো, থেংঙে।

- থোংলোই, চাক্কা থোংলোইযে, মী খ্বাইগী অচৌ-অশাঙগা নুপীদি চাক থোংবদি হাযবদ্র, মখুৎফাও মীনা হাপ্নী। মীনাইও মীশনলো, ইমাইবেম্মগা, ইনম্মবেম্মগা মখোঙ লৈবাক তাহন্দে। ঐগীনা কদায ওন্থোকপা লাইবক্লীদকো। তাইবঙপান শেবাৎনবা অঙাওবা অমগী নুপী ওইকবসে। থবক চৎলে মাগী হান্নগী কাব অমনবসিদা অঙাও লাই চুবদনা।

মথ্বায শোকপা মতৌনি ঙাঙনা ঙাঙনা কপ্লোই লাওবোই তৌবকই

- হায ব্রাখল খন্দবী, ঐনা পাযবিবা ফমসে পিবাফম নত্তেনে, মীযামগী মীহুৎ ওইদ্রবা মতমদা ঐসু মীচম্লিনে, ঐনা তৌবা ঙম্বা থবক খবা তুংগী মীযামগী তৌবমগেনা তৌনি, ঐনা কান্নদবদা লৈবাক্কী শেল শীজিন্নথোকপগী ব্রাহম্থোক লৈতে। নঙ চংঙো মখা তাবক্লবদি নাতৈ কযা চাববোই।

অ ... হ্ ... ম, ... অ ... হ্ম, ...

অহল অমগী খৌদেম্বগী খোঞ্জেল অসিনা অৱায়-অখুমগী লান মচাদু চপ লেপখি। লমাবনা কৌই.

-মাম্মো লেঙবীবকই, ফিদা সিদা লেংশিনবীয়ু। মাম্মোগী শঙ্গোম পুথোবকউ মমা।

-য়াবে য়াবে। হুজিক্তা য়ূমদা থক্লকপদা ঙাইহিবি। অনীবক হনবগা য়াপোত্তে, চাক চাবা য়াবোই। নহা ওইবিভৈদবুদি পংথক থকপা, পংচা চাবা য়াবা, অহল ওইববনিনা য়াদ্রেনে।

-অচুম্বনি মাম্মো। মাম্মোনা লেংবীবকপবু কবী থবক্কীনো মাম্মো ?

-নহান অহল ওইবশিংগী পোত্থাফম হৈকোল লৈকোল অমা শেম্বগী মতাঙদা মাম্মোনা হৌদোক্লম্বদুগী মতাঙদুনি। ইচানুপা য়ায়মদো মাগীদি মপান্দা লম অমা লৈজবে, য়ূমসু শাগ্রে। থবকসু আদা তৌববনিনা নুপী অঙাঙ পূন্না অদুম লৈখ্রগে হায়বে। অদুনা ঐনা মাগী থুংবীবা লৌফমদো অহলশিংগী পোত্থাফম শাবীবো, লমদো মহাক কৎচবগে হাযবেনে ইবুংঙো। মদুদা নুংঙাইমনখ্রদনা ইবুংঙোগ কবি কবিনো খবা তান্নগেনা ঙসাযনা লাকচববনি অদুদা ...

-অদুদা কৈদৌববা মাম্মো।

-মমা ইবেম্মগা কবি কবিনো মযাম ঙাওনবম্বদুদা হেক চঙশিল্লকপা ঙমদদুনা থোঙ্গান্দা ঙাইহাক লৈকবে। ৱাবী ৱাতায়দু সুম নুংঙাইবক্লুনা চঙশিল্লক্লবা।

অহলদু লাকপদগী ৱা ঙাঙনীং ঙাঙনীংনা ঙাঙবা লেপ্পুববী মমা ইবেম্মদু তাঞ্জা লীৎহন্দনা মীচঙ খোল্লপ তৌনা অহলদুদা অমুক ওনশিল্লকই

-নুংঙাইত্রা মাম্মো ৱাবীদো। তাইবঙ শেবাৎনবা মখোয় মপা মচাগী মবক্তা নমৌদি য়াম্না ৱাইদা মাম্মো। মী খ্বাযগা মান্নদেবো। মী খ্বায়গীনা নোংমৈ পায়বা মযাম্না ঙাক শেল্লি, তুং-মাঙ শেন্নে। মানা মদুসু তৌদে। হায়রুববসু ঐবু নীংথী নুংঙাইনা ঙাঙবীদে। ঙাওদুনা চৎতোবব্রা খঙদে, চম্মীনি হায়দুনবু নোংথোল (মিনিষ্টব) গা মানদ্রেবো।

অহলদুনা চীং লেম্না খুন্নকই

- মান্দবসিনবু ফৈদা ইবেম্মা। মাম্মোহোযনা পামজবসু সিনিদা। নোংমৈ পায়বনা নাক যেৎ মাঙ-তুং শেন্নবগা চৎপা মখোয়সু নোংথোল (মিনিষ্টব) মওই, কনামত্তা শেন্নদবা মথন্তা শোৎ শোৎ চৎলিবা ইবুংঙোসু অসুম মওইবি। সিনবু

ফৈদা ইবেম্মা । ঐ ঐগী ইবমদমদা, ঐগী মীয়াম ইমা ইচা মবক্তা ইথৌ চৎপদবু কবিগী ঙাক শেনগদৌবীবনো, ইবুংঙোনা তৌবিবসি ফববনি, লৈঙাক থৌদাবোই অঙম অথৌ লোইনমক সুমাই তৌববদি ফনি । মীগী লমদদি লৈঙাক পুবেলফাও মীচমদৌনা মীচম মবক্তা অদুম চৎলি, নোংমৈ পায়বনা ঙাক্তে হাযদুনা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেদকা ইনখিবদো । অদুম্মাইনা ঐখোয় লৈবাকসে কৈদৌঙে তৌবক্কদোইনো ঐখোয় ইবুংঙোনা তৌবীবসে ঐখোযদি থাগৎলিনি ইবেম্মা ।

- অদুদা মাম্মো ইবাং কনবা লমদম্লীদো, নোংমৈগা হেক কাপশিল্লক্লো, শিব নাবা শোক পনবা থোক্লবদি ইমা ইচা ঐখোযদি মাঙজবোইদ্রো মাম্মো ।

- এ ইবেম্মা, পংকাপ কাপ্পা, পংপান পানবা, পংশি শিবা য়াপোভ্রেদা । শিবু শিযু হাযববদি ইমুঙদসু অদুম শি, পানবু পাল্লু হাযববদি ঙাক্লা ঙাক্লা, শেন্না শেন্না অদুম পান্নবীবা, শিনবীবা, শোক্লবীবা অসিনি ।

মীচঙ ফংলবা লমাবনা ৱাপাঙলকই,

- অদুনি মাম্মো ঐনা খঞ্জবসু, মখোয় মমানদি ইথন্তা চৎলেনা ঙাঙবনা লোইবে । ইশাগী, ইচাগী তুংগী খন্দে, লম-থুম পৈশিন্দে, মীগীনা মযূম ৱাংখ্রে, লৌ লৈখ্রে, লম লৈখ্রে, পোৎযোনশঙ লৈখ্রে । কদায কদাযদগী ৱানো খঙদে, ঐগা ওহ্মোক্লা চানখিদ্রে ।

মীযাম থেংনববা অহলনি । অমসু অমসু কাযদনবা হৈনা শিংনা ৱাতেম্লকই

- এ এ ইবুংঙো হাযজসনু, ঙাঙ্জসনু, মীনা তৌনবদু উদুনা, খঙদুনা ইমৌ ইবেম্মনা হাযবীবা মওইবীনি । মাসু মীযামগী মীহুৎ অমগী নুপী হাযবদু ওইজবীনিদো, অমবোমদা মীওইবনিদো, অপাম্বা হাযবসিসু নোংদম্বনা ঐখোয খ্বায়দা পীনবীবম্লবনিদো । কন্নসু শাওবীকনু, অসুম অসুম ফজবক্কনি ।

- অদুগনে ইবেম্মা তম্পাকলৈমা, মীযাম্নদি ঐখোয় ইবুংঙোসে য়াখ্রেদা। মহাকথক্তগী তোতি ঈশিং থকপসু ফংনবে । নহানমুক মহাক্লা মীহুৎ ওইবিঙৈদা মনীংগী লৌখোঙদু তৌবীবম্বদগী কুইনা ঈশিং থুমদুনা লৌপানবা যাদনা শিত্তুনা লৈকববা লৌফম কযাদু হৌজিক্তি ঈশিং কংথখিদুনা লৌ উবা যানবেদো । ফৌ চবোং জুম জুম পাল্লেদনা, কোক্তা খুৎ হাপ্লম্বা লৌমী মযাম হবাওনবিবা ময়ামসিনি।

- হোয হোয মাম্মো অদুবুদি চুম্মী । অনীশুবা মীখলদুদসু ঐখোয শেল ইতীং তীংহৌদে মাম্মো, খোম্নকবসু লৈতে । মযাম্না চেং ফৌ পুনবক্লগা মীখল মমাঙগীত নত্তনা মীখলদা মায পাকপগী চাক ঈশিং শিনখ্রিবনি । মীযাম্না হৌ হৌ তৌবীখীবনি ।

- সিদা নত্তেদো ইবেম্মা, নোং তাবগা লৈখোম্লা চৎপা য়াবমদ্রবা, নুংশা শাবগনা উফুল হৌবনা লোইবল্লবা লম্বী ফনয়ামসু ইবুংঙোনা শেম্বীদুনা ময়ামগী অৱাবা খবদি কোক্লেদনা। অদুগা ঐখোয় লৈবাক্কী ঙমখৈগী ৱাথোক্তুসু ইবুংঙোনা থৌনা ফুদোক্তুনা কন্না হোৎনবদগী হৌজিক্তি ৱাবোইশিন অমা লাক্লেদনা, ইবমদমগী লম মাঙই, মাঙদেগী ঈহৌদি মখা লাকদৌবা মান্দ্রে। এ ইবুংঙোনা কন্না মতীং ফুদোক্লমদ্রবা ময়ামসে খোঙ্গ্রায নিক্তুনা ৱাজাও ঙাঙদুনা অদুম হান্নগী হান্না অমহাই অমহা তাদুনা লৈখিদৌনি।

- ঙমখৈগী ৱাথোক ৱাবোইশিন লাকপসিদি তশেংনা নুংঙাইবো মাম্মো। অতৈ ৱাদি থমখ্রগা ৱাবোইশিন লাক্লিঙৈগী মমাঙদো মখোয় মপাসে ঐদি ঙাওবদবোই নীংলুববনি, চানি থকনি তুম্লিকা পুমকাউ কাউবনি। চৎখৈ চৎলুবগা ঐসে ফমসে পাযবদা মতীক চাদ্রবনি, মীযামগী মীহুৎ ওইবদা মতীক চাদ্রবনি, ঙমখৈ ঙাকপা ঙমদ্রগা ঐনা মীহুৎ ওইবগী ৱাহন্দোক কবিনো, ফম থাদোক্লনি অদু তৌবনি, অদা তৌবনি। ইমাইপেম্মা মাম্মো লৈফম চাফমগা খঙপোৎ নত্তে। পংশাওদ শাওই। অস ! মাগী মতৌদো ঐদি নুংশা থীকববনি।

- ইবেম্মা অদুনি মাম্মোহোইদি ইবুংঙোনা তৌবিসে ওম্ভোক্লা পেল্লবনি। ঐদা নত্তে মযামসুনি। ঐনা হাযজিনবা নত্তে, মাবু থাগৎনদুনা নুংতিগী চেফোঙদা ইনবক্লিবা মযামদুনি। ইহে, পাউ অমসু তমগে তৌনি, কাউবু কাউথোক্লুবে ৱাবী নুংঙাইমনখিদনা। নহান ইবুংঙোনা মপান্দা লৈবিঙৈদা ঐখোয সোমগী মীযামগী মীফম অমা পাঙথোকখি, মদুদ মথঙগী মীবেপসু ইবুংঙো ওইনা থাগৎকনি, লাম্বা অমত্তা থোক্লবোইহিসি হাযনা ৱাবেপ্নখ্রবনি। অদুনা ইবুংঙো মাম্মোগী ৱাদি নতীং লৈযু, মীযাম যানবা অফবা থবক তৌবম্মু। মীয়ামগী থবক্তা ইবুংঙোনা মবম চানা, নতীং লৈনা, নথৌ পাঙথোক্লম্মু, শীখ্রবসু শীববোইদবনি , লৈঙাক পুবেলগা ওইবকখো, পালিযামেন্টকী মীহুৎকা ওইবকখো। ইবমদমসে শেমগৎখো ইবুংঙো।

লমাবনা মাযথোঙ মকা লাম্না খুন্নকই,

- হোয মাম্মো মীযাম্না নুংশিবীবীবসে ঐগী লাইবক ফববনি। ইহে ৱাবী লম্ফৈ ফৈদোক্লিঙৈদা অহলশিংগী পোত্থাফম শেম্বগী ৱাবীদু লোইশিনখিদ্রে। ঐ যাম্না থুনা মাম্মোগীদা শোযদনা লাকচগে অদুগা অমুক তানবসি। ঙসিসে ঐ যাম্না লুবা মীফম অমা লৈবনি, মতমসু থেংজিল্লক্লে।

- এ এ ইবুংঙো লাক্কনু, নথৌ চিনবা নঙনি, লৈবাক্কী থৌদাং কাযদনবা হোৎনৌ, মাম্মো হেক্তা চৎথোবক্কে। ঙসিগীদি মাম্মোসু থৌখ্রগে। লাইতীন

নীংলগা নথৌ নীংথিনা পাওথোকউ । নওসে ইরমদমগী মৈবানি । নওগুম্বা মীহুৎ মশিং হেনগৎলকপসিনি ঐখোয় খ্বায়না ঙাইনবিবসি । আঃ ইবেম্মা তম্পাকলৈমা মাম্মো য়ৌবে য়ৌবে ।

ঙাঙনীংবা মখৈ পেন্না ঙাঙ্‌থোক্লুবগা লোম্থোক্তবীগুম তূমিন্না লেপ্তুনা লৈবিবী তম্পাকলৈমা অহলদুনা চৎলগে তাক্লন্নীবদু তাবা তাদববা খঙদে, হোয় মায খুমখিদে । তূমিন লৈবম্বদগী খঙহৌদনা মচীন্দা শোন্দোকখি ।

- ঙাওববসু ঙাওম্লানি । ঐসে নহানমখৈ কযাদা পঙলুববা ।

লমাবনা নোকফেৎ তৌনা মশানৌবু নুংশিনা ঙক্লপ চীংনা যেংলকই। মীৎ মবী মীৎচানৈ । কোবৌ মঙালসু তশেং তশেংলকই । ❑